শ্রীহরি সঙ্কীর্ত্তন শৈরেং পরেং

শ্রীহরি সঙ্কীর্ত্তনাধাজা

মতাওবা শরুক



ইজবা:

শ্রীযুৱাম ধনঞ্জয় সিংহ

ভক্তিরসার্ণব চিংঙাখম্বা মাইস্নাম লৈকাই, ইম্ফাল।

२०३ ४६

Dhananjaya

(Yamuna..)

"..." Sang-

হরি সঙ্কীর্ত্তন ৫ 'PHAL- ?পরেং

শ্রীহরি সঙ্কীর্ত্তনাবলি

মত্তাশুরা শরুক

ইরবা:

শ্রীয়ুম্নাম ধনঞ্জয় সিংহ

ভক্তিরসার্ণব চিংতাম্বেবা মাইস্নাম লৈকাই ইম্ফাল।

কোংজবা ঃ
শ্রীরাজকুমার সনাতোম্বা সিংহ
উরিপোক য়াম্বেম লৈকাই,
ইম্ফাল ।

তাং [illegible] । ৮ ।৯৯ ইং

কোপী মশিং— ৫০০

মমল লুপা ৪০/-

ফংফম

১। অকোংবগী মযুম - উরিপোক য়াম্বেম লৈকাই
২। সরস্বতী বুক হাউস - সিংজমৈ বাজার ।
৩। মনিপুর সাহিত্য পরিষৎ - পাওনা বাজার ।
৪। আরঃ কেঃ বুক হাউস
৫। রাইটরস বুক হাউস - পাওনা বাজার ইম্ফাল ।

ছাপশিল্প মফম ঃ - ডিং জম প্রেস
নাওরেমথোং কৈথেল ইম্ফাল ।

কত্থনা

শ্রীশ্রী রাসেশ্বরী শ্রীশ্রী গোবিন্দজী চরণদা,

খা:মাইমুদা অনিগী চপনবু,

লেৎবা কোঞ্জরগা,

শ্রী ভবাশিংবা ভগীরথা ইবেম ধরুমং,

ইমালোন্দা ইথোকচবা কত্থরি ।

শ্রীযুমাম ধনঞ্জয় সিংহ

ওঝা গুরুশা

১। শ্রীযুক্ত সোরাইশম ৺তম্বা সিংহ — অধ্যাপক গুরু
২। " হুইদ্রোম ৺অঙৌ সিংহ — " "
৩। " পুয়াম ৺তোনজাও সিংহ — " "
৪। " লাইশ্রম ৺গোপাল সিংহ — গায়ক গুরু
৫। " ঙাঙোম ৺যোগেন্দ্র সিংহ — " "
৬। " রাজকুমার ৺সনামচা সিংহ — " "
৭। " লাইমযুম ৺লালবাবু শর্ম্মা — " "
৮। " গুরুময়ুম ৺বাবুসনা শর্ম্মা — " "
৯। " সাইখোম ৺লাখম্য সিংহ ব্রজবাসি — " "
১০। " গুরুভাই শ্রীমাইস্নাম ৺কুল সিংহ — " "

শ্রীযুক্ত ওঝা গুরু দেবদু কাওজবা লৈতনা থুকমৈ ।

সংশোধক

শ্রীনিংথৌখোংজম খেলচন্দ্র সিংহ — পণ্ডিত ।

শ্রীহিজম মণি সিংহ — সাহিত্য প্রেমী ।

ৱাহৌশক

লায়কাগী মতুংইন্না অমদি মতমগী ইমাকোন্দা শরুপা শাকংবা চৎনবকুম তৌচৎ য়াদবা ওইনা মথক্কী ওজাশিংদা ঈশৈশিং সম্নদি ইনা পাংবা বংবা খরদং ইমাকোন্দা কোকঙনিংঙ্গা। লেমথুমগী লৈতদবা ওঝাবসি উপাদা ঐগীদমক য়াম্ন থাজবা শ্রীমাইস্নাম মধুচন্দ্র সিংহ ফোরেষ্ট রেঞ্জর অফিসার মাগী মপান্নগী মতেং ফংজরুনা ২. চ কলাম মনিপুরদা পুথিরুনা চাউরবা অহানবা শরুক য়াথিরুনা আর্ট কনচরদা অয়াম্বা মতেং পিথিরুবা কোকঙনিংঙ্গ মনম লৈ নিংশরে। এগী পুস্তিনা লৈবিমথৈ আরট কলচরগী থবক্তা। থরাই কচ্চগনি অমদি আর্ট কলচর চাওখৎপা মঙ্গল লৈইবা পিংনবগীদমক শ্রীশ্রীগোবিন্দা তবজবা করুণা প্রাথনা তৌজার।

অহাংপা শরুক মথৈদি

১। শ্রীমাজকুমার সনাতোম্বা সিংহ — সেনত্রেন ঙবা

২। শ্রীনিংথৌখোংজম খেলচন্দ্রা সিংহ — পদ্মশ্রী

৩। শ্রীচনম হেমচন্দ্রা বাবা — মেনেজর চিং-তম প্রেস

ভদ্রলোক অহুমসিনা অহাংপা মথৈ পুথোকপিদুনা কোকঙ-নি মপোকসিংগী লমন তৌনিংশরে। মহুম অসিনা রাজেশ্বরী শ্রীগোবিন্দজী চরণা আরোইবা মতম কওবা নাম শেংজবা নিংশিংজবা ওম্বা ওইহনবিয়ু হায়না প্রার্থনা তৌজরি।

শ্রীযুমাম ধনঞ্জয় সিংহ

ভক্তি রসার্ণব।

পাঙাং বাইকে

শ্রীহরির সঙ্কীর্তন শেরেং পারেং সঙ্কীর্তন কলি কৌবা ওন্থ-অনি শাস্ত্রগী পাঙ্গলদা থাজনা পুংলোইডা লৈবা সমাজগী নাং ওইখি। শ্রীগৌরাঙ্গনা প্রেম থং শ্রীরাধাকৃষ্ণগী মধুর প্রেম রস অমসুং অসিদি ভক্তি মিৎন আইখং পাম্বা দাম্বি করা য়াওরে। ওঝাশিংনা সতসঙ্গ শারীরিক পায়না মরম গায়ককুম ওইবা মতম কুইনা সমাজগী সেবা থৌরবকশরদনিনা শ্রীহরি সঙ্কীর্তন শেরেং পারেং মেনস্ক্রিপ্ট ফজরে।

সংসক্রীৎ বঙ্গালগী হৌরকপা দগী লৌখৎলবা মশি, মণিপুরী অসিদা মৈতৈলোন্না ইমালোনা ইথাক্লুবা খরা লৈরবা পুথোক্লুবা পাংবা য়াবা মীশিং তুংথিনা কৌকপা অক্ষরশিং থম্বা ফজনা। শ্রীহরিনা মতম কুইনা সেব পাংবা থৌজাল পীবা ওইনমু।

শ্রী ইন্দ্র মঙ্গী সিংহ

[illegible] ডাং. খ নিংথেখোম কৈরাই, ইম্ফাল

সূচীপত্র—শাওফম তাকপা

বিষয়			পৃষ্ঠাঙ্ক
২১।	নরোত্তম বৈরাগ্য নরোত্তম লক্ষ্মীরা	—	১৬১ - ১৭৫
২২।	গৌর কৌস্তুভ = শক্তম	—	১৭৬ ১৭৮
২৩।	শ্রীনৃসিংহদেব ভক্ত প্রহ্লাদ কলবিবা	—	১৭৯ ১৮৪
২৪।	গৌরাঙ্গ শক্তম	--	১৮৫—১৮৭
২৫।	কালি ঐ	-	১৮৮ - ১৯৩
২৬।	বৃন্দাবন চংপা	-	১৯৪ - ২০১
২৭।	যতি তাললিপি	-	২০৩—২০৪
২৮।	অষ্ট তাল	--	২০৪—২০৫
২৯।	বির বিক্রম তাললিপী	—	২০৬—০
৩০।	সপ্ত তাললিপী	—	২০৭ - ০
৩১।	যতি তাললিপী		২০৮ - ০

— — —

শ্রীহরি সঙ্কীর্ত্তন শৈরেং পরেং

মঙাস্নুবা শরুক

শ্রীগুরু গৌরাঙ্গ খুরুম্না

১। শ্রীমৎ কীর্ত্তন মঙ্গলালয় মহা মাধুর্য্যবারাংনিধে ।
শশ্বদ্ভক্তিরস প্রদ প্রবিলসৎ শ্রীপ্রেমহেমাচল ॥
সর্ব্বানির্থ প্রবর্ত্তক প্রিয়তনো লীলাবিলাসাস্পাদ ।
শ্রীমদ্গৌর হরে প্রসীদ জগতাং ভক্তৈকনাথ প্রভু ॥

২। শ্রীকৃষ্ণ চৈতন্যচন্দ্র প্রেম প্রেম কল্পদ্রুমস্যহি ।
শ্রীনিবাস প্রভোর্নিত্যং শাখাবর্গানহং ভজে ॥

তথাহি শ্রুতিঃ

৩। শ্রুতি স্মৃত্যাদি সাহিত্যা নানা শাস্ত্র বিদোপিত ।
সঙ্গীত সঞ্জানন্তিতে দ্বিপাদো মৃগাঃ স্মৃতাঃ ॥
ত্রিবর্গফলদা সর্ব্বে জ্ঞান যজ্ঞ স্তবাদয়ো ।
একং সঙ্গীত বিজ্ঞানং চতুর্ব্বর্গ ফল প্রদম ॥

৪। সঙ্গীতদামোদরে :—
সঙ্গীত বেন রম্যেন সুখং যস্য নদেতসি ।

মানযা নুযভো লোকে নিংগ্নৈব সবক্ষিতঃ ॥
গীতেন হরিনা লঙ্কং প্রাপ্নুবন্তাপি পক্ষি নঃ
বল্লাদাযন্তি ফলিনঃ শিশবো নরুদন্তিচ ॥
পরমানন্দ নিবন্ধন মতি মত ফলদং ধর্মাবধাম।
সকল জন চিত্ত হরনং বিমুক্তি বীজং পরংগীতম ॥

১। ত প্রভু গৌরহরি গৌজানবীয়ু ফজবা পুম্নমক্রা তিংবা।
মঙ্গল মশন ওইবা কৃষ্ণ কীর্ত্তন হৌদোবকি বা ঃকোঃহকা ॥
মীপুক কুবা রসকী সমুদ্র বি মক্তুব ভক্তি রসবু ননাই
ভংসিংদা তত্তনা শিন্থবিরি ॥
অরংবা সনাগী চিঙ্গ্যা শন্দি উজ্জলদা মুংঙাইজবা পান-
বিরিবা ভক্তগী মনুংদো লৈনং পুম্নমক থোকফং থরিবা ॥

২। শ্রীকৃষ্ণ চৈতন্যচন্দ্রনা প্রেম পিনখৈগা শিনদবা উপায়ি।
অদ্বৈত প্রভুগী শ্রীনিবাসনচিব ভক্তশি বু তত্তনা থুরুমজরি।

৩। মী অক্তুন শ্রুতি স্মৃতি লাইরিক পুম্নমক হৈরবন্তু।
সঙ্গীৎ বিদ্যা ইশৈবু হৈক্রবা মথোং অনি পামবা শাস্ত্রনি ॥
সঙ্গীৎ বিদ্যাবু খংলবদি ধর্ম্ম অর্থ কাম মুক্ষা চতুবর্গগী
মহৈ ফং।

৪। সঙ্গ ৎ দামুদরনা হায়রি:—
মগী পুক্ষিংদা ইশৈবু পামক্রবা ইশৈ শকপা ৎংববু হৈক্রবা
মী ওইবদো মন্দগা মান্নে।

শক্তি উচেক লৌয়চিংনা ভিব
পুন্নমক ইশৈ তাবা পাওই॥ য়ুংশিবা ঈশনা মখোয়গী
হিংসা কোকহাল্ল শাওম কৈ নোংশানচিংবা। পুক্লিংদা
মুংঙাইবা পিরি অৱাবা পুন্থা কোকই। পুন্নমকী পুক্লং
চিংশিল্ল অৱানবা পাংবী খংহ॥

কোজবা — (অবাহন)

লোকা

লেংবীরক্লে: গৌরহরি ননাইনা কোকপি।
খোৱাংনা ভায়জরি খোঙাম মিয়েং নিজরি॥
নঙ্গা যন্ত্র খোংথিরো নঙ্গী কীর্ত্তন তৌহিরো।
দেহ যন্ত্র তাডুনা লৈরে খোংবিন্দবা লৈত্রে॥
পাম্বোম ৱাংনা থাক্তুনা হরি শোনবিরো।
চরন সেবা কংজগে পুক্লং তুলশী কচ্চগে॥
প্রেম ভক্তিনা চন্দন ওইনা খিকচগে।

ঠুংঙরি

লেংবীরক্লে গৌরহরি সঙ্কীর্ত্তনদা ডানবীররে॥
পাম্বোম ৱাংনা থাক্তুনা লৈমা জগোই শাংবিরে
হরি হরি শোনবিরে প্রেমগী মুর্ত্তি ওইবীরে।

শক্তি গৌরগুন ভক্তশিংনা
অমৃত পিকপগুম মুংশিনা ।
শৈশক খণ্ডনা খণ্ডনা ওংল চানা ;
কনা কনানা য়ৈরি পুং নিংথিনা ॥
মুংপোন ভাবদা হাঃহাংশিংনা ;
শারি জগাই পেক্লা কোইনা ।
হবাও ইপাক্তা তাংখ্রে লোইনা ;
নংদমদা লৈনা জব ভংনা ॥
কুইম য়েবা লাক্লে চিংথনা ,
মুপী মপা অমত্ত খংজনা ।
ময়ুমদা হুলপানি ভমা কাওমখরে ;
কুমৈ য়েংবদা ভমা ভাউনখরে ॥
মযৌ পুম্না লেইনা কাউনখরে ;
মুভিনা খমোইজুংদা ভাগখরে ।
ত্রিভঙ্গী লীলাদা লোইনা চুপখরে ;
নসগী ইপাকথক্তা তাওখরে ॥
কুংম্ম য়েংজৈ তোপ্পা তোপ্পা ;
মাগী মাগী হাখন তোভান তোভান্না ।
নহাবা নহাগী অহলনা অহলগী ;
নিপাবা নিপাগী নুপীবা নুপীগী ॥
নরহরিনা প্রভু য়েংদুনা তপ্পা ;
চামর দৌগৈজ ভগা ভপ্পা ।
গৌর কৃষ্ণ অনি অমত্তনি ;

আনন্দদা খেননদবা অনিনি ॥
ব্রজগী কৃষ্ণ নদিয়াগী গৌর ;
ভোংঙোন ভোংঙানবা শাক্তাম ।
কৃষ্ণ লীলা গৌর লীলা খেন্নদবা লীলানি ,
গোপা ২ শাজবনি অসিগী লীলা অমত্তনি ।
রাধা কৃষ্ণ অনিমক্না অমত্তা ওইবা গৌরাঙ্গনি
অচিকপদা ভুমিয়া কয়ম্তুনা ;
করিগী কপ্পি হিকা হিক্কা ।
কনাগী রাখল খন্দুনা নংবা ,
কনানু কৌরি লোয়া লোয়া ॥
লাম্বা কংলেপোক্ট খিকহুনা ;
উরা কংলপোই লংলুহনা ।
ব্রজ লীলা পুম্বা যোংবিহনা ;
গৌরবু লানথিরি চানবিহনা ॥
নদী লীলা অদুকপনি খংজমদবনী ,
ভক্তদনা খঙ্বনি বৈষ্ণবশিংনা উবনি ।
গৌরগী চরন কংজবা শ্রীরাধা গোবিন্দ সেবা .
প্রেম সেবা য়াওজবা ইরাইকাইবা নত্তে ॥

কলহন্তরিতা

* যতি তাল

নিংতমদবা যেন হৌয়ক্লে গৌরগী থমোইহুৎদা ।
অরাবগি কল্লি গৌরনা হীরা হিক্না ;
তখুনা প্রেম থাগা শিঙ্গুরি, গৌরগী ।
নিঙ্গা থবান তনিদগী ; আরে ; ওইন-
চ ওরুবদা এদি যাংজরে ; ॥

খোকা

থাঙ্গলবা নযন্দা লোংগী ইপোম্বা তম্বা হৌরি ।
তজনা প্রেম শিঙ্গুরি ; নরন্দগী ; স্নাগী চিং তবা ।
শ্রীঅঙ্গদো প্রেমতনা পুমলুপ লুপথরেমে ।
প্রেমগী ইপোম্বা য়েবদা, নিক্লি থক থক শ্রীঅঙ্গদো ॥
স্নাগী লফু লরাক হায়বগুম্বা থাঙলি গৌরাঙ্গনা ।

হীনা হিক্না কপ্পুনা হায়রি গৌরনা তোক্লীদা ঐগী মুক্তি
কদা কপা যাদা ভাবতো লুপ্তুনা করিম্বুংগী লংজকরবা ॥
মনৈ মা নংদে খুত্তা পাঙ্গরবা, থমোই মনি মাংথরে ।
মতম লৈংহুনা মাংথরে মমল য়াম্লবা মনি ॥

(নিঙ্গথৌশ্রম গোপাল সিংহ ওজা পুরেনগী অমদি
লাইখোম লাবনা ওস্নাগী বঙ্গলা পদদগী ইথোক-
চবনি ।) — গীত রত্নাবলি ঈশৈগী লাইরিকগী ।

ওইনরুবদগী মাংখরেদো থমোই রুষ্ণ মনি ॥
ছায়বিয় ইতা চানবী; কৃষ্ণ ফংনবা উপাই ॥
করি উপায় লৈখগে; করি ভজন করি সাধন ॥
শকচৈ লোচন দাসনা ভাংলবা ব্রজরসসিবু ॥
খংনৈ উকৈ ভক্ত শংতনা খংগমত্রবা রসসিবু ।

ঝপ তাল

১ | চায়বগা খংনরুরবী ওইন চাওবী থমোই কলবী:
নিঙমদবা রাখন্দা ফমদি ।
থমোই কনবী ওইন চাওবী শ্রীরাধিকা শকহেনবী ;
ওইখরে পুকচেল ব্রজগুরী ॥
মানগী মাপল কারুরবী রাধা রানী শকহেনবী ;
থমোই কুঙ্গুম কল্লবী ।
ওইনজুনা ফমখরে মানগী ভাংবল মথক্তা ;
মানগী ছ কাখরে ॥
মানগী লিন্না চিকখরে মান কৌবা মহু কমবা .
নিংখিবা কুচু মকশিনখরে ।
২ | তংগাশিদা কোকিল চোংঙা; পাইরক্লে রাহোং ভেমবা.
মখৌ পোংনা কৃষ্ণ নাম শোল্লি শক্লি ॥
বৃন্দা সখীনা খৌদাযকই রাধাগী মানবু কায়নংবা .
চংলো পোম্বী চেল্লাশা ॥

পুংবা পুংবা শুইনা পায়খ্রো মানিনি রাধাদা তাহ্রলুরে';
মুংশিবা খোম্বাদা শকলকই।
কুঞ্জগী মনাক্তা প্যাইদনা পাইনা হৈনৌ পাক্ষী মশাদ' তোংই;
মখৌ পোংনা কৃষ্ণ নাম শক্লি॥
উশা উশাদা তোংলুরে, পোক্ষী চেক্লা মচানি;
কৃষ্ণগী কুঞ্জদা লৈজবা।

৩ মাইথোং নোংথক ওন্দুন; রাধা মাধব হায়না তে ইনা;
রাহোংশিংনা নোইমা জগোই শারি॥
পুংবা পুংবা লেপ্তুনা; রাহোং লাবা অমোম্ব';
মশা কম্বা জগোই শারি।

৪। কোকিল লাবা অমোম্বা পঞ্চম স্বরদা মুংশিমা শকই,
লৈকাথক্তা খোইমুনা লৈঙ্ক্ষি তুপই॥

৫। পুংবা পুংবা শকলকপা; মুংশিবা খোম্বোক তাবদ;
ভক্তুনা তাখং মান কোম্বি লৈমাইদা।
কৈরাখক্তা তোংহুনা উচেক লাবা অনোম্ব',
রাধা মাধব হায়না তোইমা।
মুংশিবা খোম্বাদা শকলকই॥
চেলথরে মান কৌরা লিম্বো রাধাগী থমোই কুঞ্জদগী;
রাহোং শঙ্কিম তাবদা।
কোকথরে কম্বা লিংগী হু॥
মাহা মন্ত্র কৃষ্ণ নাম তাবদা।

৬। হা হরি হা কৃষ্ণ; কংজরে মরৈ কর্ম্মগী, লংজবগী
মাংননবা উশামক্তা শিল্লরে।

৭। হা কৃষ্ণ হা কৃষ্ণ হায়না, মাঙথোং মোংথক ওন্দুন;
ছীক্না ছীক্না কপ্পুনা তেংথারক্লে॥
থবাগী মপু কৈদা চংখ্রে; তোঙ্গুম রাধাবু খাদোক্লুনা,
অশিঙ্গুনা এতম ৎসিদা।

৮। চন্দ্রকান্ত কবিনা শকটে, কম্মগী নাপল পাদোকচৈ:
অনিগী লীলা শকচব ষংজ॥

জাঙ্গিয়ঃ-

শ্রীমতি ইবেম্মাদি খাদোক্লে মানা হৌজিক্তি বাইন মৈশা লাংথী ওইনা
ওয়াক্তাত ইংনা লৈবা কুঞ্জদা, থমোঙ্ক তপথবা লৈত্রে রাখিবনা॥
চক্ষুনু উদবদা পুম্মম মমখ্রে; কম্মদি লৈগনি কুঞ্জদা রাপানা।
কুঞ্জদা থোকখিদ্রে ব্রজগী থা, থাজ মানা থোক্ত্রবদা কুঞ্জপুম্বা মমখ্রে
অমম্বদা লেবা ওয়াক্তাবে পোয়ক্লে, কুঞ্জদগী মপান্দ কায়ন মৈশা
মুৎনবা। হোংনজরকই শ্রীমতি ইবেম্মা॥

কাফি = লোফাঃ—

১। কুঞ্জদগী লেংথোকলক্লে মানিনী রাই।
কৃষ্ণ উদবদা অঙাওবী ওইরেনে॥

শাদানবগী তেন্না পাম্লবী শক্তিগুম্বী ।
রাধ দো মামগী তেন্না পানখ্রেনে ॥
চন্দ্র গ্রহনগী ফুংদা থানা ভাংকপ হন্ন ।
ওইথরে রাধাগী মাইথোং খংজদন্দ ॥
কৃষ্ণ উদবদা মানগী তেন্না পানখরে ॥

১০ । ভাংভ্রাংলবা মিস্নানা সখিগী মাইথোং য়েংই ।
য়েংহুনত্তা লৈরেনে, রাধানা তুমিন্না; সখিদা ॥
চান্নবী সখীগী মাইথোং চিংনা হিংনা য়েংকুনা ।
খোংচেল থোক্লা কপলক্লে কান্নবু হায়রজবা ওমজ্রে ॥

কৃন্নবা = তাল অমা

চংহক নিংহ রাধা নিংবতনি চংপদি য়াদে ।
থাংবা যাদে খোংথাং অমত্তা মিংবী পিরাংনা থুয়ে ।
উত্রে করি অমত্তা রাধাদো চংচবা ওমজে ।
চংলি খোংথাং অম অনি থাংই লৈংজ মক্ত ওমত্রে ॥
শ্রীমতি রাধাদো কৃষ্ণ প্রেমদা লুপখিবনা ।
মানগী চাংজৌ কাম্নথিবনা কায়ন মৈন চাক্লকই ॥
সখী য়াইদা মাইথোং লুক্লা তুমিন্না ফমই ।
হায়রকই নিংজবা পুক্নগী রাহৈ মংতেক মতেক্লা ॥
মাইথোং লাংশিনা নিংজবা পুম্বা থাদোক্লুন্না ।
উপায় অমুক লৈত্রে ইত্তাশিংনম্ন খোশাবিত্রে ॥

লাল্লধদি কৃষ্ণতদনি থওইবিদ্রে ময়াম্মু ।
চন্দ্রশেখরনা হায়জৈ অরেন্দদা তৌকয়ে মানবু ॥
শাউথিবনা থামহৌদবা করিগী কৃষ্ণনু ।

ধরা = কামোদ রাগ

প্রেম্না মমলুরে, অহানবদা উরুদরে,
মাগী চাম্নবী য়াম্না লৈবনি হায়বা ।
কনাদদি খংলুর্গনি অসুম থোকনি হায়বা;
অসি থোকনি খংলবদি মান করিগী তৌরুনি ।
চাম্না খংলবদি করিগী তমথিবা মান তৌরুনি ;
ময়ামগী মবুংঙোনি হায়বা খংলুদরে;
শ্রীকৃষ্ণগী ইবুংঙোনি খঙ্গরুরে;
ধ-গু আরে আরে আরে; আরে আরে এ এ এ এ
আরে সখীরে এ এ এ এ ॥

বিষম কাটা সমতান

চাম্নবী ময়াম লৈবনি ঐদি খঙলুদরে ।
খংলবদি করিগী মান তৌরুনি ঐনা ॥
চাম্নবী ময়াম লৈবা কৃষ্ণনি খংলকই ।
মাগী ঐঙনি খন্দুনা ওইনতরুবনি ॥
চাম্নবী ময়াম লৈবা পংগথীদা খংলুদরে

লোফা

চানবীনবা ঐনা খোয়ামলুবা
ওইথরে খৎনবতুম হৌরকবা ।
কর্ম্মিমুঙ্গা ওইনরুবনোকো ।
ওইনরুবে শাউশরুবে ।
কৃষ্ণদা মান তৌহনা ॥
অহুব মাদি চাংনা শাউথরে ।
চাক্রে অহিং মুংথিল কায়ম মৈরিনা ।
ঐগী থবাইশে চাকশিললক্রে ।
কৃষ্ণ কাষনবগী মৈরিনা ॥
অমুক খাংবা ওমলক্তরে ।
কৃষ্ণ ফংনবা পাম্বে হায়রিঘুবা ॥
ইতা নখোয়মু করিগী শাউবিরিবা ।
ঐগী থবাইসে হিঙ্গনী মিংলক্তরেনে ।

রাগি

অসিগুম্বা শ্রীমতি রাধাগী রাহৈ তারগা;
লখানা ইবেম্মু য়েংহুমা হায়রকই ওইনচাওবী;
রাপে হৌজিক নঙ্গা চাউথোকপগী মান্দো কদোমদা চংব্রে ।

লোফা

হৌজিক কৈদা চৎখরে নঙ্গী মান ।
রাধে মান্না কদোমদা চৎল্লবা ॥
হৌজিক নংনা কদাইদা লৈক্লবা ।
মান তঙ্গিরম্বা মঙ্গাক্লুনা কদায় ।

মানগী মহোম হোক্লা থোংকৎলুগেরা ব্রজ লক্ষ্মী লক্সীদা
মান হৌরুক্লুনা মাংহনলগে, খুড়া পাম্বরদা কৃষ্ণ মনি
লখীগী নংথং তাদগা শ্রীমতি ইবেম্মা সখীবু হোংলুনা
মহাক ২ পইবা থাহৈনা সখীগী মঙ্গমদা হায়রকই ।

কাফি = লোফা

মাংলদাকো ইত্তা পুবা ভমল্লে থাংগৎ ইপোমসে ।
নাংকলল্লবা কৃষ্ণ মাবু পাংলবীনা তাম্নোকখরে ॥
ভমলরোইদ্দা হৌজিক এবু কনবীগে ।
থাখরেদা থবাইসে পুবা ভমলক্করে ॥
করিগী খামহৌদবা লাকপিদবা মাবু ।
ফংজো হায়না লাক্লবা মনি তাম্নোকখরে ॥

হৈংগুরি

রাধে অনুগম্বা রসিক নাগর কৃষ্ণগা।
করি থবা চাওথোক্লুবিবা॥
রাধে রুক্মিণী থংলক্লিরিবা চন্দ্রনা নত্তে।
কয়ারক চম্না রুক্মিণীদমক থংলক্লি॥
মীরু কপহল্লি নহাক্না হৌজিক্কি বপালি।
হৌজিক্কি মহৈ য়াংল্লেদো ঐদি হান্না হায়ৈ।
খুদক্তা কত্ত কৃষ্ণ কপহনপা মহৈ।
অরেম্বদা থক মাংনা য়ারোই মহৈ তদো॥
রাধে মংনা লংদবা প্রেম থনা চমদরে
অরাইবা থবক্কি খল্লুগদ্রুক। হে রাধে॥
কৃষ্ণ প্রেম কংবা প্রেমদুদ ডাওডম্বনিদো।
লাইবক ফবা মীতনা ফংদনি কৃষ্ণ মনি॥
ফজবদো তাম্হোকথরেদো পাংলবা রাধে।
থোত্তনা থোংনা লাকচবা প্রেম ফজো হায়না॥
হুমিৎ খুদিং খংনা চৈন ওইরে থামজবা।
নোংমা মিনিদা নত্তে থংনহুনবা লাকলি॥
শাগৈগী মৌওইবী পালেবী শাওগনবী।
করম্না লৈগনি তাংলবা কৃষ্ণপ্রেম অদো॥
চংললি বিশাখা লৈসনুকো মতোমদা।

ৈলকম থোক্তে ঐখোই মাঙম্মা দশা তাগনি ॥
কৃষ্ণ কৌবা লদো থাদোক্লবা মীদো ।
ছিংবগী কমি অমুক বাম ন মানা ॥
শকটে দ্বিজ চণ্ডিদাস কবিমা ॥
শিখিবনা শরুক চামা হেননা কৈ ।

পুর্ব্বী — লোফা — মাত্র

ছৌঙ্গিক মতম অসিদা ঐবু অমুক বাহনদ্বীরমু ।
চখোঈ অক শাহুনা ঐবু খেইনা চাকহনবিরমু ॥
মতুং ইনম মীবু হাংপদি অফবা থক ওইরোইনে ।
বরি ম ; রখল ছৌবিদে ঐবুদা অমাবা পিবিমিনে
নালিগা ভং । থল্লবা ইরোনজংদা চেংথহুনা শিজরগে
শিখিবনা ফমনি চামবী নখোইনম্ভু য়েক্লবী ওইরে ॥

তাল অমা

ইতা হ মনসু অমুক ঐনা ছৌজবগী মহৈ ফংজরে ।
বিধিনা ঐবু মামা বাহমে কান্নুনজু মুংশিবা থংবিদে ॥
বরি হান্নমি মৈচাক অসিবু থদ্রাইসে পুজমদরে ।
বাখন থেনবী মুপী মচানি ভুজা বাধন ছৌংই ক্রোনে ॥

তালথা অচৌবা অমা

মাগী মাইখোং থাজ থমোইদা থম্নগা ,
কালিন্দী হুগী ইরোলমুংদা চোংথদুনা .
থবাইসে থাখিবনা তেম্না ফবগনি ।
কৃষ্ণদা য়ান্না লংজরুববী ঐহাবনি ;
থবাইসে থাদোকখিবমা যবগনি :
থবাইসে অমুক হমলরোই ঐনা ॥
ইতাখোই ঐগী তুংদদি ইলবিয়ুনে ;
কালিন্দীগী ...র্বান্দ অহুদা কেপ্লিয়ুনে ।
থবাই হ... , থাইনমমদাইদা :
নাকোংদা কৃষ্ণ নামংদি তাহনবীয়ু ॥
কৃষ্ণ নামদো তানা ২ থবাই থাজখিগে :
ঐনা নিংজবশিদদি থুংহলবিয়ুনে ।
গোবিন্দ দাস ঐনা হান্না শিজহৌখিগে ;
মৈগী হুণ্ড শেমজবগা চোংশিঞ্জহুনা ॥
ঐনা হান্না শিজহৌখিগে গোবিন্দ দাস .
অমুক তমখি রাসিবু কনানা তারুনি ॥

ভুর্তাগী রা

হায়য়ু ২ কবিগীনো সখি মথোইনা রাধাবু তমখিবা রাহৈ হায়বিবনো। ঐ লোইনা থংজরে অমুক কুইনা মুংশিডরকপ.

রাধাবু ঐনা খোঙনা থুংশিজে ॥ হায়য়ুনে বিশাখা করিগী অংদা তুমিমা কেপলি। করিগী রাধাবু অমুক কপচল্লি। বিশাখা নহাক্কি থোক্লিব পুম্নমকসিগী মরুদি। অমিগী প্রেম লীলা লিংখৎপা শরুদি নংনি ॥ ঐখোইগী রায় রাধাদা প্রেমগী মশক খংহল্লবদু নহ ক্কি নহাক্কু থোকচল্লিবা ডাক্তনি। অংনা নোংমা চিত্রেণত্তা কৃষ্ণগী শক্তম উক্নবা রাধাগী থমোয়দা প্রেমগী মক্ক হনখিবা মন্ত্র ॥ নখোই পুম্বা মংঙ্গহনা প্রেম তখিরগা করিগী চৌজিত্তা রাধাগী থমোই চাবহল্লি। কৃষ্ণগী শাজং মুম্বা থংলিবিমা চন্ড্না কৌরু লাকনি শোইদনা কৃষ্ণদো ॥

কাফি - তাল অমা

মান তৌথরদি তৌরুরে ফরে; থৎনব হৌরুদগা করিগী, ফল্লি।
করি তুল্লিমা মুংত্তক মুংজানায় ; করিগীনো অহুক খঙ্কুরিব ॥
নতা ঐ লৈবসে কাউবিরববা, মান তৌনবিদা থোক্কিনহুম ফায়।
অতা ঐ ক্কিংলিক্কেদা নহাক্কী মান্দো, অরেম্বদা বক তাবা যারোইনে ॥
নিপাগী মকমদা নুপা ঐখোইগী, ওইনবা নত্তন করিদি লৈরি।
কদাইদা চৎকমি মহাক মথণ্ড মরুমাই লাকচনি।
অমুকন্থ ঐনা কৃষ্ণবু হায়জহনখিগনি তুহমাখবী ॥
চৎলকপা শারেক্কা শামু শাজং হেম্বা চৎলক্কে হুন্তি সথীনা।
চৎপদা শামু সাজং হেল্লি হায়না হুম্বা হৃতীনা চৎলক্কে ॥

১। আভোরঃ ১ম অংক ॥

চুতীন' থর চংনুবগা অমুক হ জলজুনা ;
মহেন্দ্রগী চরন অনিদা ভিক্ষ ি-জরি ।

অনুক মোংশান নোকপিয়ু রাধে ।
ঐসে হাংগ মিংখোন কাংহ বিনী ॥
কায়নরবা সাইহানবা ওমহি ।
করম্বা মিনোক মিনোক্লনা রাধা ॥
কৃষ্ণ মদন মোহন স্বমহৎপা ।
অমুক্তদি নোকপিয়নে চে রাধে ॥
পিনবিয়ু নিজরি অনিশী চুরেনে ।
শ্যামগী গুটদা জান্নবা মতমদা ॥
তেংল্লবী ঐগী কোক্তা হাংচগেনে ।

বারিঃ— মনাই চুতীগী ভক্তি উবদা ইবেন্দনা ;
চানবিরে মঙ্গল ওইয়ু নিংবা পুম্নমক থুংউ ;
হে সখী নংনা ঐবু চাংমবিয়ুকো ॥

তালখা অনি

বংশিবট যাবতলোমদা বন থুদিং য়েংলকই ।
শ্যাম কুণ্ড মদন কুণ্ড রাধা কুণ্ডদা থিংকই ॥
বন ভ্রানিথোইদা থিরকপা গোর্ব্বদ্ধন য়োরে ।

যম্বী-যনাও মংখোন তংন চেনশল্লি সখিনা॥
শিদাম সুদাম মধুমঙ্গোল লৈবদো ংয়েনে।
যমুনা মপান্দ কদম মংখোংদা দ্বোইরি বনমালি॥
তুমিন্না লৈমাইথক্তা নোংথাং য়াংনবা নোংঙাম্না।
চুবা বাঁশি তোংঙান তোংঙান কৃষ্ণ ইরাউ য়াউনা॥
শোল্লি অমুবন্সু পুংশা মাপ চোম্না মথা খাব হায়না।
শেখরনা হায়জৈ উফুন্দ্রা শোল্লি রাধা তোইনা॥

তাল অমা

হৈশিংগী বৃন্দা দূতীনা থাগ্লা কৃষ্ণবু উবদা;
হায়না হুয়া চৎলক্লে।
চন্দ্রা রাদবা থক লনাই ।। গুম্না;
মক্ট য়েন্তা য়ুংবা লৈতে॥
অহানবি উক্লুন্দা ওন্দুনা লৈবা কান্নুদো;
।। ইবা সখীনা উয়ে।
সখী উবা মতমদা; পুক্লিংদ থললকই;
ঐবু চানবীগে লাক্লে॥
থোইনা চানবী হৈনী; রাধা মানীনা সখীবু;
কৃষ্ণবু কৌরু থাইক্লি।
লনাই থবক চৎপা; অতৈ থাবন লৈতবা:
উবদা কৃষ্ণনা হংই॥

করি মরমগীদমক.; লাকাজিবনো অসিদা ,
রাধাগী চান্নবী নংবু ।
হৈশিংলবী সখীচুনা ; মাইথোং লুক্রা হায়রি ,
ঐবু কৌরিবা কনানো ॥
চংঙক্রনা থুমই কৃষ্ণ ; ঐসে রাধাগী মনাইনি ;
চানবিগে লাক্লিনবা ।
শবচৈ মনোহরনা ; হায়জবসে তাদগা
চংখো নঙী থবক্তো ॥
করিনো হায়বিরোনে , কৌশিনবগী মরম ,
এদি নংবু কৌগে লাক্কে ।
তাকপিরো করিনোনে ; থবক য়ামই ঐসে ;
তপথবা য়াদরেনে ॥
পোংশক অমা কোক্লগে , হায়না চংলিবগিনে ,
পন্থমদি য়াদরেনে ॥

তাল অনি

তাবিয় নাগর ইদেম্মা বায় রাধাদো ।
ওরাংদগী হৌজক কাওবা ব্রত তৌরি ॥
এমা সেবাম্ব লৈ হেকচবা লাকপনি ।
অমুবা পোংশক পুম্নমক য়েংখিদরে ॥
ওরাংদগী রাশব চেংবা লৈপ্রবনিরে ।

অমুবা ঈশিং কাওবা পকথিত্রখনি ॥
ঐখাই ময়ঙ্গী শ্যামা সখী তাম্বোকপ্রে ।
কুইদা পম্বা রাজে থবক য়ামই ।
নঙ্গা চিলোক্লনা ভাংনকুই তারখদি ॥
ইতাশিং মংক্তা শোয়দনা দণ্ডি ফঙ্গনী ।
ঐদি মংবু কৌপে হায়না লাকপা মস্তে ॥

কৃষ্ণনা হায়বা
চারি তাল অমা

নিংখীবী করি হায়গনি ; হায়কম থংদেদা ঐদি :
খন্দা মন শেলবা ঐনি
রাধাগী প্রেম, করম থঙ্গমী ।
রাধনা ইশোক্রে হায়না ; নখোইন্ন রাওহেদনা ;
অক্তদি ঐ হু চাকুনা শিক্করগে ॥
থরাইসে থয়রোই ; লৈহোইসন্ন রাধাদো ;
রাধাদা ঐদি রামা লাপ্রে ।

ভূতি রা
তাল অমা

গোপী জাতসি শক হেন্দবী হাইহব থীবী গুন ছেনবী;
কয়িষ্টিদমক হু চাক্ন ;

মাগীদমক রুক্মিণী হু চারুনি মরৈ মরা চাওবী শুক্ল।
শুন চেন্দবী শকত্নু হেন্দবীগী দমক বরি শিত্তরুনি ॥

বারি

পদকর্ত্তানা পুরিশা ভাবতি শ্রীমতি রাধিকানা কৃষ্ণ ঐহোন্দা থম্লিবা প্রেমগী তঙ্গৃতি কনি পোংগি পাম্ব মুনি মিংসবা ভু থাব ওস্না নত্তে। অতনদি বৃন্দাবনগী চিংয়া তম্বরানা মোইতৈং পৎনা যন শেনবা কৃষ্ণ ঐনা করম থংগনি হায়বা ভাব তম্লিনি ॥

সখি হুতীদা কৃষ্ণনা হায়রিবা ভাবনা; সখী হুডী থাপানা ঐবু ইত্মোক্লিবন্সি থ রৈঙ্গ শোনবরা? নত্রগা মচু: ডংগ অসি-শুম্বা থবক অসি অমুক তৌদনব। শাওশিমহুনা ঐবু বারক্লি-বরা ঐ করি অমত্তা হায়রুম থাদে ॥ মখোইদি অহিং মুংথিন্দা তিম্ববানিনা থংজিনি হায়বা অংমী ॥

চন্দ্রাবলি মাইথেং থাজগী; অহিং মুংথিন মঙোম চুপ্পা;
লৈবিরু মুগ খুদিং হিংহুনা।
চন্দ্রাবলিগী মাইথোং থাগী; অমৃতবু পুক পম্বা থক্কুনা;
নিংঙাম্বদনা লৈবিরুরোনে ॥
থম্বাল মনম নম্বী সখী; পদ্মা ভদ্রা সব্যা মথেং পুম্বা;
নিংব ঃনা পীনহৈবী ওাক্লি।

অমুতগী মঙাক ভারিনে; অনৌবশিংঙী হৌবা প্রেমদি;
থোইনা তম্মানবু তৌবিনী ॥
মনোহর শাসনা শকচৈ; কনানা মতোন্দা তম্বীগনি;
রাধা প্রেমবু করম খঙনী।
কনানা লাম্বা ফঙনিগে; রাধা প্রেম উপাকী চংহৌবু;
প্রেমগী লন লৈবী লৈঙেনী ॥

কৃষ্ণনা তায়বা

তান অমা

চুতী রাঙাং তাবদা; রসিক শেখরা কৃষ্ণ;
লাক্লে কুঞ্জদা সখীগা।
রাধা নত্তনা লৈতমদে কৃষ্ণ কৌবা ঐসে;
কুঞ্জদা লায়খরই ॥
ঙৈশং নত্তনা চানা করম্না হিংহনা লৈনি;
রাধা ঙৈখিং কৃষ্ণ ভানি।
লম্বী চেন চংনা লাক, চিকিদা চিনা য়েংদুনা;
ঐগী রাধানা ঙৈরিংনী ॥

আমৈরি

অম্বুম্বা লাকপনা কুঞ্জ য়ৌরক্লে লৈংঙেরে মদা ঙৈ লৈচিনক্লো।
কুঞ্জগী থোংদা ইবেম্মনা হেক য়েংথোক্লকপদা মাইথোং অনি;
মায়োক্নবদা থিংভমদনা হকাই চুশি য়াম্মা মাইথোং
লুকথনা লৈখরে ॥

ঝাপ তাল

চংশিন্নি ছুমিন্না কমথৈ কৃষ্ণদো ।
যাথাগী দুর্জ্জয় মানবু উবদ্রা ॥
শিন্থরকপা মিতগী পিয়াংতবা ।
কৃষ্ণগী হকচাংদো লুপথরেমে ॥
অশাংবা মমিগী চৌংজাও মথক্তা ।
মোংমদোম শীক্লানা চেস্থবগুম্লে ।
হায়জগকই তনিকপা যাহৈনা ।
খুবাং চাংজৌ তয়াবু লোমজদুবা ॥
স্নাকিগে গুজা ওক্তা য়েংচহুনা ।
নমাইনি কৃষ্ণদি খুমাদ চংজরি ॥
পুত্তমদবা মানবু থাদোকউ ।
কৃষ্ণবু অমুক্তা য়েংথিয়ুনে রাধে ॥
নখোং কোন্থুনা লাল্লে হায়জরিবে ।
কদায়দা চংদ্রো য়ারবগে ঐবু ॥
থাগুমদবা যাধে নংবু থাদোক্তুনা

ঝপ তাল = প্রেমে চারুশিন

হে রাধে নিংথিবী থাদোক্লো থরম লৈতবা মান ।
চাক্লে থমোই লকাসি হুংশি হৈনা তত্তদা ॥
পিনথিয়ু মাইথোং থম্বান লৈহী ॥

সন্ধ্যা মেবাসি

যাবৌবনা অয়োইবা ওইমবদি নীংখিবা ।
থাবিয়ো অথোবা মিচ্চিগী তেননা ॥
পুম্নমো পাম্বোম থৌরিনা পিমবে; যাম্ভোনগী
দগি কয়া । পিনয়ো পিনিংবা দগি হে রাধে ॥

ত্বমসি মমভুষন ....

নৈতেংদি মহাক্না ঐগী থক্নাইনি মহাক্না ঐগী ।
মায়াক থম্নাম্না মনিনী স,ষায় ইপাক্তা ঐগী ॥

ভবন্তু ভবন্তিহ ... ...

পিনবিয়ু মহাক্না ঐযু মতম নৈবা থিখিক্তা ।
অহুতনা থমোইগী লনদি ঐগী ॥

স্থল কমল ... ...

স্থল কমল ওমজবা থোংল থমোইগী ;
রতি রঙ্গদা নৈতেং ওইরিবা থোইনা নিংখিবা ;
চয়ন অনিদা থঞ্জগে ইথুংনা অলক্ত র গ
পিমবিয়ো য়াথং স্থংশিরবী ইহেম্না ।

স্মর গরল ....

মুংশি মৈচাক মুংনজগে কোকী লৈতেং ওইনজগে
পিনবিরো নিংথিবা নথোং থম্বাল ।

জলতি মরি ... .

মুমিংকী মৈশাগুম চাক্লি থমোইদা মদন মৈরি ,
ইংহল্লো মৈচাক পুম্বা ॥

ইতি চতুর্দ্দশ চাত্রে

পুক্রিং হুবা মান কোকন ব্রা অসি
হায়খি শ্রীকৃষ্ণনা রাধাদা
পদ্মাবতী মবুংঙো জয়দেবনা লেংজবা
ইশৈনা জয় ওইরি জগত্তা ।

আর্ত্তরি

নিংথিরা মাইথোং হায়রগত্তনা য়েংবিয়ু ,
হে রাধে অমুক্তদি শুযা উফুল হাপচগে কোক্তো

তালথা অনি

শাউবিগম্বু রাশিকে তপথবিগু ইবেন্মা ;
ভান্নুগী মখোমলোই ।
উফুন পক্তা শন্থোইবা কৃষ্ণ ইরাউ রাক্তনা:
মিত্তুগী পিরাংনা লুপ্লে ॥
ওইম চাওবী রাশে ; মানবু থাদোক্নুনা ;
কৃষ্ণবু কোনথংপিয়ু ।
চুরা পাশি লৌথোক্ল ; চরন্দা কংথোকচরি :
কৃষ্ণগী মতৌদো উরে ॥
রাধাগী মান থাদোক্লে ; কৃষ্ণবু চেংনা কোমলে ,
মানগী লৈচিন মাঙখে ।
রাধা বল্লভ দাসনা : খুনা চামর পাইদুনা ;
অনিগী শেখা চংজরি ॥

কুঞ্জ লীলা

সামগী ওইদা ভান্থোইরে সনাগী উরিনা য়েংপল্লে
অশংবা মনিনা তাংজবনি ।
তালে রাধা মথব অনিনা: ফুদোংবা সনা মচু হেনবা :
অশংবা মনি মচু হেনবা

শ্যামগী চক্তা লৈগী পরেংমি, রাইগী চক্তা চুক্তা পরেংনি ;
পরেং অনি হায় হমলক্লে ।
পুক্কিং খোইদু লৈহি পামবা ; অতৈ লৈহি পামদুরব্রুকো
চরণ থম্বামগী অমৃতদু থকউ ॥

— ০ —

মান শৃঙ্খলা

শ্রীবাসগী মন্দিরদা প্রভু ভক্তশিঙ্গা লোইনবা ।
অহিং চুপ্পা কীর্ত্তন তৌহুনা লেপ্পি সুংঙাইনা ॥
নোংঙালমদাইদা লেংলক্লে চেপনফম মন্দিরদা ।
শযা,খক্তা ফমহুনা হৌখিবা ভাগপু থম্লকই ॥
ওইনহুনা শাউবগী থাখল

গৌরচন্দ্রা — লোফা — মেনতালথা

কুঞ্জ কৃষ্ণ শোরজি গোরা হীরা হীরা কপলকই ।
গঙ্গাগা ইথোংকপগুম্বা মিংলুদা পিবা,ং শিংই ॥
সনা হুকচাংদা মনম সুংশিবা চন্দন লৈতোংখিরে ।
লৈমাইথক্তা ওথোইরে উফুম্বা পুমবাও থাউরে ॥

(থাঙ্গলা মরেক - ৺শ্রীগুরুময়ুম বাবুসনা শর্ম্ম ওঝাগুরুদগী)

মাইয়োং থাজ মকশিংনথায় শ উচনা য়া ঙাংখিদরে।
নোং পুংঙাল ঙাংয়বদা হৌগংলে শ্রীগৌরাঙ্গনা ॥
হকচাং পুম্বা থক থক নিকই চুম্না লেপ্পা ঙমদরে।
গৌরগী ওইনবগী বাখলবু শকটৈ বাঙ্গুঘোয়না ॥

চারি তাল = তালথা মরি

অঃ ওইনবগী য়াথঙ্গা গৌরহরি !
ও হকচাং পুম্বা থক থক নিকলাক্লে।
যনাগী লফু লাল্লাক খিনপওয়া ;
শ্রী গৌরাঙ্গদো পাউগলথী বাথঙ্গা লুপলেদে
ওইন চাওখৎপী য়াথঙ্গা লুপলেদো
মরিয়ে আরে ও মরি হা হা আ।

সূত্র = মারি

অহিঙ্গী মনৈদা লাকলবা কৃষ্ণবু উবদা য়াথানা ॥
হে মাধব নহাক্কী থমোইদা খুজিনবা মফম উবদা
এগী থমোইসে চাক্লে। কনাদবু হায়জক্লগনি
কায়ু নঙ্গী এগদি থবাই অমত্তনি থংবিগনি

তিন তাল অচৌবা

রাধাগী থমোইগী মাখল থাংজবদা মাধব ;
খোং শোক্লা লৈমাইদা অঙোইনা হাইজে ।

খুদেন অমিনা খোংদোন অমি পায়রে মাধব ;
অকু য়েনা হায়জবা থাংজবদা থংহৈবিরে মাধা ॥

আলাপ ; - থকু ন অমি পুক্লা তারে ; সনাগী অমান অশাংবা থমান
ওয়ে ও কনিযু ২ হায়রকো, অঙোনবগী মতৌগুম্না ।
তে , ন নঙ মাংই ন , ঐ এবু কনায়না চৎকুনি ॥

ইশৈ সারা

খুং পায়জনা চিংবা ; খোং পায়ফনা হাংজব,
মচৌশাগা লৈমবিদে, পাদোকংপরো শোকপিগন্ন ।
থাদোকপিরে নে ইনায়দবা তৌবরন্নু হে মধ। ॥

তারবদি ইন্দ্র কাংমনি মোবাক্শ নচেন্দ্রমা ।
চন্দন, হায়জরদা অংকৈদা প্রেম ফ চন্দ্রইন। ॥
ঐনা ব্রজগী মুনথোং খুদিংদা পাংকেল্লুনি চত্তমা।
ইকাই ওংকেদা নাগরদো মতাই পাংনদ হাইনা ॥

সখিনা হায়বা = বারি

ঙাকপিরু নিংথিবী মাধে; ইমাইদা ওম্দুনা;
নখোং পায়দুনা হায়জবিবসে মেংশিয়ুনে ।
অমাবা মতৌ মেংঙমক্রে থম্নাইগ হুকফাংগা ;
কায়নগরদোবা মাল্লে হে শকহেন্নবী শাউরমু
মখোং পায়দুনা হায়জবিনে শ্যাম্না হন্না হন্না ।

তালচপ

লংজবা পুম্বা ঙাকপিয়ুগম্বা মাধবপু ।
অপাম মুংশিনা থন্নবা মৌমবা শাম্মনি ।
অমাবা পিবিয়ম্নু যাপে মাধবপু য়েংউ ।
ব্রজ নিংথৌ মচানি মংরোল জহুম সুস্বনি ।।
মঙোন্দা যাম্না নোংনলুক্কা হায়জরেনে ।

বারি

মতম পুম্বদা চানবি হৈবী খোংলবা থমোইনী ।
লঙ্জমদা চংজরকপবু মোমোন দোকপা
মুংশিবা মিয়েংনা অমাধা কোকপিম্নু ।।

সন্ধিঃ— তালখা আন

রাধাগুম্ন থংনাই কলথী অম্না থিবা ফংদেনা ।
থবাই চাক্রবা কলাচান্দগী মিম্নাদা পিরাং শিইঙ্কে ॥
চেংঙ্গকপা পিম্নাংভনা মুংদাকাংবা মহু চেল্লি
রাধাগী অশাউবাব মচি ফাওবা লেংদেদনা ॥

মাগী থুম্না থম্বান্দগী চেঙ্গরক্লিবনি পজানা ।
শাওখিবনা মুংশিবা মিচিনা কাওবা য়েংখিদে ॥
ইকাইদেদা মুপী ওইবিগী পুকচেল কলমল্লি।

আরিঃ— রাধানা থওইবিদনা ইবদা মসগী মুংদেফম ওইবা ।
ইবুংগোদো মিংঙবদনা চংঙমদনা কুঞ্জদগী লংথোকমক্লে ॥
পিম্নাংতনা খুমখিবনা মিম্না থম্বানদো উখিনরে ।
মুঃ ফিগে শুজানা থৈতথোকই মাইথোং থম্বানদো ॥
ভংবাবনি ঐনা কম্না য়াম্না লংঅক্রমবা থংঅবা উমক্লে ।

তালখা মচা অক্রম ।

অহাবনি বাবয়েদা থংজবা ভয়জদরেসে ।
কম্রি লংজবা নৈমহুনা ঐবু য়াথদা হঙ্গোকপিয়ে ॥
কম্রি তোগনি কম্রি হাংবনি কম্না কুইনা কায়বনি ।

ঐনা হৌজিক কবি তোসিবা কদাইদা চৎসিনা থমদোনা মাধানা চানবিগদবা ঐহাকপু ।

রূপক

থমোইদা থম্বো পরেং লিকথাংনি ;
মেংউ লিমগী নি.খৌরেল মত্তেমে ;
মসি থম্মো অশংবগী পরেংনিনে ।
থৌম্লিদা হুগী মতাপবু মত্তেমেঃ ॥
যাবক চন্দন তৈবনি উকুন মত্তে ;
পৃরাগা কারমমবা কৃষ্ণ ঐতোম্বু ;
মহাদেবশি থম্বুনা অরাবা পিগন্নু ।
শাউহনা কাম্নমো ঐবু হাংকে হায়বা ;
মংবা ঐতোম্বু হোৎচিনলকপগাসে ।
হে শামবমা তাইবংপানবদু মতমা তবা ।
হে পুক্নিংদগী পোকনকপা হে কামদেবও ॥
যাংদা হৈদৌ মপানগী মশক ওইবা তেন ;
খুত্তা পাম্নবিগমু লিক্লং লিবি চলবিগমু ॥
বাম্বরবা থিবূ হাংপ্না কম্বি থিপা থোবপগে ;
শজি থিয়েং হেনবিগী থিচিগী তেন মপৈনা ;
থাবদা নামবা পুক্নিংসে হৌজিক কাওবদা,
থজিক্তবু ঐনা পোৎথাজবা তমজনদিযে ।

বার্

অংগোমদা মায়খিজনা ইবুংঙোমা চৎখ্রবদা
মবুংঙো উমবদা থজরবা পুবা মাংখয়ে ॥
সখিশিংবু য়েংলগা মা'সয়া প্রেম থমজুবগী মচৎ হৌমবা ।
মাপল তৌমা ওইমরুবদগী অশাউবগী মৈশা
থাংবা ওমদজনা শিংঙমদনা চৎশিংদনা মবুংঙো চৎখ্রবদা।
চাওখোকচবগী মাপল পুম্নমক মাংখয়ে ।
করি তৌগদি করি হায়গদি বাওাং খোক্কে ॥
মাইখোং লুকখয়ে মীৎলুদা পিখাং শিজনা
পঙ্গৌ খিনৈংগুম্না সখীদ' চিংমা চিংমা য়েংই ॥

তালখা মচা অহুম

রা'রী শক্তিগী মতৌগুম্না সখীশিংনী ;
মাইখোং চিংনা য়েংই কায়নয়বী মাধা ।
তেম্না থারবী শক্তিগুম্না মৈচাক থাংওমদে ;
মাইকৈ মরিদা য়েংই কায়নয়বী রাধা ॥
শাদানবগী য়ুমদা মুলবী শজীগুম্না।
মাইপৈ মরিদা চিংমা চিংনা য়েংলকইবে ॥
লসীতাগী লেংবান্দা তাহুমা মিংলুদা পিরা॥ শিংহরি।
মাইগৈ ভন্না চিংমা চিংনা য়েংই রা ওাংবা থোকচত্রে ॥

পদ

রাধাগী অহাবা [illegible]
ইবেম্মলগী তেমা [illegible]।
হে সখী হায়জকরে [illegible]॥
হে রাধে নিংখিবী [illegible] কা [illegible]
পুন্নমক্তগী হৈনিংনিবী [illegible];
মপা যা থাত্রে অমেম্মদা নংদ থাঙ্কবেদো।

মেন = তালচপ

ওইদক্তহুমা কৃষ্ণি খোংক্লেদো;
পামজবা স্বরূপ মাংখগেদো।
শাউক্লহুনা কৃষ্ণি থোক্লেদো;
সুংশিবা স্বরূপ কায়নগেদো॥
শকক্তবী কৃষ্ণি অহুক চাওখোকনুৰি।
লাগে থংনা হায়জরকাওবা হমা যেংদবা॥
হুইনা শাপৎচবা প্রেম কৃষ্ণিগী থুগাইবি।
কমহৌবা ঐ মতায়বে ঐখোয়দি চংলগে॥
ওগো রাধে শাউবা রাবা মথৈ শাউহৌবো।
শাউগলবী চাওখোকপী ওইহুনা থৈহৌবো॥

ধৌবু কপাহহুৰদি অশু সঙ্কীর্দ খোঙ্‌ইদে ।
খুদক খুদক্কা মহৈ খুনা ফংবা নাকা রাধে ॥
তোল্লি তোল্লি শাউগনা মগী মং অশা উৰগী মুংশিং ।
গোকুলই থাজ কার মরান লৈহনা থইথিবা পিরি ॥
মতম কুইনা খুত্তা পায়জবা নন থং'হৌদনা ভাখরে ।
শ্যাম রানা ভাঙ্গুবা সন মতম ইলাংসু হনা মাংখরে ॥
লা মরু ফাওমত্রবা মনি নাইনা চোংনা ফাংজরম্বা ।
চেকশিন্দবরগী থংহৌদনা মাং চাংদ শংবা মনিদো ॥

সারা

ওইনচাওবী ওইনহুনা লৈহৌরো এখোইদি চেনে ।
চাউথোক হৈবী ইবেম্ম, নঙ্গী মাননে তোল্লি তোল্লিদা ॥
রানা ভঙ্গবা লনবু থোঙইদ্রবদি মাংবা ভাবনি ।
তোল্লি তোল্লি অশাউবা শকথিবী কনানা ভম্বিরিবা ॥
ভম্বিরিরা মহাকম্ তোল্লি তোল্লিদা পংমনজিদা ।

রাগি

চাউথোকলুবনা কঙি থামবা রানা ফংজবা বংশীধারি মাংখরে । চেকশিঙ্গা মতম ফংই থোঙাইদগা মনি ফাইন মাংই ॥ সমুদ্রগী ইচেনবু নঙ্গী অশাউবগী লৈতোইনা

কয়া চুইনা থিঙনী। কোকথক্তা থুং হাপগু না ব্রজগী লম্বী
লম্বী থুদিংদা কপ্পুনা চংলিবসে য়েংহৈত্রে মুপী ওইবী থংমাইং;
ওকইদা কলমল্লিদা কলমল্লিবা পুকচেল কনানা ভক্তিবা॥

মেন তালচপ

পুমহংলিদা ইতা ঐগী থবাইসে তপথবা তমদরে।
গোকুলগী মবুংতো শ্রীকৃষ্ণবু হৌজিক কাওবা নিংউদ্রে॥
নখোইগী অকবা বাহুবু ঐনা তারুদরে।
মাধবনা হায়জবা পুম্বা হন্না য়েংল্লদরে॥
চায়বনা হন্না হন্না হায়জরু-া ফাওহদা।
ঐনা মিচিনা কাওবা হন্না য়েংবিরুদ্রে॥
অম্বাবনি গুন পুম্মকী তুংনকম ওইবা চায়বগী।
চংলমদাইদা চরন থম্বানবু মায়োক থম্বান্দা হাপচকৈত্রে॥
তকশমদা কৈজোমগী কিজি য়েকনুনা অতোনবদোনা।
তাকপিয়ু ঐহাক লাল্লে রাধে হন্না হন্না হায়জরুম্বা॥
ইতা অশিংবা নখোইগী অকবা পাওতাকপু লৌরুদ্রে।

সারা

ইতা কায়দা মৈনা চাক্লে ল মৈম্মে চাকপগুম;
অকংবা বন্দা অহৈংবা ঊশিংনা কববা
তমদবগুম্না চাকলক্লে ঐবু॥

শ্লোক

অযাকপা অখানবা উমলেনবা য়েহত্তুমা খুইচিল্লপা থম্বানগুম।
লাইমনা কোইন চাকশিল্লকপা মাদা ব্যাধনা তেম্বা
তম্বা শজিগুম্লে বথা।

সারা

কায়না মৈচাওসে শাংগুমদবে খিশাখা ;
ঐনি শিখিবনা যম্বনি করনি করমি ॥
থরাইসে পুক্মদ র চংগ্রে থরাইগী মপু মাক্তা।
থরাই য়াওত্রব ঐগী হকচাং পোলাংদা ॥
লবাইদা ব্রজনা তাংবদা খনপাক্কা কদৌকনি।

শ্লোক

হে সখী নখোং পায়খ্রনা হায়জরি ঐবু লংথোকপিরম্লে।
ইপন্থা কমদ চংজগনি; কাকথক্তা ভ ংকপা ব্রজবু
চেকশিন্না করিনা চাক্কনি।

সারা

থং ইগী মথুংগী নত্তন; কনাদা চংজকগনি ঐনা।
ঐবু চানবিয়ুনে নংগোই পুক্নদগী খোং পাজরি ॥

লাইবক থিরবী রাধানি বহ্নাইবু অমুক্তা কৌন্দিক্ক ।
ঐগী অণংবা মনিমু ইথুক্তা অমুক্তা শিন্নবিয়ুগৎ ॥
ঐগী মাধব অমুক্তা পুন্দিরকত্ত ইথুং অনিংা যাগী
তত্তাংলবা রেন সেবা কাংজগে তইদা অমুক্তা পোৗগজগে ॥

মাবু ময়ামগী মবুংতোনি পল্লুরে ঐনা ।
এতগী ইবুংঙে নি ঐগী চাম্নবনি থল্লুরে ॥

বারি

রাধাগী মোল্লুকপা রইহে তাবদা চংথরে শ্যামগী নাক্তা
মুতৌনা । হৃজৌবু লাপ্না উংদা মাধবনা ঐবু চালন্দিপে লাকপরা ॥
রাধাগী নোল্লুকপা রাহৈ অহু তাংলবদা ঐবু চাম্নবিয়ুগনি
থৈঞ্জে । হরাওনা সথাগী তুং ইন্দুনা লাকৈ; মবেম্মগী হেংনা
নোৗরবা তত্তাংলবা চয়ন উজরনি থঞ্জে ॥
অমৌবা ফুগাইনা শাংলরঃ থম্বান লৈকাদা চেপ্তুনা লৈরিবা ।
মাইথোং থাজবু উজরনি হায়লা হরাওনা চংজরকই ॥

তালচপ

মবুংঙো লেংলকই সখীগা তাবদা রাধা ইত্তক তকরে ।
ইকাই মুংশি রামতুনা হন্না মুক্তা রেরে ।
মুংবংনমা লৈরে ॥

খুবাং তরা পোংহুনা নাগর নিক্ত তেংজুক্না হায়জরক্নে ।
খুংশিবা মাইথোং থাজ উজনবা য়াম্মাইক্তী অমম্বা কোকচগে ॥
মান ভিক্ষা পিনশিয়ু চাউবিয়ো রাধে শ্রীরাধে রাধে ।
কিপাও শাক্তনা নিজরি ভিক্ষা চাপ্নিরগবা নিজবগে ॥
থিংজগে নবাইশ বলহিয়ু অমুক্তোটি ভাবপিয়ু রাধে ।
কুইনা নিংজবা যাবা খজব দিংজকবা পুখা মতৈ য়াম্লে ।
কদোক্লনি যোগি ওইক্লনা ভিক্ষা নিবা কৌহনা চংলগে ॥

ঝাঙ্গা — সারা

মাইথোং থাজ উজগে রাধা নঙ্গী খুংশি মিনোক্না য়েংবিয়ু ।
নঙ্গী খুয়া থবান উজুব লৌজগে নিজরি পিনবিয়ু ॥
অশাডবা থাদোকপিরো মোমোম নোক্লা চান্না খুংশিবিয়ু ।
থমোইগী অমম্বসে কোকচবগে রাধে রাধে রাধে ॥

রূপক

নংনা বা থজিক্তং ভাংলকপদা; তাংবা য়াতোনগী থাবনা ;
পুক্লিংগী মিপাইবগী অমম্বা মংহল্লি ।
নঙ্গী মাইথোং থজাব্দা ; ভাংলমা চিনজাকপী অমুক্তং ;
থক্লিংবগী পুক্লিং নোংজৈনা পামহল্লি ॥

সারী

হে চান্নবী লমচং কজবী মমম্ন লৈতনা শাউবনু তৌবিয়ু ।
নংনা শাউন্নবদি কামগী মৈমা চাকই মাইথোং থম্বামগী
লৈহি পিথক্লুবা ঐগী পুক্নিং ইংহল্লু অম্বা মৈচাক কোবকল্লু

মেল তালচপ

কামগী হুবু মাংহনবা ঐগী কোকী লৈতেং ওইবা ।
মথোং উনা অনৌবমু ঐগী কোকথক্তা হাপ্পীয়ুনে ॥
ঐত্তোম্দা থাংঙমত্রবা চাক্রবা কামগী মুমিংনা চাক্রে ।
মৈশান্না বাহনবা অম্বাবা পুম্বমু ম'ংহল্লু রাধে রাধে ॥
নংনা ঐগী লৈতেংনি থবাইনি মংনা ঐগী পুক্নি লম্নী ।
নংনা ঐগী তাইবং ইপাক্কী অথোইবা মনি মতম্নী
হে হে হে প্রিয়ে ॥

সম্ভোগ

তালথা মচা অহুম

হরিগী মাইথোং থম্বান লৈহি খোম্বাংবা য়েংই ।
খোইমপা মুংশি মিয়েংমা মাইথোং থাজ য়েংই ॥

উবদা রসগী মবুংডো পাম্বোম থৌরিদা কোইশিল্লে।
থাজ হেন্নবা মাইথোঙ্গী মুংশিবা মিয়েংদা পিদৌ হে রাধে।
থুম্নবা রাইহ মতেক মতেক মুংশিনা হাযবিয়ুগবা।
মিস্না থম্বান্দগী চেম্বরূপা প্রেমগী ইচেল মরিক্রা॥
ফিজেৎ লৈতেং মমথাং পুম্বা য়েংউ লোইনা পুমচোৎ চোংলেমে।
ওইনরুবদগী থোক্লরূপা অম্বাবা পুম্ব কে কথরে।
লুববা রস সমুদ্রগী ইরোনবুংদা লুপথধরেরে॥
চিক্ক কুঞ্জ ইচিক ভনথরে ডাইবং মঙ্গল পিবিরে।
অম্বাম্বদা লৈজহনা নরোত্তমদাসনা লীলা য়েংজরি॥

সনাগী থম্বান অশংবা থযান;
থযান অনি ফজনা পুন্না শাংলে।
অশংবা মনি সনাগী মনি পুম্ন ভালে॥
ফুদোংবা সনা হেল্লি অশংবা মনি ভংজৈ;
শ্রীরাধা মাধবনা ভালবিরার॥

স্বাধিন

তালথা অষ্টম মচা

রাই কানু অনিগী নিংজবা মপুং ফারে।
মাইথোং থাজ উনবদা প্রেমগী ইথক হোরে॥
অনিমক্কী ফজবা লৈতেং মপুং ফাথরে।
মিংকা মিংকা চানবদা মুংভাইবা ইথক হোরি॥
অনিগী প্রেমবু উবদা সখী শং হেক্না হরাওজৈ॥

হায়কবা চালি — তিনতাল

খুরুমজরি রাধে কৃষ্ণ পিনখিয়ু নম থম্বান ।
পুক্সিগী ম.. ওইজগে ভক্তাংশবা চরন থম্বান ॥
শ্রীনন্দগী মপা'র ব্রজবাস শিক্ষা থরাই ওইবা ;
রাধিকাগী চায় পাইবা ।
ব্রজগোপীশিক্ষা শাউংলিঙ্গ বৃষ্ণগী ওয়িং মুমহংলিবা ;
সগগী লাইরেংশিং ম নঙ্গী ওঙ্গন শকনরিবা ॥
নঙ্গী নত্তিক নশাং ; মগী গৌর সাংখ্রীনা শকুরি ।
চালবা হৈবা রাধে শ্রীরাধে ... ।

মনশিক্ষা — পুরিং মরক

শোল্লু ভক্তনা হরিগী মিংলেন থাজনা ।
লানগনি শোইরোই তাইবং ইরেল ॥
কমানো মাইফবা কনানো অত্তোমবা ;
নোংমদি শোইরোই লোইনা মাংখিগনী ॥
অচোবা থাইরোই অজেংবা নাইরোই ;
লাকগুমদ্রবা য়েক হৈবি পুখি চুপ্পা চাক্কি ।

শ্রীধনঞ্জয় ইজরা হৈশে ।

আশংবা প্রেমগী লাইজতনা মুংকমি লাইরম যৈরি ॥
প্রেম ফংনবা শোল্লু হরিগী মিংলেন ;
প্রেম ফংলবদি নৈহাক্ল নৈল্লোই ;
মেক্লবা ভক্তকপু চংবা ঙমলোই ॥



অদ্ভুত ভোজন

তাল অমা

মতম কুইমদগী পিনত্রিথবু শিখিগে হায়বা শায়োমশিংদা হুমিদা। লংলথা অবোইথা বুগনা মাপী গুইবা ভক্তিগী নইরবু শিশিগে হায়দা সনাগী কুচুবু ওমজবা ফজবাঙ্গওালগী মপেনা থিল্লবা অবোইবা। মতম পুনমক্তা থমোইল্লুংদা শচীগী মচা ইবুংগু মা তালেবিরলমু।

অলং = অমুম্না পৌজাল হৈবা অকৈ অহৈদু;
যুগ যুগ পুংদংলমু লৈখিদরি;
অম্ভুমা পিনহৈবা ওতৈ হৈদুনা।

তালথা অনি

সবাদগী লংনা ফজবা গৌর জিব পুবগী পুরিং হুবা।
অমুতনা থলবা ফজবা পুমমক্তা থিল্লবা শকুম॥
যৌনা থোংনা মেংলবা কাম কৌবা লাইমুরা বল্লবপা।
জগোইগী গুরুনগা থাজ থমোইদা তালবিমসমু॥

লোন ৺শ্রীবাবুসনা শর্ম্মা ওঝাদগী বঙ্গলা মনেখ পদানি।

শ্লোক

কনক রুচির গৌর সর্ব্ব চিত্তেক চৌরাঃ।
প্রকৃতি মধুর দেহ পূর্ণ লাবণ্য গেহ॥
কলিত ললিত রূপ ক্ষুদ্র কন্দর্প ভূপ।
স্ফুরতু হৃদি নতেন্দ্র শ্রীনবদ্বীপচন্দ্র॥

তালখা অনি

খুরুমজৈ হে নারায়না হে মধুসূদন।
খুরুমজৈ শ্রীগোবিন্দমবু বাংনা থঙ্গৎপিবা॥
খুরুমজৈ যদু শাগৈ অথোইবা জগৎকী থবাই।
খুরুমজৈ জগন্নাথ জগৎ লাইনা লাঙ্গবিরিবা॥
যশোদাগী মচা অরেপ্পা গুনগী মশক হুইদ্রং।
শাক্ষি থমলি লৈরি ভৃগু মুনিগা লেংদনা হৌ কম
শ্রীবৃন্দাবন্দা কুঞ্জমলৈগী বন্দা লৈন্থি পাম্বা কাংবু।
খোইমুশিংনা দঙ্গী নগুন তত্তনা শরুা শোয়রি॥

থারি = ঠুংগরি

খুরুমজরি শ্রীচৈতন্য খুরুমজৈ শ্রীনিত্যানন্দ।
খুরুমজরি শ্রীঅদ্বৈত প্রভু গৌর ভক্ত অপুম্বা॥

চাহি কুমমরি শুবা ফাওবা শ্রীধাম নবদ্বিপ্তা ।
ভক্তশিঙ্গা লোইননা হৌখিবা লীলা শাগ্নে হয়াওবা ॥
চহি কুনমরিগী মুংদা য়াকচিং থা চংলকপদা ।
পানথংলকপা সংক্রান্তিদা সন্ন্যাস ধর্ম্মবু লৌই ॥
সন্ন্যাসি ওইরগা প্রেমা ভাইত্তনা বৃন্দাবন্দা চংলি ।
রাঢ দেশদা মুমিং হুম্মি কোয়না চংলকপদুদা ॥
শ্লো'ক নামবু শোন্দুনা অশেংবা নৈনাক ওইহ'ল ।
নিত্যানন্দ আচার্য্য রত্না মুকুন্দ অহুম অসিনা ॥
প্রভুনা লেংখিবা খে হুন লিহুনা খোগান তৌমবই ।
যনশেল নহাশিং মরাম্না প্রভুবু হেক উৎদা ॥
হরি হরি শোল্লি খোঞ্জেন বাংবা তত্তনা ।
তাবদা প্রভু তপথবা তমঙ্গে মনাত্তা চংলক্লে ॥
মাগী মাগী মকোক পায়রে শোল্লু শোল্লু হায়রক্লে ।
মমাম্বৎ থাগৎচরি ঐগী মপোক মহৈ য়ানহল্লে ॥

তালথা অহুম অচৌবা

মপোক মহৈ য়ান্হল্লে ঐবু হরি নাম তাহল্লে ।
থুম্নবা মিংলেন তাবদা ঐগী থবাইসে ইংজল্লে ॥
হায়গী মিংলেন তাবদা মপোকসে মহৈ য়াঙ্গমে ।
কলি যুক্তা মিংলেন শোনবা নত্তমা অতৈ নৈতরে ॥
নখোইনা ঐতোম্মা তাংলবা লনবু শিনবিররে ।

মখোইদা ঐমা করি নিংথি পিবিজুই হৈলতারে ॥
চংশিনকউ শজাংশা ঐনা নখোইবু কোলবিগনে ।

মারি

খননেনচা নিংনা হরে কৃষ্ণ হরে কৃষ্ণ শোল্লিবসি শ্রীনিত্যানন্দনা হায়া চথকুনা তম্বিবনি। হে জগোশা লৈবোইবসিনা ওইদুনা অংগোঙ শাবগু মাম্না ফজবনি ॥ মথোই মাইবগী বৃন্দাবনগী লম্বি হংলবদি শান্তিপুরগী হিদেন ভাবা লম্বিংসিদা তাবলবউকো ।

ঠুংরি

শক্তি মমাগা উনবা শ্রীনিত্যানন্দগী খোরংথি
অসিদগী অচায্যা মহুবু থাগৎনা শান্তিপুরদা ॥
অদ্বৈতদা প্রভু লেংনরক্লে হি পুমুমা থংনা ভক্লারে ।
ভাবয়নগা নবদ্বীপ ইমা শচীদা হকুংলু ॥
প্রভু লৈরে শান্তিপুরদা হকুংলুরো ইমা লাক্লবা ।
অচায্য মহুবু থাগ্রগা শান্তিপুর হিদেন্দা লৈরে ॥
অশোমদা অচৌংশিংনা তাকললকপগী মতু ইমা ।
গঙ্গা তোৰ্বাদা লাকপনা শান্তিপুর হিদেন যৌরক্লে ।

হৈশে লোক্কা

প্রভুনা হায়রকই শ্রীপাদদি বদাইদা চংলিবনো ।
শ্রীপাদনা থুমহৈ নংগী খোংগদি বৃন্দাবন চংপদা ॥

কল্লিগী নথন্তা চৎকনি মধুর বৃন্দাবন চৎপদা ।
প্রভুনা হংই বৃন্দাবন্দো কয়ায়াম লাপ্পা লৈরিংদ্রে ॥
শ্রীযমুনানা কদাইদনোনে ফজরবা বৃন্দাবন্দো
কদাইদনো চিঙ্গী নিংথৌ ফজরবা শ্রীগোবর্দ্ধনবু ॥
শ্রীপাদনা থুমলকই চেল্লি ! অসে শ্রীযমুনানি ।
মাংদা চেল্লিবা অসে য়েংউ য়েংউনে কালিন্দি যমুনানি
থোইনা লাপতরেঃ মুমিংকী মচা মাইবক ফবানি ।

রাগ — ঠুংরি

অংম্না শঙ্খপদ্ম গঙ্গাগী চপাতা য়েংলে
প্রভুগী বাখল্দা গঙ্গাবু যমুনাগী শলখরে ॥
হে লাইবক যবা উজনা ফংজরে মইত্তে খ্বাংরে
অসুম্না গঙ্গাবু হুবুরগা শেংনা হুকজরে ॥
শেংলিবা ফিজোলনি অনি শুদ্ধ কাল্লে শেংলিংজদনি ।
মতমসিদা আচার্য্য গোস্বামী হি হোংহন্না কাল্লেনে ॥
অজরবা বাহিরবাস কৌপিন অথাং পুরক্লে ।
মাংদা লেপ্লগা আচার্য্যনা প্রভুদা থুকমইরে ॥
আচার্য্যবু হেক উবদা প্রভু খুমিংদা চিংনবেন ।
মহাক অদ্বৈত গোস্বামী নত্রা অসিদা বরিগী লাকই ॥
ঐনা বৃন্দাবন চৎলি হায়বসি করম তৌনা থংই ।
তাবদা খুমই হুবুংডো নংনা লৈবদো বৃন্দাবনি ॥

ঐগী লাইবক ফবদগী গঙ্গা মপান্দা উকরে ।
সন্ন্যাসী শক্তম উবদা মিংনুদগী গি শিঙ্খরক্নে ॥

ছুই তাল

হায়রিয়ু শ্রীগৌরহরি কৰি থন্দুনা চৈশু পায়রিরিবা ।
মশাং কোকথোক্নে সনাফিগে শেত্তদে মুরল পায়দরে ॥
অঙকাপনি ডর কৌপিন বাহিরবাস থোনখিররেনে ।
প্রভুনা হায শ্রীপাদা অঙাংবি হায়দুনা নমহৎপিরে ।
যমুনানি হায়জিন্দুনা গঙ্গাদা যমুনা স্তুতি তৌরে ॥
ঐহাকপু নমহত্তুনা গঙ্গাবু যমুনানি হায়ন্দ্রেনে
অঙাউন্দি য়াম্না মিনম; ঐবু শ্রীপাদনা ভাউহাল্ল ॥
যাহ্নবীবু কালিন্দীনি দিমদুনা হায়ডংগিরেনে ।

বারি

চাখৎসা হায় ইবুঙো শ্রীপাদনা কপিংঙা ফিংমাদ ।
হৌজিক প্রভুনা চাইথখিবদো অশেংবা যমুনদনিনে ॥
যমুনা গঙ্গা ঈচেল অমত্তন নোংপোক্তা গঙ্গানে চুপ্তা যমুনা ।
চাইথখিবদো নোংচুপ্তুনি যমুনাদি লান্দে হেংবা ঙুঙাইরেনে ॥
অচোংপা ফিজ্জোন হাংদোকপিরো অহংবা অকংবা বচ্চরনে ।
ভসি হুমনি মরিনি শুনে ব রনি ডসিদি ঐগী ভিক্ষা পীবিরে ॥

নিংতাই অমুক তৌরম্নু নিকুঞ্জ কানন চংলমদাইদা ।
অসুম্না থেংনৌই চিংবাই পোত্নুনা হিমুংদা পুথরক্লে ।
ইয়াই গৌরকপদা মবুংভোগী থেম্না ফজবা শক্তম ।
উকবলা হিদি হোঙ্গ্রকনা পাম্বোম অনি বাংলা থঙজুনা ॥

ঈশৈ -- চালি ।

জয় ওইহরি শ্রীকৃষ্ণ চৈতন্য প্রভু পোক্তান হৈবা ।
তোল্লববু চালবিহৈবা হন্না হন্না খুবংমজরি ॥
নংনা চালবিদ্রবদি কনাগী চরন্দা চংজগানি ।
হা চৈতন্য হা চৈতন্য কদৌমুংদনো চালনিবদো ॥
নিংজবসু হৈজদে চাসারয়ুক্নো চ জফম থংজাগে ।

রাগরি

অসুম্না মবুংভোগী ফজবা শক্তমবু উবদা পেনবা নাইদে ।
শীতা ঠাকুরানীচিংবী নৈনংবী ময়াম্না ওকলংই হিদেন্দা ॥
হিদগী কাখত্তুনা য়ুম য়োম্বে অরুবা ঈশিনা খোং হামদোক্লো
ভক্ত ময়াম লোইননা রারি শাত্নুনা চংজাইনা পোংথারে ॥
অহানবদা শীতা ঠাকুরানীনা রসই হৌগত্তুনা থোংলে ।
শ্রীঅচার্য্যনা চংশিন্দুনা মথেন লুকাই ফজনা হৌরে ॥
লোয়রবদা ফজনা থেনগত্তুনা শ্রীবিষ্ণুদা লুক কৎলে ।

তুলশী মঞ্জুরি অহুম ভাগনা মথেন খুদিংমক্তা ফজনা ॥
গঙ্গাগী লুরবা ঈশিঙ্গা লোইশনা সেবা লোইরবা মতমদা ।
অরাংবা কৎপা মতম এইরে হায়না প্রভু অনিদা হঙ্খৎলি ॥
প্রভুগী লোইননা ভক্ত বৈষ্ণবশিং আরতি সেবা য়েংজরি ।
আরতি উবদ গৌর নিতাই অনিনা মুংডাইবা চাখৈ লৈরক্তে ॥
আরতি লোইরবদ পরিক্রম তৌরগ ভক্ত বস্তুনা পোৎশাংয়ে ।

ভাগ জমা

লুকলেন পেনখনা শেম্নগা প্রভু লুক হানবা হঙ্খলে ।
লেংশিন্নু আসন্দা প্রসাদি মথেন য়াম্নেদা যংনা ভমলোই ॥
আচার্য্যনা খুৎ লোইন্নে ভৌবন্ধু নৈবাদা ভগজবা থরদনিনে ।
অনি হায়না প্রভু অনিগা থুত্তা লুরবা ঈশিং থাদ্বনা কৎলি ॥
হরগুন মোনোন নোক্তুনা মুংডাইরে সেবা ফংজবা হাবিন্নে ।
নিত্যানন্দনা শুক্তোক্তুনা চারা মতাংক চারক্তুবা চারা হেন্নবা ॥
তুসিদি আচার্য্যগী বাক্তুন্নি চারা মরাম শিঙ্গন্তুনা পেন্না চারম্নি
হরাওনা থন্দুনা লাকচবা প্রসাদিসিদি চথোম অমখন্ত নি ।
চাদবনা কৈ হেন্না ব্রানবনি পূক ভস্মাইরম্ন য়ৌরোই বদোরুনি ॥
আচার্য্যনা হায়রিজে ইবুংঙো নংদি লম্বোইব তীর্থচৎপা ভগাইবনি;
করিগুম্বা ফংলগা উইহে বাইহে মনা মপান চাবা ফংদ্রগা তোকপি ॥
ঐাদি লাইরবা ব্রাহ্মণ্মি ভমজবা চেং খুজোক অমত্তা হৌজবনি ।
য়াম্না লৌনিং চানিংবা থাদোকপিয়ু থরদ সিমা পেনবিয়ুনে ॥
অম্মুম্না লংন লংনগুনা প্রভু অনি হাওনা পুরিং পেন্না প্রসাদি যংই ।

আচাযাগী অহংপা মথেন খন্দুনা হংগেৎনা মপুং ফাওবা মাংই
মমাংগী সেবা ফংদনা হৌবা ওইরে ওভুক পুম্নি পেগ যাই
নিত্যানন্দন চংয়ুরকই ঐদি পুবগে থাউদ য়োৗেনা।
অঙুম্বু শিজন্নবা চিংথোকথ্রো নঙ্গী চালুক অসে॥
চথোম অমা পায়থৎলগা চানিংগে শাউদুনা কংখাউরক্রে।
আচাযাগী মশাদা চক অমি মরি পান্দুনা পক্লুনা হেনরে

তাল অমা

হরচাংদা চাক পকললদা জগোই শারক্লে।
অদ্বৈত হরাওন খুবাক থুডবা তাল থারে॥
অহাউবগী লশাক ঐগী হকনাংদা পানলে।
ঐসে যাম্না লেপ্না ওইদে চীচাক লেপ্নরে।
এনা বওনা পচ্ছগী মহ ঐনা নাংচরে।
শারে নাংত হানবা যরোসনা অচাউবান॥
মংনা চোউনহুনা পুনসে চুপ্তিকচেপে চাবয়ুমা।
ত্রাক্সাদা পুথ পি চাইশনবা বাংমন্না দিগরে।
নিত্যানন্দা চাযাকই শ্রীকৃষ্ণগী প্রসাদিবু লংবা।
পুথাবানি হান্নরবনি য়াম্না লাউদ্রে মাহা অপরাধনি।
লখোইহবা বৈষ্ণব চাম্বনু প্রোসাদি সেবা তৌগদবনি।
মচুম ভৌরবতদা চরাল অপনুনা হংজবা কে হমি॥
ঐদি মপোক অসিনগী লখোইনা বার্তন তৌরেই।

[illegible] ॥
[illegible] ।
[illegible] ॥
[illegible] কহেন ।
[illegible] বলে ।
[illegible] ॥
[illegible] ।

[illegible] :—

[illegible]

[illegible] ।
[illegible] ॥
[illegible] ।
[illegible] ॥
[illegible] ।
[illegible] ॥
[illegible] ।
[illegible]

[illegible]

[illegible] দিয়াছ [illegible] ।
[illegible] ॥

ইমা গৌরহরিগী শান্তিপুরদা লৈগৌরেমে।
করম্না হকর্ৎসগে শিন্না সুত্র থাদোক্লে লম্বোইরে॥
লৈতাং শংবা ফিজোন খুত্তা চৈগুরুবি খুজাক্ত পাইবে।
ইমা কৌগে লাকনি লাম্বাংরে সুমদা চংবা য়াদরে॥
তাবদা শচি য়াথরে থাওমদরে হিক্কা বিক্লা কপলক্লে।
নবদ্বীপকী মীয়াম পম্বা ওইদুনা লমন মুপী মুপা॥
অত্তাং ফাওবা দোলাইমচিংবা তেংওনা লোইনা লাক্লে।
বিষ্ণুপ্রিয়াদি লৈমাইথক্তা হা প্রান নাথ হায়না হায়থারে॥
চংনবিগী থাংমদা অমদি মবুংহোংগী নিংথা কায়রগদ্রা।
থজ্জ্বনা থোংজিন পায়দুনা কপ্পুনা থাংওমদনা য়ামা লৈহৌবে।

তালথা অহুম অচৌবা

কপ্পা কপ্পা বিষ্ণুপ্রিয়া লৈমাইথক্তা হায়থখরে
উফুম থক্তা থরো থরো ওলে।
অয়াবনি হা গৌরাঙ্গ করি ওইরসিগেনে।
অয়াবা ইপাক্তা তাওরে কোবথক্তা ব্রজ তারে॥
অচাকপা মৈদা ঘি হৈবগুম থোইমা চাক্লে।
বিষ্ণুপ্রিয়া মপু লৈতবা লাইবক থীবা ওইরে॥
বিষ্ণুপ্রিয়াবু করিগী অক্লুক মুংশি হৈত্রিবনোনে।
মীপুম খুদিংবু চাসবরগা ঐতবুদি চালবিজিবা॥
থয়াই থাথিনা ফরগনি হিংলুহুনা করি কায়গনি।

অ'কাণ নিংথাইদুনা হিষ্ণুপ্রিয়াগী কোক্তা থাক্লিবনোনে ॥
ইকোক কাইদুনা শিবনা ফগানি হিংদুনা কাম্রে ।
অশুক বাগদোবা নুপীগী মপাক কাৱৈগী শেন্থিরিবা ॥
বিশ্বি নংসে ওয়াঙ্গ ক্লাস্থ থুংশি থংথিদ্রেদবো ষ্টিয়া ঐভোন্দ ।

মেন

কাইন মৈনা চাকক্রে পাপ চেনবী ঐগী থমোইদা ।
থল্লু থল্লুরগা প্রানসে ঐহাক্তি পুথা ওমলজংরেদা ॥
ঐগী তুং মাং অনিমক্তা থল্লুরগা ওইরককদৌবদো ।
শো'ন্ত্রবী ইমাবু হুন্দোক্তুনা তোন্নবা মনাইবু থদোক্লনা ॥
হায়য় কনাগী থোইজশিন্না নন্যাসী লেৌদৌরিবনো ।
থাজবা ডমদরে করি বাথমো বাথনঙ্গ মবুংজো গৌর ॥
ফংলমোইদো চরন সেবা উবমোইদো নিংথবা মাইথোং ।
নঙ্গী খোইখোইবা শমলাং পুম্বা লোইনা মাংপ্রগনি ॥
বিশি নংসে ওম্বোক্লা থুংশি হৈতেদকো বিষ্ণুপ্রিয়া ঐবু ।
হৌজিক থবাই থাদোক্লানি ঐবু কনানা কলবিগনি ॥
চরনদ্রী থুরুম চাক্লবা থনাক্তা থম্নগা শিদোকনি ।

ছোট চারি তাল

মমম মুংশিবা ত্তক্রবা চক্ষবু কনাগী হকচাংদা তৈরুগনি ।
ত্তপ্পবা পামা খিলিবু কনাগী হকচাংদা তৈরুগনি ।

লৈংজক্কবা লৈপাকোং অসে কনাগী ওক্রা হুন্দুগনি ।
ঙমখাবগী পুক্নিং মমগুম্বে কদাইদা লেংখবে সনা মচু গৌর ॥
থজবা মমনবে কারি থাখল্লো থাখনগী সমুদ্র ওইবা গৌর ।
কারি থন্দুনা কারি বাখদগী কবগা লম্বোইগদৌরিবনো ॥
আ যাংরে ....

লোক্কা

বিষ্ণুপ্রিয়া ঐবু বিধি নংনা লাইবক থিবী ওইহনরে ।
ঐগী থবক থাদোকলগে কনানা ঐবু কলবিগনিমে ॥
মহদ্ধি পকা মায়াম পুবা যজবা মাইথোংদো উহৎনি ।
লাইবক থিবী হুরংনি নিংথিবা মাইথোং উহেন্দবা ॥
থমোইজুংদা চেন কোঞ্চুনা হাগৌর শোঙ্গংগ থরাই থ চরগে ।
মমোগী মতৌ য়েংবা ওমত্রে কপখিবনা শচী খোং থাংবা লেংক্লে ॥
ঐবু কবি ওইরসিগে মাতম্বা লৈহৌনা তারে ঐগী ইমোসিবু ।
করম্না খোং থাংদুনা চৎকনি লৈহদা মুর্পাগী মপো কসে ॥
শচী ঐনা থুনা লাকনি গৌরবু উৎনগা শান্তিপুরদা ।
ঐগী নিমাইনা নদিয়াদা লৈরোইদোবা ওইরবদি তেংনা ॥
লৈরুদনা কারদে ইনি ইমৌপুম্না থরাই পাদোকনি ।

রারি

অন্নম্মা প্রিয়াবু খেম জিল্লগা ময়ামগা লেইবনা চংরে ।
শান্তিপুর যৌরকলবদা মীয়াম্না শচী লাক্লে নিংরক্ক ॥

আদ্বৈতনা চেপখৎলক্লুনা শচী ইমাবু তমাম্না ঙকলক্লে ।
প্রভুনা ইমানা ইন্থোকজবদি কৌখৎপিনবা কনা লৈত্রে ॥
ঙসি থংহনা চেক্লে ক্লুন শচী ইমাগী চরণ কোন্দুনা ।
দণ্ডবৎ তৌনা নমস্তু তাকপিয়ু হায়না কপ্পুনা তুখরে ॥

তালচপ

কপ্পুনা হায়রকই শচী ইমাগী ইবুংঙো নিমাইগি ।
লৈবু করি ঙক্তরসিগে লাক্লো লাক্লো ইমা বোনগে ॥
ইচাগী মুখ লাংলবা শমজাং কনানা কোকথোকখ্রে ।
চেকলবা খুৎলা কনানা কৌপিন বরম্না শেংপিরিবা ॥
কঙ্গ সানা নিংগে কৈজোম্না বদ ইদা থঙ্গ্রবনো ।
ডর কৌপিন মস্তির খাসনা কানানা কমদোংনা পিরিবা ॥
গৌরাংগী কিজেং ইমা দি য়াম্ম য়েংনাংখিদ্রেদা ।
নমশো নিন্দকপাষণ্ডী য়াম্না ধমোই কনবা ভোগম্লুকো ॥
ইমা দ অমুক উ লংদে য়েংলবা শোয়দনা সিরগনি ।
হায়রনলগা ঙা হাংখিদ্রে চা পেংনা লৈথে কখ্রে ॥

আড্ডা

কপ্পুনা ঙক্তনা হুঙসাল হে ইমা অগোবপী মও ।
ঙলাপি ইম গা ন ইমনা পোংগলিংবি ইমানা যোকপিদনি

মপোক থুদিংদমু ইনাগী ললন শিংবা ভমলয়োই ।
থ ব্রা খংদব্রা পাখজহুনা লপোইক্রুরে নচানা ॥
ইমাবুদি মপোকসিমগী বাউজয়োই ইমাগী য়াথং ইন্নি ।
ইমানা লৈমু হায়দত্তা ইঙ্গগনি ইমানা হায়বদা তৌগনি ॥
অসি হায়না চরন কোন্দুনা হম্না হম্না খুরুমজে ।

তালচপ

ইমাগী খুয়া থম্বাম্দা নচায়া হম্না হম্না খুরুমজগ্নি ।
তোয়বা নচাগী লাংজবা কম্না কয়াবু ভাকপিয় ইমা ॥
লাংজবা পুথা ভাকপিয়কো নচাবু চালখিয়ুকো ইমা ।
ফত্রবা লম হেলবা ওইরবসু নচানিকো ইমা ॥
মচা ফত্তবশি য়াম্না লৈ মমা ফত্তবদি লৈবা হৌনদে ।
ফত্তবা নচা ঐগী ইরান পুম্বা ইমানা ভাকপিয়ুকো ॥
অহুমা প্রভুনা মমাগী চরন্দা হম্না হম্না খুরুনজে ।

য়ারি

আচার্য্যান: থৌগল তৌদুনা (মন্দিরদা) শঙ্খাই মচুংদা লেংশিল্লে ।
সেবা খুমা তৌরে ভক্ত বৈষ্ণব পুম্নমক্সু মখুংতা উজবদা মুংতাইরে ।
প্রভুনা মমাংদ্ধ তরাম তরাম তৌহুনা মঙ্গল তৌনৈ ॥

তাল অনি

আচার্য্যগী অয়াংপা লৈতে লৈকম চান থকমবা ॥
হরি ধনি মঙ্গলগী খোঞ্জেল্লা মাইকৈ ত্তরা নিলগ্রে ।
প্রভু ভক্ত কীর্ত্তনিয়া পুমথে সঙ্কীর্ত্তনা পুমনমিল নিলগ্রে ॥
অদ্বৈত আচার্য্যগী য়ুমদো বৈকুণ্ঠম্বু হেলগ্রে ।
অয়াং অপা অমত্তা লৈখিদবে লক্ষমীনা ভাণ্ডার ফমগ্রে ॥
শ্রীরূপনা গৌর রঘুনাথনা লোম্ব গোবাগ্রি হরক ।
গুরুশিংবু থুরুমজহুমা চৈতন্যগী গুণবু কৃষ্ণদাসনা শকচৈ ॥
মত্তাং অসিগা ওঝাশিংনা শরুরম্বা অদৈত ভোজন ঈশৈ
লোইনৈ লাইফম অমনি । রাগানুগা ভক্তি মার্গ চংপা শ্রী-
রাধাগোবিন্দগী অষ্টকাল নিত্ত লীলা ওক্তোন্দা লোইশিল্লি।

মথুদিঃ — শচী মমানা ইচান। শান্তিপুরদা হেক লৈরিমথৈ ঐনা
খোংহুনা ইচাবু পিজগনি ময়ামদা ঐনা মিতরি তাকপি ।
অন্নুম্না হুনিং তরানি লৈতুনা মযাম্না হুংজাইনা লৈরে। ওভুনা
হুঙ্গংলি সন্ন্যাসি ওইরবনিনা নদ্যাদদি লৈবা য়াদরে ইমা'না লৈখু
হায়বা মফমদা লৈগে। শচীনা য়াম্নগু লাংগুবা পাওহু ভাম্নবা নীলাচল
ক্ষেত্রদা লৈয়ু ইমাগী নিমাই। মমাগী য়াথং ঘংদা মনাকপী হৌনা
ভিক্ষা লৌহুনা বিদায় নিরগা ভক্ত মযামগা লোইন্না নিলাংহো লা-

ক্লে। শ্রীজগবন্ধু উজবা ব্রজ ভাবতা শ্রীরাধা গোবিন্দগী বাল হিপানগী লীলা ভাবত। মথাক্তুংগী যুগল রূপ অনিগী শক্তম উজবা অজিবা প্রথনা হায়জদ্দা লোইনৈ। মঙ্গদো লালসা মনশিল্লা ছয় গোস্বামি নামপুস্ত শক্লুনা লোইনৈ।

———— —

ছয় গোষাঞি অচৌবা

রূপক তাল

শ্রীচৈতন্য নিত্যানন্দ ; অদ্বৈতনচিংবা ভক্ত পুম্বা

ময়াম্বগী খুয়া থম্বানবু কোকথক্ত হাপচৈ ।

স্বরূপ রূপ সনাতন ; রঘুনাথকী খুম্বা থম্বাজ ;

খুয়াম্বী উত্তম কোকথকী লৈতেংনি ॥

কংজ্রনা য়াথঙ্গী লমবু ; ব্রজগী বৈষ্ণব পুম্নমক্কী ;

শুদ্ধমতম্বি মরু ওইবা হরিদাস থাকুরবু ।

শ্রীচৈতন্যগী শাম্বখা লৌলা ; পাল্লবা সমুদ্র ইপাক্কি ;

মরিক অমত্তংতবু শাকচৈ কৃষ্ণ লাসনা ॥

ধাত্রি

আ আরে ২ শ্রী গোষাঞি রূপ সনাতন ।

ঐবু থোঙাললিবু গোষাঞি রূপ সনাতন ॥

অমুক্তদি ঐবু থোঙাললিবু গোষাঞি রূপ সনাতন ।

---

৮ শ্রীবাসুসনা শর্ম্মা ওঝাগী বাঙ্গলা পদ লোন ।

রূপ সনাতন হে আরে ঐবু ;
অমুক্ত ঐবু খোজালবিয়ু ;
ও হে গোযাঞি
শ্রীজিব গোপাল ভট দাস রঘুনাথ হে

সুত চারি তাল = তাল মরি মা।

খুরুমজৈ ভক্ত লোক মাথ খুরুমজৈ শ্রীনিবাস ।
ও কি আরে হে ; ঐবু খোজালবিয়ু ;
আরে অমুক্তা ঐবু ॥

লোফা = মেন তালথা

নরোত্তম রাম চন্দ্র গোবিন্দ দাস
আরে হে । প্রভু ঐগী শ্রীনিবাস ;
প্রভু ঐগী বৈষ্ণব গোসাঞি ;
ননাই ঐবু খোজালবিয়ু ॥

ভজন সাধন হৈত্রবা ঐবি ;
নংদি তোল্লবগী মপুন্নি ।
ঐবু খোজালবিয়ু ; তোল্লবনি থলবিদুনা ॥
তাঙৈজ সাধুগী মচিন্নগী ;

মংদি তোমনবু চালবি হৈবা
পংলবা তোমলবা চণ্ডাদি ঐবু খৌজালবিয়ু ॥

সোম তাল

ঐবু অমুক্তা খৌজালবিয়ু বৈষ্ণব গোষাঞিং ।
কলিগী অৱাবা লানবিমবা কনা অমা লৈত্রে ॥
ঠাকুর বৈষ্ণব নত্তনা কৃষ্ণ পিবা প্রেম পিবা ।
অদৈত কনা অমত্তা লৈতে ॥

———

তিন প্রাভু

ঝরি তাল

১। জয় প্রভু নিত্যানন্দ শ্রীকৃষ্ণ চৈতন্যচন্দ্রা।
প্রভু শ্রীকৃষ্ণ হে ; দয়াল প্রভু থৌজালহৈবা।
প্রেম দাতা প্রেম পিমহৈবা ;
খুরুমজরি প্রভু বিশ্বম্ভর হে ॥
খুরুমজরি প্রভু শ্রীকৃষ্ণ হে।

২। প্রভু নিত্যানন্দ হে : প্রেম পিমহৈবা ;
থৌজাল হৈবা প্রভু ; প্রভু পদ্মাবতীগী মচা হে।
খুরুমজরি প্রভু অবধূত হে।
প্রভু নিত্যানন্দ হে ॥

৩ প্রভু আদ্বৈত হে ; থৌজালহৈবা প্রভু
প্রভু প্রেম পিমহৈবা হে
প্রভু শান্তিপুরগী মবুংঙো হে।
খুরুমজরি আদ্বৈত হে।

৪। প্রিয় গদাধর হে; হে গৌরঙ্গী চাম্নবা
গৌরাঙ্গী চাম্নবা গদাধর হে।

৫। প্রিয় শ্রীবাস হে; গোর; গৌরঙ্গী চাম্নবা;
গৌরাঙ্গী চাম্নবা॥

তিন প্রভু — অথাইবা

চৈতন্য চন্দ্রা খুকমজরি অদ্বৈত অচার্য্য
খুকমজরি গঙ্গা বিরচন্দ্রা।
খুকমজরি গৌর ভক্ত অপুন্না।
চানবীয় গৌর ভক্ত অপুন্না।
খুকমজরি রাধে কৃষ্ণ রাধে কৃষ্ণ রাধে॥
আ আ আ রাধে॥

শ্রীশচী নন্দন — তিনতাল অচৌমা।

শ্রীশচীগীমচা বিশ্বম্ভর থৌজাল মিরোং লৈবিয় ঐহোন্দা।
সংসারসিগী ছিয়য়দা কুপ্পুন্দা ২ শ্রীচরণ বু কাওথোক্লে॥

ত্রি পুট স্বামি

ভাণ্ডির শ্রীগোবর্দ্ধন রাসলিঠৈ শ্রীমন্তিন॥

চুই তাল — তালথ, অনি

শ্রীবৃন্দাবনবু কদৌইঙ্গৈ উজবা করুবা।

তেওরা

বংশিবটকী উকয়দা মিংলুদগি পিরাং শিন্থজগা;
শ্রীরাস মণ্ডলদা ওন্থোইজবা ॥ ২ ॥

তালচপ

যমুনাগী তোর্ব্বান বন খুদিং কোইদুনা।
হা রাধা গোবিন্দ শোন্দুনা কোজবা ॥
কোইদুনা হৃকচাংসে থাদোকপা ঙমজদা ১
শ্রীরাধা গোবিন্দবু কাংজদুনা চরন্দা চংজগা ॥

পঞ্চম স্বারি তাল

বৃন্দাবনদ কুঞ্জ বন্দা অনিনা পুন্না তান্থোইবা।

ঝাপ তাল

ললীতানা চিংবী লখীশিং লোইনা হরাওনা কাংজানা সেবা।

চৌতাল

শ্রীরাধিকা গিরি শারি লোইননা সখীশিঙ্গা
ফজবদো কদৌষ্টে উজগধা ॥ ॥
আ আং আ আ আম্বারে
অকব। হুম্রিংঙো ॥

তালচপ — মেঙ

হে বৃন্দে নঙ্গী চরন্দা খুরুম্‌হুবা হায়জব্রিয়ে ।
খোরাংজবা উগী মহে য়ানহুলবিয় হে ফজরবী ॥ ২
খোজাল মিয়েং তাবিয় তোল্লবা পংলবা ঐতোন্দা ॥

প্রথনা = হায়জবা

চালি

হা শচীগী মচা ; হা প্রভু চালবী হৈবা ;
তোল্লবনী থন্দুনা চালখীয়ুনে ননাইখ ॥
মপোক কুটি খুদিংমক্তা প্রেম সেবা পিমবিয় ॥
মমব য়াওদনা থবাই মঙা মবাই ওইহুগে ॥

শ্রীগম্ভীরসিং মাহারাজগী ইশৈ

নবজল থর

তিন তাল অচৌবা

অনৌবা নোংহৌ উমজবা শংবাম্নবা শজম ;
ঐনা কদৌঙৈনো ইমিৎসিনা উজগনবা মাবু ॥
শ্রী নন্দগী মচানা কদৌঙৈদা চাংবিগবা ।
ভজন সাধন হৈত্রবা তোম্নবা পাংলবা ঐবু ॥

ত্রিপুট স্থায়ি

মুংঙাইবগী মশক ওইবা বৃন্দাবনবু ;
কদৌঙৈ উজবা ফংজগবা ।

তাল অনি

বংশীবটকী উরুমদা নৈজন্না থবাইদুবচং ,
ইংনা তপ্পা মুংঙাইজবা ।

তেওরা

কদৌঙৈনো গোবর্দ্ধনদা চিং-জাও ইমিৎ পেন্না উজগনবা ;
সুমিৎ অদা কদৌঙৈ ওইগনবা ॥ ২ ॥

তালচপ

হরিনাম শোঞ্জবদা হুচুংজগবা ;
নিংশুদগী পিরাং তত্তনা চেম্ঙজবা ।
ইংলবা ফজবা যমুনা মপান্দুদা ;
কদোইগি ঐনা কোইবা ফংজগদৌরা ॥

পঞ্চম স্বারি

পাম্বোম অনি থাঙ্গত্তনা হুংত্তাইনা ;
হা কৃষ্ণ হা কৃষ্ণ শোঞ্জশিনা ঐহাক্না ॥

ঝাপ তাল

প্রেম্না ময়াই কাপ্পনা খুবাক তোইনা খুজবা ।

চৌতাল

অহুগুবা হুমিত্তো কদোইগি ওইগবা ॥ ২ ॥
শ্রীরাস মণ্ডলিদা চৎচবদো হরাওনা ॥
অহুগুবা লাইবক ফবদো কদোইগি ওইগবা ॥ ২ ॥

মেন - তালচপ

কোইনা কদোইগি ; হুমিৎ কয়া কুইনা
হকচাংসি তাপ্পুনা লৈজবা ।
গোপীশিঙ্গী খুয়া উয়ুন হকচাংদা তৈজবা ,
মাহুতবু ঐনা য়াম্না পাংজৈ ॥

সমুদ্রে পতন

তাল অহুম অচৌবা

১। অনর্পিত চরিং চীরাং করুনা বতীর্ণ কলৌ।
সমর্পয়িতু মুন্নতোজ্জ্বল রসাং স্বভক্তি শ্রিয়ম॥
হরি পুরট সুন্দর দ্যুতি কদম্ব সন্দিপিত
সদা হৃদয় কন্দরে স্ফুরতু বঃ শচী নন্দন॥

১। মতম কুইনদগী পিনথ্রিববু পিবিগে
চামহিগে হায়না শায়োনবা কলিদা।
অবোইবা সংলবা: য়মবু মাগী ওইবা
ভক্তিগী মপৈবু পিনবিগে হায়না॥
সমাদগী হেন্না ফজবা মতাল মপৈবা
তিল্লবা মৈ মামবা মচুবা ওইবা।
মতম পুন্নমক্তা থবোইনুংদা তামহিরসনু
শচীগী মচা ইবুংঙোমা॥

৺শ্রী নোংমাইথেম ওজা চাইগোই বজলা পদসি মচা
চচা চাওবীগা সঙ্গ তৌই।

রূপক

২। রাধা কৃষ্ণগী প্রেমগী মশক হয়াওহনবী শক্তিনা।
আত্ম অমত্তা ওইনা হকচাং ওইবিরিবা শক্তম॥
হৌজিক কলিসিদা শ্রীচৈতন্য কৌহনা ফোংদোকপিরিবা।
অনিনা অমত্তা ওইবা রাধাগী রাখন মঙান লৌবা।
চংখোলবা কৃষ্ণগী মশক ওইবনু খুরুমজে।

য়ারি

অহ'ন-দা গৌর চন্দ্রিকাবু ওথকবা থমদং শকচরে। হৌজিক ভাবিবসে ভক্ত বৈষ্ণব পুম্নমক শ্রীচৈতন্যগী অরোইবা লীলাদা সমুদ্রদা তাবা অদুগী লীলাবু ইশৈ ওইনা শকচগে অরানবা অশোইবা পুম্নমকপু ঙাকপিহৈবা গুরুনা ঙাকপিয়ু হায়না হয়া হয়া খুরুমজে।

মথন অহুম্নি — পোংশক তাকপা; খোজামবিথ:;
খুরুমজবা;। ভাবিরিবা বৈষ্ণব পুম্নমকপু খুরুমজে॥

খোইড়া

১। শরৎজ্যোৎস্না সিতোরব কলনয়া
জাত যমুনা ব্রজ বৃন্দাবন মোলিমন

হরি বিরহ তাপার্ণব ইব ।
নিমগ্নো মূর্চ্ছাঙ্গঃ পয়সি নিবসন
রাত্রি মখিলাং প্রভাতে প্রাপ্তঃ
স্বৈরবতু স শচী সুনুরিহ নঃ

খোইরা

১। শরন স্নাতুগী সংগম। থাবনগী ইপোম্না কজরব। ।
সমুদ্রবু উরগা যমুনানি খন্দুনা য়াংনা চেনগ্রবা ॥
কৃষ্ণ কাইনবগী চান্নবা ইপাক্তা লুপগুম্না প্রভুনা।
সমত্রদা চোংখদুনা থান্থদুনা লুম্ভুনা লৈপ্রবদুদা ॥
মোংচেংগ্নবদা স্বরূপনচিংবা ভক্তশিংনা থিরকপদা।
ফংদুনা সেবা তৌগ্রবা অতুম্বা শ্রীকৃষ্ণ চৈতন্য্যা প্রভুনা
সংখোন্ন অসিদা ঐখোই পুম্নমকপু কলবিরসনু

রূপক

খুরুমজৈ শ্রীচৈতন্যা নিত্যানন্দবু খুরুমজৈ ।
খুরুমজৈ অদ্বৈত চন্দ্র গৌর ভক্তশিং খুরুমজৈ ॥
নীলাচল্রো মাহা প্রভুনা অহুম্না লৈরকলবদা ।
অহিং মুংখিন্দ কৃষ্ণ কায়ন অরা ইপাক্তা তাওরে ॥

টেঙ্ৎ – তালথা অহুম

প্রভুনা মাগী ভক্তশিঙ্গা লোইমহুনা লেংথোরকই ।
লংলবা থাবনগী ইপোম্বা করমা চালবা অহিং ॥
বন বন খুদিং উক্রবদা পুক্রিংদা অচকপা ওইরে ।
তাদনা থোগন্দুনা প্রভু অপোম্বা শামক্লে ঈশৈ শকলে ॥
শ্রীকৃষ্ণ প্রেমদা লুপ্তুনা নৈমাইথক্তা মাম্বহুনা তারে ।
স্নান তাবক্লে মুংশিনা রাস লীলা শ্লোক থিহুনা তাহলে ॥

শ্লোক

১ । উপগীয় মান উদগায়ন বনিতা শত যুর্থপঃ ।
মালাং বিভ্র দ্বৈজন্তীং ব্যচরম্মণ্ডয়ন বনম ॥

২ । নদ্যাঃ পুলিন মাবিশ্য গোপীভি হিম বালুকং ।
পুষ্প্যং রেমে তওয়া লানন্দি কুমুদা মোদ বায়ুনা ॥

৩ । ততো গত্বা বনোদেশং দৃপ্তা কেশব মব্রবীৎ ।
নপার য়েহং চলিতুং নয়মাং যত্রতে মনঃ ॥

৪ । এবমুক্তঃ পিয়ামাহ স্কন্ধ তারু হ্যাতমিতি ।
ততশ্চান্তদধে কৃষ্ণঃ সাব ধূরব তপ্যতঃ ॥

৫ । হা নাথ রমন প্রেষ্ঠে কাসি কাসি মহাভুজ ।
দাস্যাস্তে কৃপনয়ামে সখে দর্শয় সন্নিধিম ॥

একতাল = তাল অমা

৬। জয়তি তেহধিকং জন্মনা ব্রজ।
শ্রয়ত ইন্দিরা শশ্বদ এহি।
দয়িত দৃশ্যতাং দিক্ষু তাবকা
স্তুয়ি ধৃতা সবস্তাং বিচিন্বতে ॥

৭। তব কথামৃতং তপ্ত জিবনং।
কবিভিড়ীরিতং কল্মসাপহং।
শ্রবন মঙ্গল শ্রীমদাততং
ভুবি গৃহ্ণন্তি তে ভুরিদাজনা ॥

৮। প্রহসিতং প্রিয় প্রেম বীক্ষনং
বিহরনঞ্চতে ধ্যান মঙ্গলম।
রহসিং সংবিদো যাহৃদি স্পৃশ:
কু হোক নো মন: ক্ষোভয়ন্তি হি ॥

৯। যত নারিকুল বিরহে আকুল ধৈর্য্য ধরিতে নারে।
সর্ব্ব ব্রজঙ্গনার মাঝে সর্ভিভুত রসিক নাগর ॥

১০। তাশামাবির ভুংস্ছৌরি স্ময়মান মুখাম্বুজ।
পিতাম্বর ধর শ্রবী সাক্ষান্মনথমন্মথ: ॥

১১ । তং বিলোক্যাগতং প্রেষ্ঠং প্রীত্যুৎফুল্লদৃশোহবলাঃ ।
উত্তস্থুর্যুগপৎ সর্বাস্তন্বঃ প্রাণমিবাগতম্ ॥

১ । কৃপালকুপা অধে হৈবী গাপীশিংগী মথং থান্না, হুংশিংনা লাবপা
ইবুংঙো মাবু থারকুনা গোপীশিং হুংশিংনা ঊইদনা লকপা ।
ইবুংঙো মাবা নক্কুনা গোপীশিংবু হাপ্লা থুমহৎলবা ।
ঐ মচু মঙাল্না লেংবা হৈরক্পী মদায় থে ঙমুপা ॥
বৃন্দাবনবু ফজহন্দুনা লেংবা কোইনা লেংনা লোইখি ।

২ । ইংলবা যমুনা মপানগী ফপা ইংলবা লৈতেংশিংদা ।
ইংনা হুংশিংবা মতেংগী মনম্ শিংলবা হুংশিংদা মাংখি ॥

৩ । থংনা লাগা থেংদুনা গোপীশিং হাপ্লা লেংদুনা চংখি ।
মংঘসিদা গোপী অমমা হাংজ্রবক্তা ঙাক্লে ।
থোং থাংদুনা চৎচবা ঐবু পুবিরিংবা মফমদা পুথিবু ॥

৪ । অদুম্না চাদবী হায়বদা ফমং ঐগী লোইবান্দা থোকলো ।
তাবদা নাপন ঙোমা ঙোংগে কোল্লবপদা কৃষ্ণনা মাংখ্রে ।
মাংথ্রবদা নাপন পলত্রে অব বা ওইদনা কৃষ্ণবু থিখি

৫ । মা ইবুংঙো, ঐবু হুংঙোইহনবা হে পাংগোল অম্বা ।
কদাইদা লৈরগে হে মক্কপ বুমা ঐবু ঊহনবিয়ু ।

৬ । অদু তৈহৈরি ব্রজসিদা লক্ষমীনা থোংগল্লি অদ্বাংপা লৈতে ।

অনুম্না বাত্রবা ব্রজদা নঙী মুংঙোইনবদা থঙবী ॥
মং উদবদা মপাল খোকচদোবা গোপীশা থবাইনা ।
ঐ উদবদা বাযে ঐবু বানা খিঁ র হায়চুনা অমুক্তা য়েংবিয়ু ॥

৭। হে ইবুংঙো নহাকী মাথংদি জিববু হিংবা অমৃতনি ।
কবিশিংনা শকপা লোনবনা পাপ কোকহৌ মশক্তি ॥
ভাজ দা মঙ্গল ওইবা অমৃতবু শক্তুনা তাহল্লিবা ।
অমুত্তবা মী অদো নহাকমুক্তা দান য়াম্না তৌবা মীনি ॥

৮। হে চান্নবা হে তাং হৈবা নংবু নিংশঙ্ক মঙ্গল পিনবা ।
নঙী কজবা মিনোক প্রেমগা লোইননা মুংশিনা য়েংবিবা ॥
অচিকপদা পুষ্পনা শামচৈবা লীলানা পুক্তি সুমহৎপা ।
নংবু কাষ্টমবদা নংগী চরণ শক লোমংনা হাযে ।
মতম লেনবা চুমত্রে ভমুক্ত পি উচ্ছলিবয়ুনে ॥

৯। অম্নুন্না মবুংঙো কাম ? মৈন। চাক্রমা য়াবধী গোপীগী ।
অরাবা উবিক্রনা মোমোন লোক্তা মুংশিনা উচ্ছলহিরে ॥

১০। কপ্পিবা গোপী মর্য্যাদা যুগাইনা শাংপা থম নওম :
মোমোন লোকপা মাইথোং সনাফংগ থোম্ব লৈপংবং শিবা
তাইবং সুমহৎপ কামদেববু সুমহৎম থোরকখি ।

১১। চান্নখোইবা কৃষ্ণনা লোলকপা উজ্জল রূপাকেনী ।
থাং লাওনা পাংথমা য়ে জগবা চন্দ্র পুম্নামক্কা থবাইগা ॥
পুকনিং চপ মান্নবা হৌগত্নুনা মবুংঙোবু থোগঙখি ॥

রূপক

অহুম তৌবা শ্রীকৃষ্ণনা চাম্নবিশিংবা লোইরমবা ।
শাংগিরে রাসগী জগোই মথন শুমা ফজনা ॥
মথংদা জগাইকলিগী শ্লোক থিরক্লে তাবদা থুদক্তুদা ।
শ্লোক খিবা ২ কোইরকপা অদু তৌবাদগী সমুদ্র য়েংই ॥
থংবন্দা ইলং লংবা ইথক হৌরি সমুদ্র যমুনাগুম্বা ।

লোক্কা মেনতালথা

চুম্না পমুবানি খন্দুনা চেন্নক্লে থুদক্তা সমুদ্রদা চোংথরে ।
অলংকা তাহুনা লৈরেনে; কনা অমত্তা খংদনা; হাপ্চনা তারেনে;
অমুক লুপই অমুক তাওই ।
যমুনাদা শ্রীকৃষ্ণনা পোংপীশিঙ্গা লোইনবা ইরোইচুনা শক্লবগুম
মাহা প্রভুনা অতুগুম্বা জলকেলি বুম্বা থাংজাইনা তাওরি ।

বারি

ইথক ইপোম্মা অনংবা উনা তাওবগুম্বা তাওথরিয়ে ।
কনানা খংবা ঙমগনি শ্রীচৈতন্যগী মরেবু খংজদবা ॥
কোনা কা ইশ্রুলালোমদা ইথক ইপোম্মা লৈহুনা পুরকই ।
অমুক লুপান অমুক তাওই মপাংগী জ্ঞান তাদনা ॥

মেন তাম্‌চপ

অসোয়বদি স্বরূপনা চিংবা ভক্তশিংনা প্রভু ইথেংদা।
কদায়দা চৎখ্রে প্রভু উত্রে ইওক ওকা হায়নখ্রে ॥
প্রভু উত্রবদা মরাক্তা চিংনচুনা হায়নখ্রে থিরক্লে।
লোয়রে প্রভু মরক ওইবগুনা লৈলা খুপত্রবনি ॥
সমুদ্র তোর্বান্দা তোরে মতুংইন প্রভু থিনখ্রে
মতমসিদা ঈল হুনবা মিপা অমা লাং পুখুনা লাকই

ঠুংরি

পাখোম অনিদো হায়দুনা বাংনো ফাংনা চেংদুনা লাকই
লেংবান্দা লাং পুত্রনা থরা থরো লৈমাইদা ফুরুক পাখি ॥
ইওক ওকা কোয়েং কোয়েং লেংই অচাউবগী মতোংদা।
জগোই শাই চৈশ শকই দমা নে কই তমুব কপি।
অশা পুম্বা থক থক মিকই লেপ্পা ওয়েদ হার লোমি
ঈল হুনবগী মওংদো উবদা মমুমা তপ্পা নৈ ॥

বারি

স্বরূপ গোসাঁইগী মতোংদা য়া হই।
ওহে ঈল খোনবা নংমা লংকপদা লৌকা উনবনা ॥

অহুগা নংনা অঙাউবগুম্না তৌরিবসিনা করিগনো।
হে গান্দিমী অমত্তা ওনদে অহুগা য়েংঙেই ঐগী ঈশ্বা॥
অসিবা অমা লকই অচৌব ভাগি হায়দুনা হৌরক্রে।
চিংখৎলকপদা হাশিবা অতু উবদা ঐ য়াম্না য়াম্না বিরে॥
উরুবদগী থল্লু থল্লুবগা ঐ য়াম্না মীপাইদুনা লৈকম থংদরে
ঈশ্বর পৌথোকে হায়দুনা মাবু হেক শোকলুবদুনা॥

নোঙ্কা — মেন তালথা

ভুংনে য়াদো ঐগা থমোইদুংদা চংথযে শমনরুপদা।
করম্বা ব্রহ্মাদিদেব ভুংনো হায়রবা ওয়াঙদরে কিবনা॥
ভূং প্রেত চংদবা নৃসিংহ মন্ত্র ইক করম্বা ভুংনো চৎত্রে।
নরসিং মন্ত্র শোয়নগা ভূতো থাইমা থোকনা হেনগৎলি
অশিবা মহাত্মা য়মিত্তি হুঙ্কনা লুনা লংনা পাংই।
ওহাক ওহাক গপ গীগ খোংই ওহাক তুরিম্না লৈএ॥

তুই তাল

রাসি ভাবদা স্বরূপ গোস্বামীং মরম পুষ্পক খংলে।
প্রভুগী দশা থল্লুবদা থমোইদা থক থক নিংকলে॥
ঐগী ইবুংঙো নঙবা মহু অতৈ অমা ওইরমোইনে।
থল্লুবগা স্বরূপ ঙপববা সুকথম ওয়াদলক্লে॥

ঈশ হূনবনু য়েংহনা তম্না তম্না মুংশিনা হায়রকই।
ঐদি ভুং তালখোকনবগী ওঝানি ঐ মায়া মন্ত্র হৈএ ॥

ঝারি

অসি হায়রগা মন্ত্র শোল্লগা মকোক্তগী নাষ্টে।
খুবাক্কা অহুমলক মাল্লগা ভুং তালখোক্রেনে ॥
ভুং চংখরে করানি করি অমত্তা নিংবগদু।

শোইড়া = মেন তালচপ

স্বরূপনা হায়এ ভুতনি চায়রবদো নংনা খাদহনা হায়রমি।
নংনা হৌজিক থংজেনে মদো ভুক্ত নত্তে চৈতন্য ভগবানি মদো
ভক্তনা থুহুম চনবা প্রভুনি অতে অমা লাক্তেনে মদো।
ঐখোইগী ইবুংগোমো কৃষ্ণ প্রেমা চাউহনা সমুদ্রদা তাবনি ॥
নঙ্গী ঈশ্বা লকইবদো অচৌবা মীওই অমা নত্তে।
তশেংবা জগন্নাথ মিশ্র শচীগী মচা ইবুংঙো ওতুমিনে ॥
ভাবনা ঈশ খোনবদো মায়া মুংঙাইরে তপথজরে।
ময়াম পুন্না চংলগা উহল্লে চৈতন্য মহা প্রভুবু ॥

এক তাল

সমুদ্র মপান্দা চকচাং পুক্ক শা দোক্তুনা তাম প্রভু।
সমা কুচু হেলবা সনা চকচাং উফুন থক্কা ওন্থোইরে ॥

চ লবি হৈবা ইবুংঙো ঙকচাং পুৰা মকশিন্না তাইবেং তাংলে ।
ভোল্লু কৃষ্ণ দ সনা শকচৈ শ্রীচৈতন্যগী ওক্লবা লিচৎপু ॥

রাগি

অচোৎপা কৌপিন হোংদোক্লুপা অঙৎপবা শেৎলিল্লে ।
বাহিরা সনা চকুম পুন্নমক কন্তোক্লে অঙৎপবা বাহিরবাস খোৎলে ॥

রূপক

ভক্ত নয়াম চপা মায়না খংশুন য়াংনা সঙ্কীর্ত্তন তৌই ।
হরে কৃষ্ণ মহা মন্ত্র শোলি হুংশিনা প্রভুগী মাকোং অনিদা
হরিনাম সঙ্কীর্ত্তন প্রভুগী নাকোংদা চংথে থমে ঈদা ।
হুঁ চাম্বনা ভংহনা তথা হৌগৎলক্লে প্রভু থুদিক্লুদা ॥
ইডক ওক্লা য়েংই মাইগৈ থুদিংদা লৈ লৈহুনা ভক্ত শিংদা ।
শ্রীরঘুনন্দনা সখীশিং ওইনা উরে স্বরূপনচিংবদা ॥

রাগি

গুরু ন ভাব কাওনা লৈহুনা য়েংই মাইগৈ থুদিংদা ।
দশ অবস্থা খোগদুনা লৈরে প্রভু মতম্হুদা ॥
মধুরী নদীগী হংলা জ্ঞান তাদবগুম ।
চোইরোল য়াম্না লালি ভক্ত নয়াম্না হুম্না মুম্না তৈ মৈ ॥

মেন তালচপ = লোক্কা

ঐনা চৎলি চৎলমই শ্রীবৃন্দাবন্দা।
কালিন্দী যমুনাসু উরমই ঐনা॥
শকহেলবা ব্রজনিংথৌমচা উরমই।
রাধানচিংবী সখী ময়ামসু উরমই॥
হুরাওনা মুংঙাইনা ইরোইতুনা শান্নরোই।
ঐনা ভোর্ব্বান্দা লৈহুনা মুংঙাইনা য়েংলমই
সখী অমনা ময়াম শান্নবদো উইলবিরমই।

বারি = সথা রাগ

সনা থিগে খাংজেৎ নমথাং সখী অঃদা শিহরে।
অঙোবা লংলবা অপাবা খাংজেৎ নমথাং শেৎচিল্লে॥
কৃষ্ণগা লোইননা লুগবা ঈশিংদা ইরেইতুনা শান্নে।
জলকেলিগী কঞ্জরবা মসনিবু পামজনা শাঞ্জরি॥

যাত্রা রূপক

য়েংউ ইতা কৃষ্ণগী ইরোইতুনা মুংঙায়না শান্নরিসে।
কৃষ্ণনা ময়াই কাবা শামু ওইরে লুরবা যমুনাদা॥

গোপীশিংনা শামু অযোম ময়াম ওইরক্লনা ইল্লে।
ওনশিন্দুনা মহৈ মহৈ ঈশিং চাইশিল্লরক্লে ॥
লৈনক্লনা ঈশিং চাইনৈ মশা মশা শোকনৈ।
অমনা চেল্লি অমনা ত নৈ অমনা ওনশিন্দুনা চাইনৈ ॥
নোক্লে হরাওনৈ শামবগী কুমৈদো কুমৈ মাথোই কায়।
সুরবা ঈশিংক্লদা কল্লহা ঈশিংগী লান কল্লা পেংনরি ॥
ফুইন নোংহো ওইরে গ্যাম্মা লংলবা নোংথাং ওইরে রাধা।
ঈশিং থুক্লোক থল্লা থল্লা ফুইনা ফুইনা চায়শিল্লে ॥
সখীশিংনা চিংনা চিংবা য়েংজৈ কখৌ লাংবী নোংগোবিকুম্মা।
অচুম্বা মুংঙাঈজবা অমৃত চুপটৈ পুক্লিং পোঞ্জে সখীশিং ॥

চারি তাল -- তালথা মরি

শামবা কুমৈ উথগা; ময়ুংডহৈজ এগী পুল্লিংনা;
মিংকী নাকোংগী পেঞ্জবা ওই।
অতকপা ফংনা শামরগা; কাখৎলক্লে শ্রীহরিনা;
চান্নবা গোপীশিঙ্গা লোইনবা ॥
মনম মুংশিবা পাও তৈরে; হৈগক্লগী পাউনা নোইক্লনা;
সেবা তৌরে তোঝবান্দা সখীশিংনা।
অমূক হল্লা ইরুজরে; অকংবা ফিজেৎ লৈতেংলে;
রতনগী মনি শঙ্গাইল্লংদা লেংশিল্লে ॥
বৃন্দাদেবীনা শেমজবা; চন্দন লৈ লৈতেং অপুম্বা;

বননী ফজবা না হরিংবা শেমজরে ।
বৃন্দাবননি লোন্ রথাশিং, নঙণী সেনা কচুশিংবাশিং ;
ফজেনা নৈন ময় থেক্তুনা পুররে ॥
অহাও মচাশিন থংগা না ; লেঙনা নুং পম্বা ওয়্ পাক্তুনা ;
মনি সঙ্গ ই যমাংদা পৈররে ।
লুরবা সংনা ঊনিং অমঙ্গুংবনি, চুম্ভেন চংবা, নঙ্গপুর হান্নবা
সম্পুর্ণী অহংত পদা ঢনা ॥

দুই তাল তাং, থা, জনি

হাওবব ক্ষ র বোনা মহি যুংদা ফজনা শেমলংবা ।
রাধা কৃষ্ণদা কংলনবা পুন্দুনা লাইনা চিনরে ।
সন্দেশ ময়ামদে উৎদা পেনশিরে কৃষ্ণনা হাদিরে ।
প্রসাদিদো রাধানা ফংজববদ লখাশিন্থু যংজরে ॥
লৈগী শযানা নক্তা চেপাথরে ইদুংঙো ইবেম্মা অশিনা ।
সখী থরনা হ ৎন তপলবা পানা থিলি অনিনু থোংগৈ ॥
সখী থরনা চাংদ থোগমি হয়না হবনেং সেবা লোই
শ্রীরাধা গোবিন্দসু অবাবা পোৎথাথরে কুংথোইনা চুমথো ।
সখীশিংসু সেবা তোইত্তনা মাগী মাগী কুঞ্জদা পোপাথো ।

রূপক

মতম অংদা ঐবু পাইহুনা নখোই ময়াম শিংদুনা ।
ঐবু মফম অনি তাম, করিগী নখোইনা পুবিরকইবা ।

কদাইদনো যমুনা বৃন্দাবন কদাইদনো কৃষ্ণ গোপীশিং।
ঐগী মুংঙায়জবা থুগাইখিরে।
হজরবা বৃন্দাবন উজরম্বা॥
গোপীশিংগা লোইননা রাস লীলা।
চাঁদংগী ইরোইদুনা শান্নবা লীলা॥
অহাও অধম সন্দেস চামিন্নবদো।
উজরম্বাদো ঐনা উখিদরে হৌজিক॥
মুংঙাইজবা পুম্বা ঐগী থুগাইখিরে।

তাল জমা – এক তাল

মঙ্গলা স্বরূপ গোবিন্দনা প্রভুবু ইকুজরেনে।
গোপাল চেংলুম তুংঙাইনা প্রভুদা মন্দিরদা কাক্রনে
অঙম ওইবা প্রেমগী সমুদ্রদা তারুবা লীলাশিংরে।
অসিবু ভক্তশিং শোত্রমবাদি চৈতন্যগী চরণ ফংলবা॥
শ্রীরূপ রঘুনাথনাচিংবা গুরুশিংবু খুরুমজদুনা।
শ্রীচৈতন্যগী মঙ্গল লীলাবু লোল্লু কৃষ্ণ দাসনা শকচৈ।

— — —

প্রভাস খণ্ড—কুরুক্ষেত্র মিলন

খুরুমজবা

অহানবদা শ্রীগুরু গৌরাঙ্গবু খুরুমজে ।
অনিশুবদা গৌরাঙ্গগী মাথন পুম্ববু খুরুমজৈ ॥
অহুম শুবদা ডাকপিহৈবা ভক্ত বৈষ্ণপু খুরুমজৈ ।

মেলৈ—তিনতাল=তাল অহুম

অচিকপদা তুমিন্না কমহুনা খল্লি মণ্ডন মণ্ডন ।
মথক্কী হৌখিবা কাময়রবী মাধাগী লীলাবু নিংশিংই ।
শাময়গী গোপিনাথনা গোপীশিঙ্গা লোইননা ।
পুময়কপি থাদোক্কুনা দ্বারিকাদা চৎলে মানা ॥
মসসিবু থল্লি গৌরাঙ্গনা; মাথন্দা তাওন্নি গৌরধায় ।

৺শ্রী ওঝা চাইগোইগী বঙ্গলা পদদি, চাওবীগা সঙ্গনি ।

ঝাপ তাল

চেংক কপ্পি চুঙাম চেপ্পি চোক লৈমাইপক্তা ওহোইনা তাপ্পি।
ইচুক চক্লা য়েংই থাক্লা খারং নোকই সাগৈ মঙং কাওরকই ॥
হায়রকই প্রেমগা লৈইনা চুংশিরবা বাহৈনা থাদোক্লে ময়াম
তুচুংই উপুল্ল ওল্লি রাধনগী ইথক মহাক্না প্রভুনা থোগল্লি।
মপান নাইত্রবা সমুদ্র ইপাক্ত ম থংডমত্রবা গৌরগী রাথল্লি ॥
শুংগী মপক ওইনা থংজবা ঋরদং শকচংলি হাবপিয়ু।

খাদি

ভাসিদগী প্রাভাস তীর্থগী কঙ্গা রসন্তু শকচগে হরদং।
পারংনবা পুমুংনপু ওকপিরিবা ওল্লা ওকপিয়ু কুরুমজরি।

মেতৈং — তিন তাল — তাল অঙ্কম

ফজরবা দ্বারিকা কোংচুংদা কৃষ্ণনা নিংপোত্নেল ওইরমই।
থোইদাক হেন্নোমকবী সতী লিশিং অমনা লেবা তৌরমই।
ইবেম্মশিং লোইনবুনা মথন মথনগী লীলা শারমই।
শারবা হৈবা শাম শকহেলবনি। তিংবা পুম্নমক পুংনা শান্নি

তাল অনি — দুই ঠেকা

সোংনবী নুমিত শ্যাম অচিকপদা তুন্নিনা কংলমই।
নওনন্দুদা কক্কমনি অচাংব থম্বান হৌমা কৃষ্ণদা বংলমই ॥

তাল অমা —এক তাল

চৎলো চৎলোংদে নারদ মুনি পুন্না চেক্লবা কুরুক্ষেত্রদো ।
পুন্না পুরকউ ইমা যশোদা পাবুং নন্দ মহারাজবু ॥
কুরুক্ষেত্রদা যজ্ঞ তোঙগে যোগি সিদ্ধি নিংথৌ ওজা পুম্নমক ,
উদবা কুইরে ব্রজগী অহল লমন নৌরিবী গোপীশি ॥
পুম্নমক্সি কাইনবদা অরাবগী ইপান্থা তাবে ঐদি ।

রাগি

তারো নারদ চৎলো বৃন্দাবনদা ব্রজগী অমা মুংডাই যেংঙারো
অরাব। কোকহন্দুনা মুকদ্দমেন্দ। পুংহুই ।
হে নারদ চাম্বী রাধাবু করম্না হিংলিগনা নত্রগা শিরবদ
মতম কুহনা কাইনবসিদা থংবা তমদ্রে খুনা [illegible] ॥

ঠুংরি

লাইবক্না হরি মন্দির চন্দন ফুলচাং পুক্লা [illegible] ।
কোক্তা জটা পুরা বীনা খুত্তা পাম্বদুনা হরি [illegible] লিংলোন [illegible]
অসুম অদুন চৎনকপনা শ্রীব্রজবৃন্দাবন য়েংঙারু ।

থবাদা পাম্লমা মনম নম্জুবদা নাইত্তোন ৯মাক্তি কাথমে ।
শ্রীরাধিকাগী মুং মথা মমাদো খম্বান্দুদা মাংখরগদে ॥

প্রভাত নত্ত্র

[illegible] অহাউবগী রাধা [illegible] সৈরবই ।
রাধাগী রাধদা লুপানতুনা চাউবগেন সাবহেকনা কাদো ॥
অঙ্গন ওইবা গৌরাঙ্গগী থুপাকাদ লৌনাবু কৃষ্ণ কাউনা শকচৈ

রূপক

পাপা রাধা শোক্নি মংইগে অদিদা চিংনা [illegible] ই ।
মিম্না এম্বান্দা [illegible] শিংহু [illegible] ধ্যান গঙ্গাজম্না ॥
নৈআউবম্মা [illegible] রাধা [illegible] হেংইনা শোক্নি ।
শ্রীরাধিকানা [illegible] বেগ্যেং চিংনা য়েংই ॥
সৌভাগ্য [illegible] নিজবনা বৃষভনু থুডুম চল্লি ।
[illegible] পাম্বা [illegible] রাধিকানা বৃষভ নিংবী অথোইবিনি ।

তিওড়া—জ্বাল অল্পম মচা

[illegible] নাবদ দ্বারিকাদা কৃষ্ণগী চৎনদা খুরুম্জৈ ।
চম্ [illegible] কোক্তা হাপই থুং লোয়্জুনা য়াম্না হ [illegible]
[illegible] ইদা দুক্নিংগী রাবু মধুসূদম্না জায়রক

তিনতাল মচা – তাল অচুম মচা

অরাবনি করি হায়রকপনি বৃন্দাবনগী অরাংব ।
হৈপাল লৈপাল পুম্নমক অমত্তা মপাল শাংখিদরে ॥
উরি উপাল কংখরে উচেকশিং মরোংল থোকখিদরে ।
উশাদা তোংচুনা লৈবা চোংথা তেনবা অমত্তা খোংখিদরে ॥
বাহোং জগোই শাখিদরে তুরুব তুফাই লেপখিরোল ।
শা উচেক পুম্নমক অনত্তা শজিক চাকিদরেনে ॥
ব্রজগী ভ্রিব পুম্না চিত্তা তোকনা সুংবংনবা লৈমরেনে ।
কৃষ্ণ কান্নবগী মৈশা লাংচুনা খরাই নিঙ্গা লৈরেনে ॥
উক্কবনা নাম্বদনা অবা লোকমব পৌরাংজরেনে ।

এক তাল – তাল অমা

মারদবু উক্কবদা কপ্পনা হাদৈজে চোংথা তেংহা উচেকশিংনা ।
হায়খিয়ুগবা থোঙ্গাল হৈবা মুনি শ্রীহরিবু কমাইদা লৈহৌবগে ॥
নুংশি হৈজবা ওইদুনা ঐখোইবু থাদোক্লুনা চংখিগ্রে বনমালি ।
কুঞ্জদা শান্ন হৈবা থোঙ্গান বৈখা হমিগুন পুম্নমক্কা তিনবনি ॥
চানবিয়ু নহাক্না ঐখোইবু অমুক্তদি উহলবিয়ু বনমালিবু ।
মাবু উজবদা খংজবগা ঐখোয় চাকলিখা খরাইগে ইংজগনি ॥
বৃন্দাবনদা লৈরিবা বাসবা ভ্রিব তাকুনি অমুক্তদি উহলবিয়ু ॥

অবাবা গোঞ্জেন তাবদা রাধিকনা নারদ মিংলুদা পিরাং শিন্দুরে।
কপ্না কপ্না হায়রকই মুমিং হুম্মি শুবদা বৃন্দাবন উহনগনি ॥

আড়া

মথং মথং চৎলক্লে কোইতুনা গোবর্দ্ধনগী তময়াদা ।
তুংকক তুংকাই চন্দনা লৈ কথা ঘনত্রী ঘনাও পুষ্পা ॥
উক্কবদা নারদ গোসাঁইঅনা পুক্নিং শুংওাইখিদ্রেতুনা ।
জিব সঞ্চারিনী মন্ত্র হুংশিনা খোঞ্জেল লাংনা শোংলক্লে ॥
লগা ঘনবী ঘনাও পুষ্পা জ্ঞান তারহুনা হৌগংলক্লে ।
নাবদনু উবদা করাওনা সথাশিংনা হায়রকই ॥
মক্ম কদাইদগী লাকপনো কদাইদা চৎলুব না ।
লশ্বীদা উরম্বু মনাশেলনবা শিঙ্গী লুচিংবদো ॥
কইক্লেদকো উখিদবা মুংশিবা কংজাইগী মাইখোংদো ।
লাইগী নোংদম খিবনা হুবিগ্রে যন্তু শাগৈ মনিদো ॥
মুংশিবা মাগী বাঁশি খোঞ্জেন কুইরে শুক্তা তাখিদরেদো ।
কৃষ্ণ কাস্তুদা চংজতুনা তেল্ল বনঙ্গয়না শকচরি ॥

এক তাল=তাল অমা

মক্ম অতুদগী চৎক্লে মুনি লাইনিংবাদা ।
শ্রীনন্দগী শঙ্গাই তম্না পুক্নিং বানা লাংক্লেদো ॥
নারদগী মখোংদা নোপুরনা রুনু রুনু নিক্লেদো ।

য়াম্না শুংনিবা খোঙ্হোক্লা তেইনা হোইনা কিল্লরোদা ।
তাবদা নন্দরানি যশোদা ইচেক হৈরা য়েংইদো ।
হা গোপাল ল ক্রবরা খন্দনা ভাউংনা চেল্লিদো ॥
গোপাল কৌদুনা চেক্তোলক্রে শঙ্গাই মপান্দা ।
গোপালন্দি উত্তরকুদা মাইহৈগ মবিদা কোইনা য়েংইদো ।
য়েংলকপদা নন্দরানী যশোদানা নাবদবু উবদো ।
স্বরূপ তয়ংনা চেংশিন্দুনা নাবুদদা খুদম্ইদো ॥

লোফা — মেন তালথা

হয়য়ু হায়য়ু মুনি গোসাঞি মিলমন্নিবু কৈনা লৈহৈরগে ।
চানবিহুনা অমুক্তদি এপী যঙমনিবু উহলমিয়ুনে ॥
কুইথরেদা উথিনবদো ইচাগী ফজবা মাইথোং অদো ।
মাবু পিজ্জগনি হায়রহুনা নমি মাখন পম্না থমইদো ॥
লাকখিদরে মানা চাথিদরে লোইমমক কহুনা লৈরেদো ।
ভ্রমা ওমা খোংহুনা কপই হত্তুনা যনবী যনাও অপুম্বা ॥
লোইনা পুমমাং মাংলেনে নন্দগী ফজরবা সক্রাই পুম্বাস ।
পুমথাং হাংদো বৃন্দাবন যনবী যনাও পুম্বা শোলখিদরে ॥
যমুনা চিরেন পুমথাং হাংলে য়েংউনে মী অমত্তা চংশিরে
উখোং রাখেং হংলে হচিক চিকাহ্রে ব্রজ পুম্বা টিযুম হুল্লে ॥

তাল অনি

সনবীনা কৌই বহ্না কাহ্ন মনা লনা কৌই গোপাল গোপাল
তারগা থলাইসে পুরুমপকে লহাইদা ব্রজ থাদ্রেদনা ॥
থাংল উদবা সেঙ্গ্বা নংগি কুল পুষ্ময়া তিনবা মুনিমি ।
ইচা গোপাল উংলসিংগনে লৈংঙবা অমুক্তা কুহৌহনবিয়ু ।
অর বদো তাররবদা মুনি পিনাং শিঙ্গতুনা কপ্পি হিক্কা হিক্কা ।
ব্রু বিগঙ্গ ইমা চুসিনগী ভগ্নি শুবদা উহলগনিনে ॥
কাংয়রমলগা থগ ই বানা মূান রাধাগী শঙ্গাইদা লাক্লে ।

চারি তাল - তাংখা মরি

নেক চুকায় চন্দ্র ; নুংহাইবদো কৈখিদ্রে ;
তকচাং য়াম্না কংদিনখরে ।
মঙ্গলগী মঙ্গল পুংশিদরে, অরু বন মশাক চুইখরে ;
হকচাং পুম্বা সুমরাও থাংরে ॥
থপুবদা রাখন থোক্লে ; থনাই লৈরি মঙাইরে ;
কুফ প্রেম মৈচাক্লা অনি মাখরে ।
ইকাই হকি থাদাকদে সখীশিং কেইনা লোগল,
রাধাগী মতৌ উবদা কপ্পহরে ॥
চৎবা ক্তশা চুপ্পা লৈখিদ্রে; থমুলদা সখীশিং বুখরে ;

অকে অমৌ লৈত্রে উফুস্না থাওথ্রে।
নিংশিংবা খোক্তুবা পুক্লিং হকখাংং; রাধানী অথ্রাবা উরুবদা;
মরোল খোকখিদবে থরাইত্ত লৈরি মত্তাইরে॥
কৃষ্ণ কাইন মৈনা চাকখিবনা; ব্রজ গোপীশিং অবা ইপাক্তা লুংথ্রে
উবদা হেন্না রাখরে ঋষি কৃষ্ণ কান্তনা শকচৈ।

শ্লোক

দৃষ্টাং ব্রহ্মপুত্র হৃদি বিগলিত বহয়ে অশ্রুপাত।
হা হা করি ফুকৃত করঙ্গ জল ধৃত্বাং সর্ব্বাঙ্গে সিঞ্চিল॥
নাম মন্ত্র উচ্চারিতা শ্রুত্বাং ধনী চেতনং।
অন্তগং প্রেম ঘুর্ম্ননং অংশু গদগদ বচনং॥

ইমালোন্দা

উরুবদা ব্রহ্মাগী মচা থবোইদা রাখিবনা পিরাং শিন্থে।
অরাবনি মাংলেদবসিদি হায়রনা কমণ্ডলুদগী ঈশিং চাই॥
হরিগী নাম মন্ত্র শোন্দুনা রাধানচিংবী গোপীশিং তাহল্লি।
তাবদা জ্ঞান লাক্লুনা প্রেমগা লোইননা হিক্লা হিক্লা হায়রকই॥

লোকা

হায়রিয়ুগবা মারম লাইনিংবা মুনি;
হয়েং লাকনি হায়রকই বনমালিনা॥

কাহ্নগী হায়েংদো কয়বা হয়েংনো থংদবে ।
হয়েং তাইবদা পুন্নিং চকচাং ভুমশিন্দে ॥
পুন্নিমাগী থাজমা নোংম নোংম শিকগুম্নে ।
পুন্নিং হকচাং পুম্বা মোংম নোংম কংশিনখরে ॥

আড়া

খুংদাপ্পা খুজি ওইরমনা ; পাম্বোম মঙ্গ কাওবা ;
শিন্তিনবা ময়খম্ভে ।
মেংউ মুনি শ্রীগী হকচাংসে ॥
মুংশি খংদবা মাধব চংগ্রে ; মৌজিক কাওবা হন্দক্নে ;
প্রেমগী ভ্রজ ভাগে শ্রীখোইগী কোক্লা ॥
শ্রীখোইগী চামবা বনমালি ; কদাইদা লৈরোই উনবরা ;
মংদি শুন য়াম্না লৈথনি অশুবনি ।
পুরক্ত্বনা শিমবিয় নিলমনিয়ু ; তৌওমদবা লৈজবা নহাক্তি ;
শিরবা ব্রজবাশিপুম্বা হিংহল্ল ॥
তাইবদা নারদ মুনি ; হিক্না হিক্না কপ্পুনা হায়রকই,
কুমিং হয়ি শুবদা উহলগনিমে ।
অস্থুম্না ব্রজগী মীপুম খুদিং ; থেমতিন্নমলগা মুনি চংগ্রে ;
কৃষ্ণ কাওবু পুকমঙ্গা থমগুম্বনা শকচৈ ॥

মেন তালচপ — বারি

চৎনা চংনা নারদ গোস্বামি চংলে মংলে খল্লকনি ।
ব্রজদগী দ্বারিকা কাওবা সেথ অতৌগী লম্বিদীদে ॥
মুমিং ভু মু শুবদা উহৎলগদি ভাবমন্ত্র বজদা ॥
কাংলৈফদা ঐগী যাথংনি শোয়দনা কাংলুবা ফারেদো ॥
থনা থরা চাকপমা বিলাস ভুবনরে মৌরবরেদো ।
যোগগী চংফম যৌগিমেশ্বর মফমদো হৈবা চংদি দা ॥
অমুম লাকপদা লক্ষ্মী লমথাংদ, মুগ রাগিনী ময়াম ।
সপ্ত স্বর তিনগ্রাম অমত্তা রাগচংনা লোইনা ঙৈরই ॥

তালচপ — তাল জলা

মল্লব মল্লার শ্রীরাগ বসন্ত হিন্দোল কর্ণাটেকা ।
রাগ নিপা অরুকনি ॥
বড়ারি গড়ারি সালিঙ্গ কামোদ পুরুষী সারুহী
ভাবিনী গান্ধিমী ললীত সালিতে পানসী মানসী
অসিনচিংবা রাগিনী কুন্থা অরুক ।
পুন্নমকসিনা হায়রকই নারদ মুনিগী মকমদা ।
মংনা ইসৈ শকপদা রাগ স্বর পদ তাম্রত্তা চুমদবে ॥
মাহগী দোসনা পুক্নিং হকচাং পুম্বাসে পুবা অমদিদরে ।
কম্বা কমা হায়রকই নংনা ঐবু স্বর রেক হৌবদা ॥

স্বর ছত্র ক্যাহুনা ঐগী য়া অপুন্বা লোইনা ছেকংয়ে ।
বনাগুন্দা রাগনা হায়রকই ঐগী মাকোং অমি পংঙে ॥
কলাগুম্বা রাগ রাগিনীনা হায় পান্থোম অনি থেংনরে ।
কলা কলাগুম্বা রাগ রাগিনীনা মমিৎ পাংবা চমথিজরে ॥
ঙনা বন অমনা হায় থুংডে স্বরেম লোইনা ছংরে ।
মাখলনা [illegible] হৈগে [illegible] ক্রমা হাংপা [illegible] পুরেনে ॥

রাগ

ভাবনা গোপাত্রি পিরাং চনা শিংদ্রি ।
[illegible] তান্নি নারদ ঐগে [illegible] গী মচানি হায়না নাপন তৌরি
অমনগী নারদ [illegible] বাংবা মমান থোইবনা লারে ॥
মাহাদেবগী শ্রীচন্দা [illegible] পাইনা থুরুমলে লোঙ্কুপা ।
নাম্বি [illegible] ইনহ্না [illegible] প্রেং হবা [illegible] ॥
গা [illegible] লাংনা লোইপু [illegible] হায় বনা [illegible] ।

খোইরা

খুনা উপুর [illegible] কোক্তা লাংলেনবা [illegible] ।
[illegible] চটগী নক্তা গঙ্গানা ইলং লাংজিনা ॥
পাপনতীর [illegible] পোগল্লি মোমোম তোকা লাংলোইরি ।
লাও লাও লাইনিংবা করি [illegible] লৈহ্নারে ॥
[illegible] চন্দা [illegible] হৈতেনি রাদি [illegible] ।
সপ্ত স্বর তিনগ্রাম রাগ রাগিনীনি মহামসে ॥

নারদ ঐদি করিমত্তা থংজয়ে লোইনহুনা লাকচরিনে ।
হৈজন ঐনা ঈশৈ শকপদ' ময়াংসে মঙ্গল ওইদয়ে ॥
ময়ামগী মঙ্গল ওইনবা প্রভুনা চাবিবিয়ু হায়জরি ।

ঠুংওরি

ত্রিপুরারিনা হায়যে নারদ নংদি কৰি ওমত্তা থংদে ।
হিং হুঁ কার ওংলগা স্বর ছও হৌদুনা শক্তৌবংনে ॥
স্বর রাগ তাল কায়রবশু অরাবা খোইনা ফাংলোইনে ।
অদুদগী নারদ গোষাঞি হুঁ কার খোঙ্গোক ওবথয়ে ॥
মওমহুদা রাগ রাগিনী পুম্নমক ফজবা ওইরে ।
অমুক হন্না নারদ গোষাঞি ভক্তি তৌনা হায়জরক্লে ॥
শ্রীকৃষ্ণনা ব্রজদা থারমি ঐখু ব্রজগী অরাবদো য়েংওমদরে ।
য়েংওমদহুনা হায়রমলে ওলিদগী হুম্নিওবদা কৃষ্ণ উহলগে ॥
হায়বিবা ঐগী রাথং কায়বা তারে প্রভু অমুক্তদি চালবিয়ুনে ॥

এক তাল—তাল অমা

তাবদা গঙ্গানাথনা হায় থুনা চংলো নারদ গোষাঞি ।
ঐগী রা পুম্বা শ্রীকৃষ্ণগী চরন্দা মংনা হঙ্গংচক্লো ॥
পুনা ভুমি কুরুক্ষেত্রসে অখোইবা তীর্থ মফমনি ।
মহুদা চন্ত্রনা যজ্ঞ তৌম্নো পোংলম পুম্নমক পুরফুনা ॥

শ্রাশ্মান বৈষ্ণব পণ্ডিত মুনি প্রজা পুষ্পা ব্রাহ্মন ভৌরো।
মনাই থাদুনা ব্রজগী মীপুম খুদিং লোয়না লৌহল্লুরো॥
স্বরাষেম্মচিংবা লাইয়াম পুম্বম্বু বাহ্মন তৌদুনা কৌরুরো।
অদুম তৌরবদি লাইনা ঈশ্বগনি মঙ্গীদ চিংবা খুঙ্গবি॥

বারি

মাহাদেবগী বাহৈ তাবদা নারদ থগনা হায়না চৎখ্রে।
বাহৈম পুম্নমক শ্রীকৃষ্ণদা লে ইনা হঙ্গংলুরে॥
মনাইগী বা তাবদা থৌরম পুম্নমক লাংহুনা॥
মী লাক্ত মুনি লোইনবুনা লাক্লগা যজ্ঞগী থৌরাংলে।
অহবা পুংফম য়েংদুনা মুনিশিংনা যজ্ঞ তৌরক্লে॥
মনাই থাবিদুনা বাহ্মন তৌরগা ব্রজগী মী খুদিং।
নন্দনচিংবা ময়াম লাকনবা থৌরাং তৌনয়ে॥

তাল অনি

কৃষ্ণগী পাওবু তাবদা নন্দ যশোদাদা হায়রবই।
লন থুম নমপতি ময়াম পুদুনা ইচ গী নাক্তা চংসি॥
রানিনা হায়জে হে মহারাজ শগোল শাম্নু কাং পুদুনা।
পুং শেল যন্ত্র থোং য়ৈহুনা নিন্দুনা মুংজাইনা লেংবিয়ু॥
লাইবক খিবী লাইহরবী ঘ্রারবী বারবী ঐদি কৈদৌকনি

ইথন্তা চৎচনি করিমত্ত' পুমোই অত্তাং ঙইরিবিডেদা ।
শেংলম্বা ফৈজোম শেগাইবা ইচানা চারম্বা ননি হেয়া ॥
অকংবা সন্দেস হাপ্পা অমোৎপা ভেঙ্গোৎ অনিমিদ পুগনি ।
পুত্থনা চৎলগা কুইনা উত্রবা ইচা গোপান্দা ইনগনি ॥
মচা উজগনি হায়ত্থনা য়'নী হব ওনা লেম শাজরে ।
বাল্মীকী ভেংথা য়'ইবু ভোল্লবা কুন্দ থা'ত্তন' নকাৎখি ।

ঠুংডরি

নন্দ মিংথৌনচিংবা প্রজা পমমক যাত্রা ভৌহনা চৎনি ।
অমমনা মচাগী থাংজেং নমথ হুহু পুত্থনা যা গী চৎলি ॥
গুৱাল গুরু'জী মাগী মাগী কাংলুপশিং লোইনমা চৎলে ।
শ্রীরাধিকা ইবেম্মঙ্গ মা'গী মত্তাশিং ময়ামগা চৎলি ॥
শ্রীকৃষ্ণ উজগনি হায়ত্থনা অমত্তা চিংথদনা চৎলি ।
উবগা শক্তি লাবা অহোম থব ই সুংঙ ইতনা হৌংলি ॥
উবগা শক্তি লাবা অহোম থবাই সুংঙাইতনা হৌংলি ॥
বৃন্দাবনগী শা উচেকশিংগী কপ্পগী গোঙ্খেলহত্থবা নিল্লি ।
বৃন্দাবন থাদোকপা ওমজত্থনা চিত্তা ভোত্থনা লেল্লি ॥

আড়া

ব্রজগী মীয়াম জাপুম্বা কুরুক্ষেত্র লম য়ৌরক্লে ।
য়াম্মা পুন্য চেন্নবা কুরুক্ষেত্র কৌবা লমদমনী ॥

ব্রাহ্মণ পণ্ডিত নিংথৌরেল মখম চানা কময় ।
অচৌবা নিংথৌরেল ওইনা কৃষ্ণনা কমলময় ॥
শ্রীনন্দনা চংবা ব্রজগী মীপুম থুদিং কৃষ্ণবু উবে ।
অসিগুম্বা মরাম্বু তরাম তরাম তৌদুনা মুংতাইহল্লি ॥
মতম অসিদা যজ্ঞ তৌরে দুর্বাসানচিংবা মন্ত্র শোল্লি ।
যজ্ঞ কুণ্ডদা মুনিশিংনা থিয়াম হৈদুনা হোম কৎলি ॥
যজ্ঞগী মৈরি মৈথু উবদা মুনিশিংনা হরাওই ।
যজ্ঞ লোইশিন্নবগীদমক হোম কৎপা হৌরক্লে ॥

এক তাল = তাল অমা

মতম অসিদা যশোদা রাণীনা যজ্ঞগী থোংদা চংলক্ই ।
থোংশংবনা হায়রী হে লাইরবী মঙ্গুংদা চংবা য়াম্মোই ॥
রাণীনা হায়রে হে থোশংবসা চানবিয়ু এবু চংজগে ।
নিংমনাগী মুংশিবা মাইথোং অমুক্তদি উহনবিয়ু ॥
ইন্দবা কুইরে ননী মাখন ইমা অমুক্তা ইনবিগে ।
উজরগা ইচাগী মাইথোংদা এনা নিংজবা থুংজরগে ॥
মপোক কয়া পুন্য তৌজরগা নিলমনিবু ফংজবনী ।
ইচা গোপাল উজরগা চাক্লিবা থবাইসে ইংজরগে ॥
হা গোপাল হা গোপাল ইমানা রারিবসি উন্দ্রবরনে ।
ইমা ইমা মুংশিনা থুমউ ইমামাখন ইনগেনে ॥
মমাগী মুংশিবা স্বর হেক তাদা কৃষ্ণনা থমোই বায়ংরে ।

দুই টেকা - তালথা অনি

ঙাইখো ঙাইখো মুনি পুঙ্বা ঐগী ইমা লাক্লুনে ।
মুনিমা নঙ্গী ইমাদি ননাঙ্গা যমহনা লৈরিয়ে ॥
জগৎমা থংনরবা ইমা ইবেম্মা দেবকী লৈরয়ে ।
অপোকপা দম্মা নঙ্গা নঙ্গীদি ফমহনা লৈরিবে ॥
তাঙ্গাসিদা গোপাল গোপাল হান্নী কপ্পা কোরক্লেনে ।
হেক ভাবদা অঙাউবগুম হৌগত্লুনা চেংলে ॥

লোফা

ময়াগী চন্নন কোন্দুনা কৃষ্ণ হন্না হন্না খুকমই ।
মচাগী মাইথোং উবদা প্রেংগী ইথক হৌরকই ॥
মচা মিলমনিবু চেক্লেং কোল্লি হন্না হন্না চুপই ।
মচাগী মশাহুবু শিং শিং নাল্লি লাইবক্তা চুপই ॥
মমাবু লুনা তৌহনা শমহনা শিংথিনা যমহল্লি ॥

ঠুংরি

দৈবকিনা হায়রকই কৃষ্ণ মীনম্বা থক তৌগদ্রকো ।
নংমা মীনম্বা হায়রবদি ইমাগী কোক চাখা শকউ

মতমসিদা মীনমলন্দি ইশ্বাখু হাংপ শবউক্কো ।
কারাঘরগী বন্দিশংদা পোকপনি ঙগাংনা থংনরিবনি ॥
লাইরবীসিদা ইমা কৌরবি মুখা ঐদি থংদেনা মাবু
হংউ কনাদনো অরেগো শাক্ষি পিহল্লুনা থংননবা
তদুদা মুনি মখয়া কৃষ্ণ য়েংহুনা চায়রকই থাংনবা
হায়রু যজ্ঞ শাগে অথোইবা নিংথৌরেল চক্রবর্ত্তিনি ॥
অশংবা কুরুক্ষেত্র তীর্থনী মিনখা লোইহৈদে থংনিহুক্কো ।
সাগা কাঙ্গদবা অরেপ্পা নিংথৌনি ভচুম্বা হায়মিমুক্কো ॥
মশা হাংপা পাপ কিহুনা কৃষ্ণ না অমত্তা তাংখিদরেদো ।
উবদা মুনিশিংনা হায় কৃষ্ণ লিরুং চামা হন্দোকুনা লৈয় ।
ইমা অনিগী অমুক্ত পিসুখবপা য়া কথোকুনা লৈয় ।

লোকা

শ্রীকৃষ্ণদো তাম্নবদা লিরুং চামা হন্দোকুনা লেপখ্রে ।
দেবকী রানী হৌগত্তুনা অমুক্ত ওবা কয়া পিহ্নরক্লে ।
অমত ঈচেল কয়া লাকুগা য়োদনা লমখাদা তম্রে
অমুক হয়া পিহ্নরকপদা কাখংলিবা মাদং য়োঁদরে ॥
উবদা মুনিশিংনা হায় হায় অরাবনি লাওনরক্লে ।
মীয়াম পুম্বা লাংনরক্লে করি থোক্লগনি খল্লরক্লে ॥

এ ৮ তাল — তাল অমা

মথাদ, কংনবী নঙে দাদো রু ০ । ৫ গৎন । ক্লপহৎাহ ।
পি তান শ্রীবিষ্ণু নিংশি ভুমা কমুওখে চহাং চপুরে ॥
পিক্রবা হৎ, মঙ্গী নহৎ ও হৈচেন দো । খ কা । চে. ক্লে
লয় ওজাই, যাকপদ হৎেদোহ স্ম ন ম ৬হুবারু ।
ই. চস লিশিং অম কাপৎলা রুকপী মানুংদা চ হবে ।
নিংথৌবে ব্রাহ্মন পণ্ডিত ন্‌'পমং হামু হরাওবারু য
মঙ্গল ওই'র মাইকরে হায়বা খোঞ্জেলনা নিকপ. ন ।
অ'কাশক্ত লাইরামু মঙ্গল পুং ঢৈ, রু লৈয় ম ক দহরে ॥
মুনিশিংনা হারেরকহ চ ব মু'চব ৬ৎ ৬ম্ব হন্দ ও
ও সদগী গোপ শাচে নি ক ববা এ ‍ ‍াই ,ম থংনরে ॥
ধন্য ধনা যত্নমনি গোপ শা টৈগ অথোইনা পানচেব ।
অত্তাংবনি কৃষ্ণ চন্দ্র মনশেল নহাশিঙ্গা দুচি লিবা ॥
জয় ওইরে হায়বা খোঞ্জেম. নিনখক্তে মুলশিং, থংনা ।

খোইজ্ৰা

শ্রীগোবিন্দ ইবুংঙাবা, ৭ৎ ম ক্কাহ ভেইুন
ব্রজ গোপী শঙ্গো পুক্তিং পেনহুলম্লি ।
মতমসিদা মাপা মানা । লোম্নুক হৎংচমৰই ;

ল ই ক গীতী .ত'ল্লবী গোপীনী ॥

শাপা কল্লম্ম মুম্মিনা, পুহিবা মতমদনী ;

কা'ইন্ন তৈলা বাহুতী হকচোতন

ছ'ন েব ফ নদা ; িন:জেব পুষ্পা থ জ'র ;

দগংনা ৫ ড.দ ১ সন তৈনা।

অনম্নদি চৈনদা, সাংমমত পাহলদে ;

বৃন্দাবন্দা উজ্জদো বজুনদি

অ সদদি মায়াম িজনযম্মি ; শগোল শামু দলাহিনা িনলবনি:

হকে অ.মী জেথাঙ্ক ণাপল কাযন্নি ॥

পুন বনিি নয সশংক ম্ম; থামু বোবিনগী মু িশব, .থাম্মাংনি,

বন্দাবনি ে ম েগা চিন্তাবন্নি ॥

, ডভিং = । জা জা = জেলে অহ্রম

. ,াপাগী লন কনা ব্রাস যজব তবদ ,

ভুং'শরুহ পাইনা বৃষনা েম'কলবৎ ।

এক ,গাপী শা পুষ্প। এগী হরাইগী লম্মি ;

ব্রজ। তৈবনা পুষ্পাগনা এগী থবাহনি ॥

ল-ীতা বিশাল নচিংব বৃষভ এগী পুনিনী ;

হ বা হ . ক্ত েবগী ক্ষা েপান ি এদি

নংশনা এগী থ.ইগী ভ াহবা লনিে ,

েনংদন েলাইননা বৃন্দাবন্দা শামগনিকে ॥

এক তাল = তাল অমা

কুঞ্জ ইচিক হুনখন্দে পুক্কিং অমম্বা ওইখরে ।
হকচাং তঞ্চাই চন্দনা ওাল্লে তঞ্চাই শিন্দুরনা ॥
ফুইনা হৌবা নোংলক্কা লেংদরবা নোংথাং বুপলক্কে ।
মাহোঙ্গা শিনগা চান্নথরে তাইবং মঙ্গল ওইরে ॥

ব্রজদা শান্নবা লীলা মপুং ফারম্বনা শ্রীরাধা গোবিন্দ ।
মনি সিংহাসন্দা ওাম্মোইরে পুন্না জগৎ পুম্বা যাইফারে ॥
মহৌশাঙ্গা তারুবা লৈতবা সখীশিংনা সেবা তৌজরে ॥

ফজবা অনিগী শরুতম

খেমতাল

পুক্কিং হুবা শংবান্নবা স্যাম; ফজবা রাধাগা পুন্না ওাম্মে ।
ফজবা ওমথৈ লৈতরে পুক্কিং হকচাং লোইনা চিংথারেনে ॥
অনিগী তঙাংবা থুয়া থম্বামা ঈশিং বংফান্দা লুনা ওাম্মে ।
লৈহি পাম্বা থোইমু অতৈ লৈতি খাংদক্কুনা পাইমক্কে ॥

হে পুক্কিং থোইমু লৈহি পাম্বা অতৈ লৈহি পানলুমগ্ঙ
চম্মন থম্বান অনিগী ভক্ত পামঙনা থকচরো ॥

মারি

যজ্ঞ পুর্ণাহুতি পিহনা লোইরবদা দক্ষিনা কংলে ।
ব্রাহ্মন পণ্ডিত মুনিশিং লোইবা পেন্নহনা হন্নখ্রে ॥
মা লাই নিংথৌরেলনচিংবা প্রা । পুস্পক দান কংলে
পুস্পক মাল্লি মাগী মফমদা লোইনা হন্নখরে ॥
অসুম ওইবা শ্রীহরিগী থৌপলবা লীলা রসসিন্ধু ।
কৃষ্ণ কান্ত খুরুমজহনা ত্থোল্ল ধনঞ্জয়না শচ



জগাই মধাই লানবিদা

ডাসপের — তিনতাল — তাল অষ্টম

খোঞ্জালগী মপুওইনা অমুক্তা খোঞ্জালবিয়ু ।
মঙ্গী খোঞ্জান্দি তাইবং লানথবনি ।
ভজন সাধন হৈজদে অমুক্তা খোঞ্জালবিয়ু ।
হা গৌরাঙ্গ খোঞ্জ ম হৈবাও ;
শচীগী মপাল্লি হা গৌরাঙ্গ ;
খোঞ্জাল হৈবা শচীগী মচা ;
খোঞ্জাল হৈবা খোঞ্জালবিয়ু ॥

তালথা অনি

জগাই মাধাই লানবিগে হায়না সঙ্কীর্ত্তন তৌরি গৌরাঙ্গনা ।
ভক্তশিঙ্গা লোইমনা কোইনা সঙ্কীর্ত্তন তৌরি নবদ্বীপ্তা ॥
ময়াইদা জগোই শাদুনা চংলি লোইননা শ্রীনিত্যানন্দ ।
অদ্বৈত পুং ফজনা মৈরি ভক্তশিংনা চৈশে মুংশিনা শবই ॥

৮ওঝা চাইগোইগী বাঙ্গলা পদনি ।

হরাওনৈ অমুক নোকই হীক্ত হীক্তা অমুক কপলকই ।
উরুবা মীপুম খুদিংদা পিনবিরি অথোইবা প্রেমগী লন ॥
শ্রীহরিগী মিংলেহুনা নিংগ্রে মালেম অপুম্বা ভগহ্ব ।
তারগা পাপিশিংনা পুরিংদা নিংপাইবা পোৎরে ওম্না ॥
পাপ পাসিণ্ডি ক্ষাওবা প্রেমগী লনবু য়েনবিরি লেম্না ।

তিনতাল মচা—টেউং = তালথা অহুম

নবদ্বিপ্তা ব্রাহ্মন মচা অনি লৈ ;
নেশা চাদ্রুনা অহিং মুংথিন্দা শাউহুনা চংলি ।
মতং কত্তে য়াম্না চৈ থাংই বৈষ্ণব নিন্দা তৌই ॥
প্রভুগী কীর্তন য়েংনিংঙদা য়েংজবা ওমদে ;
অনি কিবদগী মপান থোকনা ওমদে ।
সঙ্কীর্তনগী খোঙ্গেন্দা শাওহুনা জগোই শাম্রে ।
জগাইনা হায় মাধাই নবদ্বীপ্তা য়াম্না মিশ্লিবসি কবিগী নো ॥
কবি হায়রিনো সিংহনাদ কম্না লাওরিনে ।

তালচপ = তাল অনা

নোংমাদি শ্রীনিত্যানন্দনা কীর্তন তৌদুনা কোইরকই ।
নেশা য়াম্না থত্তুনা ময়াই কানা লেপ্পুনা কন্দী থংলি ॥
থলেবদা শাওদে নিত্যানন্দ নোত্তুন খুং থাঙ্গত্তুনা হায় ।

হে মাধাই ভাই খুাইদগী খ্যবা মিংলেনবু থবউ ॥
মমল য় ওদনা ফিগে প্রেম, পাম্বোম থাঙজনা শোল্লু।
পাপকী থবক থাদোকউ কৃষ্ণ শোল্লু পুন্নমজগী যবা ॥
তাইবঙ্গী অরাবা অপুনবা পুন্নমক কোকদবনি ।

রাগ্রি

তাবদা ময়াই কারবা জগাই মাধায় খ রা খাক্না নোকই ।
হে অতাউবা নংনা হায়রিবদো করি রাবু কৌবগে হায়রু ॥
কনানো হরি শোল্লু হরি শোল্লু লাওজনা কোইচৎ চৎলিবা ।
থৎলু থৎলু মাধাই কাও কাও চৎখিনী অতাউবদো ॥

দানি তাল • ॥।

নিত্যাইনা হায় ও হে ভায় ঐগী রাসি মুন্না তারো ।
তাইবং লানবদা শ্রীহরিনাম নত্তনা পাঙ্গল লৈতে ॥
তাবদা মেশা চকু লংশিন্দুনা হায় নমিং করি কৌই ।
নিত্যাইনা খুমই (অবধুত) অতাউবা কোই ঐগী মীং ॥
অতাউবা কোই তাবদা খোইবা হেন্না শাওরক্লে ।
মেশা চকুগা লোইননা খুমা নিত্যাই কোক্তা থারে ।
চেগাই মচেৎ যুবনা নিত্যাই প্রভুগী কোক্তগী ঈ তারে ;
শ্রীগোবিন্দ নিংশিংল্লুনা নিত্যাইনন্দ অদাখা বানা থাংই •

হা হা গৌর প্রভু লান্দুবা হৈমাইথক্তা ওহোইরে ।
ওঠ কাঙবদা করেগৌগে নংবু হরি লোম্লু হায়রকই ॥
অঙাংবা ঈবেং উবদা চেলশিন্দুনা জগাইনা থামই ।
অমুক হম হম্না থাগে তৌরবু মখুং পায়রুনা খ মথরে ॥

এক তাল—তাল অমা

ক্রিয়গীনো মাধাই লমলানবা চেঙোইবা ফুঙ্গিরদো ।
মীগী মকোক্তা চুমা থবদে তৌহৈদবানিনে তৌগম্ল ॥
ব্রাহ্মণ শৈক্তেদা নংসে করিগী অমুক ফুংশিহৈতবদো ।
লমলামবা অশ্নোহৈবনু নংনা করিগী ফুখিরিবদো ॥

ঝারি

খোদোত্তু উবদা ভক্ত অমা চৈমখিত্নুনা প্রভুদা হমলরে ।
ও বদা মীয়াম লোইনহুনা ঠাকুর থনা য়াংনা চেক্লকলে ।
নিত্যাই প্রভুগী কোক্তগী চেঙ্গহঙ্গ ঈথে দো উরকলে ।
ঈশ্বরগী স্বভাবনা শাউরে মপানগী ভন হৈক্তমা ॥
গৌরগী মস্তিক মগুন উবদা ময়াম কিহুমা নিকমরে ।

ঠুংরি

চক্র চক্রথাম কৌহনা য়েংকী পাম্বোম থাংগংলক্রে ।
থংহোদনা পায়দভুনা চক্র প্রভুগী খুত্তা থংলরে ॥

জগাই মাধাই ভুমিদো উংদা কিন্নবা থিকলক্লে ।
খুদক্তুদা নিতাই প্রভু হৌগত্তুনা থামলকই ॥

দুই তাল = তালখা অমি ।

তাকশিন্নু প্রভু অনি অসে ত্তোংলবগী মপু ওইবা ।
কিদবনু পিন হৈবা মঙ্গী শ্রীচন্দ্রা চংঅরি হরি ॥
তাবিন্নু প্রভু খৌজানহৈবা পাঙ্গল লৈত্তবগী মকপ ।
পাশিশিং লানথিগে হায়না শাম্নোনজিবা মহাক্কি ॥
লাকপগী মহৈ মানহল্লো অনিসিন্নু লানখিহ্নবা ।
লাইগী নোংদমদগী ভুব ঈনি ঐগী অমাবা লৈতেনে ।
ঐতোন্দা ভিক্ষা হাঙ্গীবো প্রভু অনিমক্তী হকচাংসে ।
ঐতোন্দা করিমত্ত, অমাবা লৈতে তপথবিয়ু প্রভু ॥
নিত্যাইগী মাহৈ, তাবদা জগাইনু কলবিগে খলক্লে ।
জগাই মত্তৌ উবদা খৌজ্জাল মিংয়ংনা চ লবিরক্লে ॥

এক তাল – তাল অমা

লাও লাও ভুন লৈখা জগাই নংনা দাদানু কলবিরে ।
চংশিল্লকউ লুংওাইরে নংবু অমুক্তদি কোনগেনে ॥
নংগুম্না লাইবক ক্ষবনু মালেমসিদা অমা লৈতরে ।
চানবি হৈবা শ্রীকৃষ্ণনা নংবু খৌজালবিরসহ্নকো ॥

মাংবা নিত্যাইবু কপহিংবগিদা ঐগী পেংবা কোইরে।
মংসে ঐগী কুইনগী মমল খামলধা লম ওইরে॥
ঐদি নংত্তোঙ্গা করি অমত্তা পিনিংঙাই লৈত্তে কোকপেনে।

আড়া

অসি হায়না প্রভু পাম্বোম মরি পাললক্লে।
বিশ্বম্ভর উবদা জগাই কিবনা থক থক নিকলক্লে॥
চরন পাবহুনা জগাই দণ্ডবত ভক্তি তৌরকলে।
অতকপা মীনা ওমদবনু গৌরাঙ্গনা ওইথিরকলে॥

চারি তাল – তাল মরি

জগাই মাধাইসে; থম্বাইদি অমত্তুদিমে;
হকচাংদদি তোঙ্গালবনি।
মরম অসিদগী; জগাইবু চাপথিবদা;
মাধাইসু মবুক্লিং ওক্লক্লে॥
কিনা কিনা তগুপ তুরানা; মাধাই ওক্লা কি য়েংদুনা;
কপলহুনা প্রভুগী চরন্দা থুরুম্লে॥

ঠুংরি

প্রভুনা হায় হে মাধাই নংবু ডাকপিবা হমরোই।
নিত্যানন্দগী হকচাংদা নংনা করিগী ঈ থোকহল্লিবা॥

মাধাই কিখনা থক লক নিকট থুবাং ভবা লোম্নজে ।
চরন্দা চংজখি প্রভু ননাই তোল্ল পাপ্সিবু লানবিয় ॥
জগাইথুদি লানখিরগা ঐবু করিগী লানবিদববগে ।
হকচাংদা তোংঙানবনি জগাই মাধাই থবাই অমত্তনি ।
তাইফেনে ইবুংঙো মহাবসে পাপ্পিশিংবু চালিংহৈবনি ।
মঙ্গী চান্নবা নিত্যাইগী কোকলাঈ তাহলবা ভম্বা ঐদি ॥
ঐগা মান্নবা পাপি অমা তাইবঙসিদা লৈতত্রবনি ।
তোল্লববু চালবি হৈবা মিংলেন্দুনা ঐবু চানবিয়ুদে ॥
প্রভুনা য়াম্না লংঙ্গবা কহাক্লি শ্রীনিত্যাইদা চংজেনে ।
প্রভুগী থৌজান য়াথং ফংবদা নিত্যাই চখন কোঙ্গাম
লংজববু চাকপিয়ু হায়না দণ্ডবত তৌনা খুরুমচরে ।

লোক্ষা

হে নিত্যাই চালবি হৈবা জগতকা মহাক্লি ।
শ্রীচরন্দা লংজরবা মাহা পাপ্পি ঐগাক্লি ॥
চখবিহৈবা মঙ্গী মিংলেন জগতকা নিম্নরি ।
তাংলবা অনিগী চেরন্দো ঐগী কোক্তা হাপ্পিয়ু ॥
প্রভুনা দাদা নিত্যাই চাংজমখদি চানবিয়ুমে ।
প্রভুগী য়াথং ফংবদা মনাইবু মুংশিনা কোলবিরে ॥
মায়াগী অপুনবা পুম্নমক কোকচহনা অনিনা ।

প্রভু অনিগী চরন্দা থুবাং তয়, লোম্না হায়রকই ॥
অনিগী ভক্তিহু উবদা শরস্বতী লৈরেংদা তোংখরে ।

তুটিল তাল

জয় ওইরি শ্রীকৃষ্ণ চৈতন্য চন্দ্র নিত্যাই চান্দনা ।
কনানা শিংথাবা তমগনি থংতমত্রবা অনিগী শুম্নি ॥
থুরুমজরি ময়াংগী মপু মাহা প্রভু গৌর বিশম্ভর ।
থুরুমজরি শ্রীনিত্যানন্দ মালেম পুম্বাবু পুখিহিবা ॥
থুরুমজরি শচীগী মচা তন পুম্নকী তুংনকম ।
থুরুমজরি নিত্যানন্দ চৈতন্যগী চান্ন খোইবা ।
থুরুমজরি শঙ্খ চক্র গদা পদ্ম শুলাই পায়বা ॥
থুরুমজরি প্রভুগী মশক ওইবা প্রেমদা তাওরিবা ।
থুরুমজরি শ্রীঅদ্বৈতবু তম্বা শ্রীগৌরচন্দ্র প্রভুবু ॥
পাপ চেন্নবা কয়াবু নংনা ইলাই লাইনা লানবিবা ।
অঙ্গৌ মিংলেন শোঙ্গবদা ব্রহ্ম কোটি হাংলুবগী পাপপু
পাম্ন, লাইনা কোকই হায়না বেদ লাইরিক্না হায়রি ।
নঙগী নাম্ব, শোম্নিংঙবা পাপ চেন্নবা ঐখোই অনি অচে ।
চানবী হৈবা মতুনতনা পোকপগী মহৈ য়ানহল্লে ॥
কপ্পা কপ্পা জগাই মাধাই প্রভু অনিদা হায়জয়কই ।
অনিগী পাম্ন, কোকপিহনা শ্রীনিত্যাই গৌরাঙ্গ প্রভুনা ॥
ভক্ত বৈষ্ণব পুম্নমক্না পুহনা ভক্তি লোইনা তৌহল্লে ।

অচুম ওইবা হায়গুমদবা অহুকপা ভৌহৈ গৌর ॥
হায়বা ভমলোই মীওইবনা গৌরাঙ্গগী মঙনবু ।
কংজেমগ্রবা শ্রীচরনবু নিংজহনা খুরুমজরিয়ে ॥

ঝপ তাল

শ্রী:গৌরাঙ্গবু নিংউ শোল্লু ফজুরবা হে পুক্কিং অপংবাও ।
কলি যুগকী অথোইবা লমি শ্রী নিত্যাই চৈতন্য অসে ॥
জগাই মধাইগী পাপ অদো লাইনা মাংহলদিখের ।
লাইরিক হৈবা ধর্ম্ম শন্দোকপা বিষ্ণু সেবা তীর্থ চৎপা ॥
বেদ হৈরবশিং পুম্নমক্তা গৌরগী মনাইগা মান্নদে ।
বেদনা লাম্বদা কংজেবা থংজেমগ্রবা গৌরগী থৌজাম্নি ॥
মাবু নিংজরবা মিহুদি অয়াংপা পুম্বা অমত্তা চৈতরে ।
কৃষ্ণ কমবু খুরুমজনা তোম্ল থনজ্ঞরনা শফচৈ ॥

ভক্তি গোবর্বর্দ্ধন পূজা

আবাহন = কৌজবা

সুট এক তাল = তাল অমা

লেংনিরাক্রো থমোইশুংদ গৌরাঙ্গ শকুম উহলনিরো
শ্রীচরন্দো থমোইদা লাচেহ্নবা নঙ্গী মিংলেন শোঙ্গগে।
পামজরিয়ে পুক্নিংদা ফকনিঙ্গা লোইননা চালবিয়ো।
হরিনাম অমৃত শোঙদুনা চাক্লবা হৰু ঠ ইংজগে॥
তাঙ্করিয়ে পুরাম্না লাওবা হরিনাম অমৃতগী মঙ্গন।
লানখিথরে পাপিশং ময়াম শাক্ষি ওইরি অজামিনা॥

গৌরচন্দ্রা আড়া

য়েংউ য়েংউ অত্তকপনি গৌরাঙ্গগী লীলাসে।
ভক্তি চিংবু থাঙ্গৎপিরে হৌখিবা লীলাশমেনে॥
নবদ্বীপ্তা ফোংদোক্লবা লীলা শান্নবিররেনে।
শেংঙ্গ ভক্তি গোর্বর্দ্ধন পুজা তৌরসি হৌদোক্লে॥
ধন্য কলিসিদা মীপুম খুদিং তাকপিরর র।

৺শ্রীসাইশ্রম গোপাল ওঝাগী বাঙ্গলা শদনি।

তাবা শোনবা ভক্তি মাপন্না শিনং উপান্নি ॥
(রস) মহাও মঙানা মহে ওইনা যাহেনে ।
তু চুংবমা য়েন্নিং ছুংবনি পিরাংনা মনানি ॥
শুংনাংবনা লিবি ছুম্বা মুংশিং ওইনা শিংলিনে ।
ইন্দ্রিশিংনা পোংলম ওইরে হিং নিংথৌ পুজা তৌর ॥
প্রেম মনিতনা কংজৈ ফংজমজবা মবুংহোবু ॥

ঠুংউরি

কজবা লিচং উবদা কলি যুগ স্বরারেন্না ;
শাউথিবনা মশা পুম্বা থক থক নিকই ।
ওইদবনা ইরাবত ওইরে ফত্তবীনা মাহারানী ওইরে ॥
কত্তবা লানমী লোইনহুনা শামু তোংহুনা লাল চংলে ॥
অপাম্বনা নোং ওইরে অশাউবনা বজ্র ওইনা লংলে ।
মীয়াম পুম্বা কিথিবনা থক থক থক নিক্লরক্লে ॥
লৌনিংবা অঙকপ্পা লেন ওইরে নাপন্না লোংলৈ শুংশিং ওইরে
পুকচেন তপ্পা অচুম্বা চংপা ধর্ম্ম কাইদবী ফজবা মাংহলে ॥

তাল অমি

জিবগী কিবা কোক্নবা খোজান হৈবা গোরনা ;
কলবিগে হায়না মওন ২ থলক্লে ।

ভক্তগী রাথবা অথোইবনি মশামক্তা লৌবিদুনা;
ভক্তি গোবর্দ্ধন চীং থাঙ্গংপিরে ॥
মীয়াম পুযা চংজদুনা অহাবা পুযা কোকচরিয়ে;
কলিগী অকিবা পুযা কোকথরে।
মতমদুদা কলি নিংথৌ; মাইথিবা হকায়বা ফংদুনা;
থুমা থবান্দা চংজরক ॥

তাল অমা

লংজবা পুযা তাকপিয়ু হায়না নোনলুক্তা হঙ্গচ্চরি,
জিব পুযসি প্রভুগী ভক্ত ওইরে।
অঙ্গী নগুন ম্বিংলেন শোরেবদি ঐমা মাবু হায়েনবা ওমদে;
অবেপ্পনি চৎন্দা হঙ্গচ্চরি।
অভুনা কলিবু থোক্তানবিরে ধন্য কলি মমিং থেংলে;
তাইবংদা নিল্লি হৌজিক ফাওবা।
চৈতন্যদাসনা হায়রে গোর্ব্বদ্ধন থাঙ্গৎপা লীলা ওইনা,
যুগ যুগ খুদিংদা জিবদু লাকখিরি॥

দাস পেড়ে

কয়াদা মুংতাইহিখনো শ্রীবৃন্দাবনসে।
চিং নিংথৌ গোর্ব্বদ্ধন পুজা ফজবা তংবৈ লৈতে।
শ্রীনন্দনচিংবা গোপ গোপী পুকচেল তিনজনা।

চিং নিংথৌ গোবর্দ্ধন পূজা ফজনা হয়াংনা থৌর ॥
অথুম অহাও সন্দেস পুম্বা থেনগতনা কংলি ।
কৃষ্ণগী মিংলেন মগুম শবনি পুং শেল ফজনা য়েরি ॥
মতমসিদা শ্রীকৃষ্ণ লাংইমক ওইদুনা চংলিরমে ।
চীংদোন থক্কা ভগুকপা ফজবা শাক্তম কাওলিরে ॥

তাল ছমা

উজবদা গোপ গোপীশিং পুম্নমক হুকমচবি ।
হায়রৈ গোবর্দ্ধনগী ফজবা শক্তম্না তালাৰ্ম ॥
শ্রীনন্দগী মচা কৃষ্ণনা থুকমচদুনা কায়বি ।
য়েংউ কয়াদা লাইবক ফথবা গোপ গোপী পুম্না ॥
ব্রজগী তিথ লোইনমক হয়াও মুংথাইনথে ।
চিং নিংথৌদা থুকমচদুনা মঙ্গল পুম্বা নিজরক্লে ॥
ফজনা ফিজেং লৈতেংলদুনা মচা চেলবা যজ্ঞীদে:
বেদগী নিয়ম চুম্না ব্রাহ্মন পণ্ডিতা দান বংলি ॥
শ্রীকৃষ্ণনা লোইননা গোবর্দ্ধন পূজা তৌজবগু ।
কৃষ্ণদাস থুনমদুনা তোমল ধনঞ্জয়না শবচৈ ॥

— • —

আবাহন — কৌজবা

গুটা এক তাল

লেংবিরক্লো সঙ্কীর্ত্তনদা শচীগী মচা ইবুংঙো ।
কৌজরিয়ে ভক্তনা শচীগী মচা ইবুংঙো গৌর ॥

ঠ

লেংখিরক্লো গৌর নিতাই ব্রাহ্মন শাগে অথোইবা ।
ব্রাহ্মন পুখৎলী কোক্‌নী নৈতেং ব্রাহ্মন শাগে অথোইবা ॥
মঙ্গী যন্ত্র মংনা পাংইবিয়ো মঙ্গী কীর্ত্তন নংনা তৌবিয়ো ।
পূজা তৌজগে তোলবনা থমোইদুংদা চরন লাৎচদুনা ॥
পুক্লং তুলশী ভক্তি চন্দন কাওদুনা পূজা তৌজগে ।
খুইঃরাইনে কীর্ত্তন, লেংলক্লুবদি মংনা ;
কীর্ত্তনবু খুৎওাইবা পিনবা হরি ;
লেংখিরক্লো গৌরহরি ;
কৌজরিয়ে চালবিয়রো ॥

গৌর শক্তম

তাল মেঁড়ে

কবিন্দুঙ্গী উজক্কবা মৌদ মৌবা শবহেন্নবা ।
ভক্তশিঙ্গী শিদবা উপাল নবদ্বীপ অসিদা ॥
মুংশিবনা উগী উশানি পামজবমা উমানি ।
কজবমা মপানি জগৎ পুম্বা মমহৎপনি ॥
অচৎ চন্তা মী লাই পুম্বা মাপী উরুমদা চংখ্রে ।
বাসুদেব ঐতদি চিংথহুমা তাহুনা লৈহৌরে ।
তাহুমা লৈহৌরে ঐনা নংবু পাপকী মহৈনা ।

তাল অমা

ওসি গৌরাঙ্গ প্রভুনা সঙ্কীর্ত্তনদা চাল্লরে ।
লৈনা জগোই শায়রে ; পাম্বোম বাংনা থাজত্না ।
মংতাইবা ইপাক্তা তাওথরে ;
প্রেম রসগী পোংদা তোংলে ;
কৌবিরিয়ে গৌরাঙ্গমা ২ ;
লোয়ো লাওনে কলিগী জিব ;
মক্ষামঙ্গা তাগ্রবদা ;

কংগমত্রবা হরিগী নামনি;
ব্রহ্মা কুত্রিনা তাঙ্গবদা:
নারদ লাঙ্কনা তাঙ্গবদা
কংগমত্রবা হরিগী নামনি।

গুরু খুরুম্বা

পাঙ্গ য়া খুবক ময়োবা সনাগী কুচু হেনবা।
সঙ্কীর্ত্তন হৌদোকপিবা মিয়া থম্বাসগুম্বা॥
বিশ্বম্ভর ব্রাহ্মন অথোইবা যুগী ধর্ম্ম তাকপা।
খুরুমজরি জিব মুংশিন্বিছনা শায়োনবিশিবা॥
গুরু গৌরাঙ্গবু হয়া হয়া হৌরবনা খুরুমজৈ।
তাকপি তম্বিবা ওঝা গুরু শ্রীমা ইপাবুদু খুরুমজৈ॥
তাকপি হৈবা গুয়া শিনবা বৈষ্ণব বৈষ্ণবী খুরুমজৈ

তালথা অষ্টম মচা

তাইবং মাইকনবগী শায়োনে;
কলি জিব লাপথিগে হায়ছুনা॥
শায়ম পুম্বদগী অথোইবানি;
কলি যুগী তাংলবা চিন্তা মশিন্নি॥
বৃন্দাবনবু থাদোক্তুনা নদীয়াদা লে, হপিরে।

ব্রজদা কানাচান্দনি নদ্যায়াদা নিমাইচান্দনি ॥
লাংকাপিরে পৃথিবীদা জিবন্ন লাম্বিগে হায়না
গোলুকী মথুংতো ওইবা তাংলবা শ্রীহরি মাক্তাক্না ॥
লাইবক কনী অহুনী গঙ্গা গৌরগী চরম্না লৈহেংই ।
লাইবক কনী মাগুপী লৈতরে মশোল অহুমসিদা ।

তাল অমা

হরি সঙ্কীর্ত্তন সম্লাইদা জগোই শারি গৌরনা ।
ওসিদি নদ্যা পুম্বগে শুংতাইবা তথৈ লৈতেনে ॥
মেংউ গদাধরনা খোগলে লৈদা জগোই শারেমে ।
মেংউ ওসি নবদ্বীপসে শুংতাইবা মপা লৈতেনে ॥
ব্রজগী নীপুক হুনা স্যাম লোইননা রাসেশ্বরী ।
অনিনা জগোই শাবগুম্না শারি শুংতাইনা জগোই ।
জগোই শানা শানা প্রেমগী ইথক হৌরকলেনে ।
হরি নাম্ ততনা শোম্নি শাঠেক অহুম্না লৈতেংলি

তাল মরি

তুলশী মালানা ওক্না হায়ুরি হরি নাম্ মেক্লবা ।
হায়না হুম্না নিংথিজবে হায়রুপনা মথন্তনা ॥
হায়না হুম্না চোম্বরে চরন থম্বান কংনিংবনা ।

ব্রজ ভাবপু থম্নুবদা পিরাং ভক্তনা শিঙ্থরক্লে ॥
কৃষ্ণ কৃষ্ণ ভক্তমা শোল্লি হকচাং থক থক নিক্লে।
গঙ্গানা ইহৌবকপক্তম্না পিরাংতনা পুমচোং চোংলে।
ব্রজগী লীলা থমোইদা কাওরে রাধা রাধা শোল্লে ॥

বোঁড় থাৎ

ফজৈ ফজৈ গৌরাঙসে ফজবা মপা লৈহতনে।

খুগুনবা

মচৈ বর ফিজেৎ লৈতেংনি গৌরাচান্দগী।
মো ওইবীশিঙ্গী পুক্লিং কাননবা লাংনি ॥
কন্নাদা কঞ্জরিবা ফজবা মপা লৈতে
কুপ্পা লানা মুনা লংলবা শমলাঙ্গী চুরানি ॥
মালতি পরেংং যেৎলি মৌশিং পুক্লিং হুবনি।
চুরা লৈরাঙ্গী লৈহি পাম্বা খোইম্নু ভংই ॥
লাইবক্কী চন্দন্না পুনিমা থাজ হেল্লি।
সনা ফিগে নৈজোন থোল্লি সনাবু হেল্লি ॥

তালচপ

মাইথোংম থাজ পুনিমাবু হেল্লি তাইবং পুম্বা হুমহংলি।
শকহেল্লবীশিংনা গৌরবু উজবদো ফববা মপোক্লি ॥

হুং শবা মিয়েং খোইয়প্পা পিশুম কামগী লিকুং হেনহনি
জগোইগী গুরুনি পুক্লিং হকচাং সুমহৎলি শাগৈ ধর্ম্ম মাংই
সনাগী লৈহাও মচু হেল্লি লংলবা স্না হকচাং কুচুনি।
শকহেন্নবীশিঙ্গা মিত্তা কাজন ওইনা পক্নুনা লৈবনি॥

মেনকুপ

ব্রজগী প্রেম রসদা তাওরে মিস্না থম্বান্না পিরাং শিষ্টে।
সুরধুনি গঙ্গাগুম উরে যমুনাগী ইশোম্নি থরেনে॥
বনগী ফজবা উরে রাধা ২ শোল্লি প্রেমগী ইথক চৌরি।
ব্রজগী লীলা থল্লুবদা প্রেমগী ইপোমদা তাওরেনে॥
কদমগী মপান শাংপগুম্না হকচাং পুম্বা তু চুংইনে।
ব্রজ প্রেম্না তাওয়ে লৈমাইদা ওল্লে সনাম্বী চিংহুম মালে॥
চরনবু কোল্লি হুংশিনা গদাধর নিত্যাইনা কোলথৎলি।
দৌশিং তারকপদা নিত্যাইগী লেংবান্দা শোঙ্গনা হৌগৎলি॥
স্না হকচাংনা উফুম্না পুমবাউ মিস্না থম্বান্দা পিরাং শিষ্টে॥
নিত্যাইগী ফিজিনা মাইংখাং থম্বান তপ্পা তপ্পা হৈখোকই।

পিরাং শিষ্টে তত্তনা;
রাধা রাধা কৌহনা কপই॥
ব্রজগী বাখন্দা তাওরি;
মাজিংগী চিংদোম্বী;
গঙ্গানা চেম্ব্রকপগুমই॥

বৃন্দাবন ফজবা

তাল অমা

মঙগনা তিল্লবা বৃন্দাবন্নি যমুনানগী কোইশিল্লি ।
শেংলবা মকমনি সনাগুম হৈপাম লৈপাক্না থল্লি ॥
মথন মথনগী লৈপাক্নি ফজ ফজনা থন্না শাংলি ।
মচু মচুগী লৈরাংনি সখিশিংনা সেবাগী দমক ভেল্লি ॥
বৈষ্ণবশিংগী লাইরিংফম্নি সাধুশিংগী লৈফমনি ।
অন্নাংবা টিশাদা তোংফুনা কোকিল্লা কুহু যুহু খোংলি ॥
ময়ৈ চুন্না ফদোকুনা বাহোং টৈনা জগোই শায়কলি ।
হৈপান লৈপাক্ন' লংলবা যমুনাগী ফজবা তোংবর্ান্নি ॥
ঈশিংবা মপি তাবদা খোইনা হেন্না শংনা ফজরি ।
থরো থম্বাম থাম্বিক থানা তাংনা চৌমা শংনা শাংলি ॥
তামু থঙ্গং কাংগা চেন্না লৈনা কুরাওনা শাজরি ।
ফজৈ ফজৈ বৃন্দাবন ফজবা মালেমদা লৈত্তরি ॥
সনাগী তাংবন লৈ অম্যাথক্কা থংথ' কুঞ্জনা তাংলি ।
নিকুঞ্জ মন্দিরগী মাইকৈ পুম্বা পুমওংল তাংলি ॥

অনিগী ঋজবা

তাল আনি

শ্যামগী কোক্তা বাহোঙ্গী চুম্বা মালতি পরেং কোইনা য়েৎপা।
রায়গী কোক্তা নৌরবা চেনা সনাগী লংলবা ঝাপা থেৎপা॥
শ্যামগী খুত্তা চুমহৎপা বাঁশি রাইগী খুত্তা অশংবা থম্বান।
শ্যামগী ওক্তা লৈগী পরেংনি রায়গী ওক্তা মুক্তা পরেংনি॥
সনাগী থম্বান অশংবা থম্বান থম্বান অনি পুম্বা শাৎলি।
ফুইনা হৌবা নোংলক্তা লেংদবা নোংথাংনা লংনা কুপলক্লি॥
হে পুক্লিং খোইয়ু লৈহি পাম্বা অতৈ লৈহি অমা পাম্মুরম্নু।
চরন থম্বান অনিগী অমৃত পুক্লিং পেম্বা থকহল্লোনে॥

হারজবা

তাল অষ্টম

শ্রীরাধা মধব অনিগী চরন পিরবিয়ু।
অবোইবা মতমদা চরন নাক্তা থম্বীয়ু॥
থৌজান হৈবী থৌজান হৈবা শ্রীরাধা মাধব।
ননাইবু থৌজানবিরবদি চানবী হৈবা চানবী হৈবী॥

অথোঙ্বা মিংলেন্দো তাইবংদা অয়েবা ওইরনি।
নরোত্তম দাসনা হায়জৈ শ্রীরাধা মাধবকী শ্রীচরন্দা॥
শ্রীরূপ মঞ্জরিনা চামর থৌগনবদো পামজরি।

লালশা

মনশিক্ষা

গোষাঞি

হরি বোল ২



শাঙোনবা – গৌর শঙন

মাল্লর = ত.ল অহুম

ব্রজগী অশংবা থাদো খোকলয়ে নদ্যায়াদা ভোনা।
কোকপিরে মাগী মণ্ডান্না কলিগী অমম্বা পুম্বা ॥
ডানবিরয়ে জিবগী থখোই পিংরে কৃষ্ণ প্রেম ।
লানখিয়ে জিব পুম্বা হরি নাম্না হিয়েল ওইনা।
রাধা নাম্না নৌ ওই ইবুংঙো মানা হিবোই ওইনা।
মায়াংগী ইপাক্তগী লানবিরয়ে কলি জিব পুম্বা ॥

অনিকপা – ক্ষেওরা

হরি নাম রেলবিরি গৌর নিত্যাই অনিনা ।
জিববু লানবিরিয়ে জিবমু লানবিরিয়ে ।
নাইদেনে মুপী অডাং থাক্লেনে হরি চণ্ডাল ॥
পাখোম বাংনা থাঙ্গত্নো নৈদা জগোই শারি ।
কলি জিববু কৌরিয়ে কলি জিব কৌবিরি ॥
লাও ঐগী নাক্তা চংশিন্নকউ কলি জিবা
লোয়ো লাও কৃষ্ণ প্রেম পুযক্লে নখোইগীনি।
থায়োইনে পাঙ্গমম্মু তিংলোইনে মখলমু ॥
পুজিগী অয়োইবা মায়া ইপাক লানবদা ।

ফংহনব্রগা কৃষ্ণ প্রেম ছিন্নানন্দ ওইনি ॥
পাঙ্গন মযেং তাত্তিরৈ বুদ্ধি লৌশি, মাংত্রিহৈদো ।
শোলহৌসি হরিনাম তুঙ্গী লন ভাজহৌসি ॥

বেড়া ঘাং = মেন

অসি হায়না গৌর নিত্যাই হরি নাম য়েলখিন্নি ।
অমুম্মা থোক্তান হৈবা যুগ যুগ থুদিংদা লৈত্তবি ॥
মখ দম্ম ওইরক্রবোই মথকক্ত ওইখিত্রি ।
কলি জিববু হুংশি হৈবনি গৌর নিত্যাই অনিনি ॥

তালচপ

কত্রবা কলি নিংথৌমী কল্লবা জামককদা ।
শোকনবিয়ে শ্রীগৌর নিত্যাই অনিমক্তা ॥
পুকচেম কত্রবী থৌমঙ্গী মচং নাইত্রবী ॥
হাপী মাহারাদিসীনা জিব পুম্বা মাংহললী ॥

কত্রবা চিঙ্গাক শিজরি পাপকী লম্বি চিংলী ।
হুমা মপা উশিন্তে মচন মচে শক থংদে ॥
হানা তাঙ্গ মখন কাওবা চহাক্তা মাংহল্লী ।

মেজকুপ

শ্রীবৃন্দাবনগী বমসে ফজবা ওয়৺খৈ লৈতেংম ।
হৈপান লৈপাম্লা থম্লি লৈরাংনা যুগাইনা শাংলি ॥
চোংঙা তেনবাশিংনা নিল্লি কোকিলনা বুহু বুহু খোংলি
লৈহি পাম্বা খোইমুশিংনা হুংশিনা ঙংহুনা পাইরি ॥
ঋতু তফল্লা খোগল্লি মলয়া হুংশিংদা তপ্না হুল্লি ।
হৈনম লৈনম্লা খোইথুম্লননা লিরি লিরি শিংলি ॥
কালিন্দী যমুনাগী মপাম শ বাংবা উমংহুদা ।
উরকই ঐনা হুংশিরবা শকহেলথা শ্যামদো ॥
লৈতেংইমে মাগী কোকবক্তা থাহেংং মতুগী চুরানা ।
মৌর চুরাগী ম্রাইদা উরিনে রাধা রাধা হায়না ॥
লাইবক কৈদা থাহোঙ্গী মপোক ফংজবা করম্না ।
কংতবত্রবা খোগমসে কংজনিংইদা মপোকসে ॥
থাহোঙ্গী মনাই ওইনা কংজনিংই মাগুম্না সেবা ।

অনিগী শক্তম

বীর বিক্রম

য়েংউ ইতা চায়রবী নিংথিরবা অনিগী শক্তম ।
চাংদমনিংঙাই অমা লৈতরে অনিতনা মহেল্লে ॥

অনৌবা নোংদা শান্নব্রি লেংদবা লংলবা নোংখাংনা।
নোঙ্গা নোংথাং অনিমক্না তান্নরে অমত্তা ওইনা॥
শ্যামগী কোক্তী লৈত্তেং রাহোং চুরা মালতিনা য়েংলি॥
রায়গী কোক্তী লৈত্তেং মোর বেনী শমজিরৈনা য়েংলি।
শ্যামগী খুৎকী লৈত্তেং বঁশি সুমহৎলি জিব পুবা।
রায়গী খুৎকী লৈত্তেং অশংবা থম্বাম শাংলে সন.দা॥
শ্যামগী তত্তা লৈ পরেং পরেং হায়না হুম্না শান্নম্রিয়ে।
রায়গী তক্তা মুক্তা পরেং পরেং অনি য়েংমম্রিয়ে॥
অনিগী চরন্দা মনি নুপুরনা রুনু ঝুনু নিন্নি।
অনিগী চরন অমুত্তবু তোন্ন ধনঞ্জয়না নিজম্নি।

হায়রুবা

তাল অহুম

রাসেশ্বরী গোবিন্দ খুরুমজব্রি শ্রীচরন্দা।
নৌরবা শ্যাম শকহেলবা শকহেলবী নৌরবী॥
লেংদবা নোংথাঙ্গুম্বী রাধ অনৌবা নোং ঙমজবা শ্যাম।
রাহোং চুরা তনিক তনিক সনাগী ঝাপা ইলং লং॥
লংনা তৌরবা কিরান্ন মুনা লংলবা বেনিনী।
মুক্তা পরেং থবাক্তা সনা লিকথাং মায়াক্তা তাম্নি॥
শ্যামগী সুমহৎপা বাঁশি রায়গী অশংবা থম্বাম।

মোমোম নোকপা মাইথেং থাজ পুম্বিনা থাজন্ন হেল্লি
সুংশিনা য়েংবা মিয়েংনা তাইবঙ্গী মঙ্গল ওইরি।
অতাংবা থম্বানবু হেল্লি চরন তাংলবা থম্বাম্ন॥
হে পুক্লিং অপংবা থল্লুহ্ন পান্মুহকো অইত লৈহিবু।
চরন থম্বান অমৃতবু পুক্লিং পোম্না থকচোবে॥

পাম্বজবা

অচৌবা তালথা অজুম

অরাঋদি কদৌতৈনো ঐগী অকবা সুমিত্তো।
সুংতাইনা শাম্বা অমৈমকী কুমৈ য়েংজবা॥
ললীতা বিশাখানচিংবী সখীশিংদী তুং ইঙ্গবা।
ময়াম কোইনা লৈনা জগোই শাবা য়াওজবা॥

যেন তালথা

রাধা শ্যাম অনিমক্কা খুংশম্মহনা জগোই শাবা।
লৈমকপা শাবেক কমমদো হরাওনা য়েংজবা॥
গোবর্দ্ধনগী চিঙ্কথা বন্দা লৈগী শর্য্যা মথক্তা।
অনিনা ইংনা পোৎখাবদা চামর থোগম চংজবা॥
পামবৈ নরোত্তম দাসনা অনিগী চরন শেবা।
অনিগুম্বা রসনিবু তোল্ল থলজয়দা শকচরি॥

লোঙ্খা লালসা

মায় কাক্ক অনিমা থুংশম্বনা লৈনা জগোই শাবা।
হেক মেংজনগা চুংডাইনা মজম লেংবা ছুপ॥
মায়বা কান্দা পোংথাননা গে ব্বর্দ্ধনগী কৈকোন্দা।
লৈগী শয্যা শেমজন্না চুংডাইনা পোংথাক্নমবা॥
নরোত্তমা অম্মা সেবা ফংবা কদোইদৌ ৎ ইচবা।

ভজন

তালখা মঙ্গা

শ্রীগৌরাঙ্গ প্রভুনা হরি নাম শোন্দুনা লেংঙ্গি বৃন্দাবন্দা।
শ্রীবৃন্দাবন্দা পাখেংম অমি থাঙ্গত্তুনা জগোই শাবিরি॥
উর তাবগা বৃন্দাবন উপান মাপান জগোই শাই।
হরাও তুঙ্গুঙ্গা লোইননা প্রেমদা লুপ্তুনা হরি শোল্লি॥
নিকুঞ্জগী উচেক ময়াম হরি নাম, তাহল্লি লোইনা।
গৌরনা শোল্লি হরি চোংতা তেনবানা থুমই হরি হরি॥
হরি নাম তাবদা শক্তিশিং প্রেমনা তাউদনা চেল্লকই।
মাকোং লাবা অমোমা প্রেমগা লোয়নমনা জগোই শাররে॥
হরি নামদা পুক্নিং হুকচাং লোইনা লুপ্তুনা লৈনখরে।
যমুনা মপান মোবদা শ্রীচমন সেবা ফংজখরে॥

ভজন

ঠুংরি

নিংথৌ গোবিন্দ গোপাল তোল্লববু লাম্বীবা নন্দগী মচা।
মঠুরাদা গোকপিরগা ব্রজদা সখাশিংগা যন লেনবা॥
গোকুলদা হরাওনা লীলা পুখা থাম্বা ব্রজবু পেলহনবা।
মাঠুরাদা অক্রুর লাক্লুমা ফজবা মীয়াম্বু লানথিরবা॥
লাঞ্জরবা উগ্রসেনবু নিংথৌ ওইহন্দুনা হুংথাইহনবা।
ফজবা পুখা লানবিহনা সাধু বৈষ্ণবশু কনবিরিবা॥

দাদ্রা

শ্রীসীতা রাম নিংথৌনা পুক্রিং য়েংউনা সংসারসিদা।
ইমা ইপা ইচা ইগু নজিনী হায়বা কনা লৈরি॥
মথন্তা লাকপনি মথন্তা হলবিনী কনাদি লৈরি।
সাধু বৈষ্ণবকী সেবা তৌরো মতম মাংহনগনু॥
নোংমদি শোইরোই চংবিগনি মালেম ইপাক থাংমদা।
লৈরোইদনে পুক্রিং মরুপ লোদবা মরুপ্তু হরিগনি॥
খারোইবদা নজী লোইবা মরুপ্নি রাম নামা।
ধর্ম্ম পুরবশুদি অপোইবা রাম ভজনা শোয়নু॥
সীতা রাম ভজনা শোয়নবদি অরা অনা ফজোই।

চরিগী মিংলেন শোনবনা তাইনং মৈচোক কোকনি ।
লেংদব' স্বরূপ নাম্বি হাংদৈ তোয় ধনঞ্জয়না ।

ভজন

মেবা বেশী = আড়া

হৌথরে মণ্ডপ থংউমে পুক্নিং হোৎলৌ ফংবা পোৎলোই ।
হৃদয় মপোক চয়েং মপোক মহৈ য়াননবা ॥
কৃকচাংনা পোশুম্বি থরাইনা চেক্লানি পায়খিনি মোংমদি ।
পামেন উশাথক্তা ফ্রক্ল'না অহিং য়ারেকপশুমনি ॥
ইঙ্গুং শোয়া ঙানবদা মাইকৈ হরাদা পাইখিবশুমনি ।
শোম্লু মিংলেন হরির নিংউ তাইমি যমগী মনাইশিং ॥
পুবা ভূমলোই ফংবা ভয়োই হরি নাম শোম্লবদি নংনা ।
ইনা ইপা ইচা ইশু মরূপ মপাং লোইনবী উবা ফংলোই ॥
ইথক্তা লাকপনি ইথক্তা হলবিনী কম,নু লোইননা চৎলোইনে

ভজন

তাল অমা

কাউগনু পুক্নিং শ্রীকৃষ্ণ চরন অথোইবা উপাইমি ।
পোকলাদি শিবা শোইরবনি কৃষ্ণগী খোঙাম্বা অকনবনি ॥
নিংউ শোম্লু রাধা শ্যাম রাধা শ্যাম রাধে শ্যাম রাধা শ্যাম

অহানবগু মানি থরে,ইবগু মানি পুন্নমকী অম্মানি ॥
ভক্তগী পুক্কিং খোইমুবা লৈহি থকই চরম থম্ব,ম্বা ।
ইংলবা কজবা মাইথোং থম্বান্দা মিত্তাক্তৌ পুক্কিং হুংশিনা ।
দ্বিংলুদা প্রেমগী ইম্ব শিঙ্গহনা য়েংজোনে ভজনা পুক্কিং
লেপ্তুবা তাইবংনি করি নচি লৈরি মাবু কেনবা অমা ॥
নিংউ রাধা শ্যাম শোল্লু রাধা শ্যাম রাধা শ্যাম রাধা শ্যাম ।
শ্রীহরিগী মিংলেন্না ছিরেলনি শ্রীগুরুনা হিংোইনিনে ॥
লানগনি শোন্নদনা তাইবং ইপাক কাউরগদুনে ॥
হরিগী মিংলেন্দি অথুবা অচৌবা ইপাক্কি থকচৌনে ॥
মরিক অমত্তংনা তাইবং লানবদি শোইরোইনে ।

ভজন

শিন্ধু মিশ্র – ঠুংগুরি

সংবাসবা বাঁশি খোংধা! মন্দগী মচা শকহেনবা;
গোকুলগী থাজ ওইবা ।
কৃষ্ণ কৃষ্ণ শোল্লু তত্তনা; অরাবা কোঙ্গাই কোকনিং;
তাইবং ইপাক লানবিবা হিয়োইনি ॥
কনানা শোল্লি কৃষ্ণ মুরারি কনানা শোম্নে রাস বিহারিং
কনানা শোল্লি হরে মুরারি ।
তুলশী মালাদা তত্তনা শাম্নরি ।
থুরুনজরি বাঁশী শোংবা মাঠুরা গোকুন্দা কেহৈনা চংলাং

শ্রী বৃন্দাবন্দা হৌরুনা শাগৎবা ॥

রাধেশ্বরী শ্রীগোবিন্দ গুরুমজরি শ্রীচৈতন্য,

ভাগ্যচন্দ্রগী মহুৎতো ওইবা ।

শংবাল্নবা সাঁশি শোংবা ভাগ্যচন্দ্রগী মহুৎতা;

মণিপুরগী থাক ওইব ॥

দাদ্রা — তাল রূপা

অক্রিবা কোকপিরবা য়াইফবা পিবিরব দশরথ রাম হে ।
জয় ওইরি গুরুমজরি শীতা রাম শীতা রাম শীতা রাম ॥
মঙ্গল পিনরিবা শীতা রাম হুংতোইবা পিনবিবা শীতা রাম
